# জয়দেব

সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়




MN
891.202 1
J 334 C


ভারতকী

MN
891.2021
J 334C

INDIAN INSTITUTE
OF
ADVANCED STUDY
LIBRARY, SHIMLA







RADHA & KRISHNA

*6th - 7th Century from* Pāhāṛpur, Rajshahi, Bengal

ভারতকী সাহিত্য শেম্‌বা অইবশিং

# জয়দেব

সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়

অনুবাদ

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

সাহিত্য অকাদেমি

Jayadeva : Manipuri translation by Elangbam Nilakanta Singh of the same title in English by Suniti Kumar Chatterjee. Sahitya Akademi, New Delhi, 1986, SAHITYA AKADEMI
REVISED PRICE

Library IIAS, Shimla
MN 891.202 1 J 334 C
00117841

© সাহিত্য অকাদেমি

MN
891.2021
J334C

সাহিত্য অকাদেমি
রবীন্দ্রভবন, ৩৫ ফিরোজ শাহ রোড নতুন দিল্লী ১১০ ০০১
শাখা কার্যালয়
রবীন্দ্র সরোবর স্টেডিয়াম, ব্লক ৫বি, কলকাতা ৭০০ ০২৯
২৯ এলডামস রোড, তেয়নমপেট, মাদ্রাজ ৬০০ ০১৮
১৭২, মুম্বাই মারাঠি গ্রন্থ সংগ্রহালয় মার্গ, দাদার, বোম্বাই ৪০০ ০১৪

SAHITYA AKADEMI
REVISED PRICE Rs. 15.00

Indian Institute ...
117841
21/12/04
SHIMLA

মুদ্রক :
শ্রীমুদ্রণ, ৪০ শিবনারায়ণ দাস লেন কলকাতা ৭০০ ০০৬

শ্রদ্ধা অমসুংনুংশিনা

কখোকচরি

বাংলা বৈষ্ণব সাহিক্য অমসুং ইতিহাসকী শকতাক লমজীংবা

বঙ্গীয় বৈষ্ণব পদাবলীগী সম্পাদক

চহী য়াংথৈ হেল্লবা মতমদগী নকশিন্না লোয়নজরকপা মরূপ

নোংচুপ বঙ্গদা খুংই লাইরিক থিবদা লোয়নজরক্লবা

চণ্ডীদাসকী পদাবলীবু সম্পাদন তৌমিন্নখ্রবা

হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায় দা।

স্থনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়

রাস-পূর্ণিমা ( কার্ত্তিক-পূর্ণিমা ) তিথি

মশাগী চহী ৮৩ শুবগী উপলক্ষদা

[ ১০ নবেম্বর ১৯৭৩—তিথি/২৬ নবেম্বর ১৯৭৩ ]

# বিষয়-সূচী


| | | |
|---|---|---|
| জয়দেব : ভারতীয় আর্য সাহিত্যগী অরিবামী ওইশিংগী | ... | ১ |
| জয়দেব—পুন্সী অমসুং চৎনরিবা বারীশিং | ... | ৩ |
| জয়দেব—বঙ্গদেশ, উড়িষ্যা অমসুং মিথিলাগী দাবী | ... | ৬ |
| "গীত-গোবিন্দ" নত্তবা জয়দেবগী অতোপ্পা অইবশিং | ... | ১০ |
| ধর্ম্মগী মীচং নাইদবা মুংশিবগী কবি ওইনা ইতিহাস কী জয়দেব সন্ত অমসুং প্রেমগী ছায়াবাদী কবি অমসুং রাধা-কৃষ্ণগী ভক্ত জয়দেব: "গীত-গোবিন্দ"গী অহানবা শ্লোক | ... | ১৪ |
| "গীত-গোবিন্দ"গা কোন্নবা জয়দেবগী শ্লোক ২৬য়াওবা "সদুক্তি কর্ণামৃত" | ... | ১৯ |
| জয়দেবগী কাব্যগী দিগ্বিজয় : ভারত পূম্বদা অমসুং পৃথিবীদা | ... | ২৯ |
| "গীত-গোবিন্দ" : ময়াম ওইবা ভারতীয় আর্যগী অরোইবা নক্রগা অহানবা ভারতীয় আর্যবর্ত্তগী সাহিত্য নাথৈগী খোম্বাং | ... | ৩১ |
| শিখকী গুরু গ্রন্থ সাহিব (আদি গ্রন্থ) তা জয়দেবগী মমিংদা লৈবা লাইশোন অনি | ... | ৩৫ |
| মঙ্গল অমসুং "পদাবলী" জয়দেবগী "গীত গোবিন্দ" অমসুং ময়াম যুগকী বাংলা সাহিত্যদা : বঙ্গগী আদি-কবি জয়দেব | ... | ৪১ |
| সাধক কবি অমা ওইনা জয়দেবগী খোইদোকপা মগুন "ভক্তমালা" না শীংথানবা— | ... | ৪৩ |
| "গীত-গোবিন্দ"—মসিগী সর্গ ৮ অমসুং ঈশৈ ২৪ অমসুং শ্লোক ৩৮৬ : কাব্যগী মমিং থোনবা | ... | ৪৪ |
| "গীত-গোবিন্দ" দা "লৌকিক প্রেম" অমসুং "স্বর্গীয় প্রেম" | ... | ৫০ |

জয়দেব—চৎনরিবা ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা অমসুং হৌজিক্কী
ওইবা অচুম্বা থিজিনবগী মীৎয়েংদা — ৫৬
"গীত-গোবিন্দ" অমসুং ময়ায়গী যুগকী ভারতকী চিত্রকলা ... ৬০
"গীত-গোবিন্দ"গী ঈশৈ অনি মণিপুরী অহুবাদকা কোন্নবা ... ৬১
রাধা অমসুং কৃষ্ণবু নীংঙবা অমসুং হিন্দুগী মূর্ত্তি কলা ... ৬৬
"গীত-গোবিন্দ"গী ঈশৈ সিংদা ছন্দ অমসুং সঙ্গীত ... ৬৮

জয়দেবগা মরমদা ইরিবা লাইরিকসিগী মখুমগী ডিজাইন অসি ত্রিপুরাগী শ্রীধীরেন্দ্রকৃষ্ণ দেব বর্মানা অমুবা মার্বলদা য়েকপা কৃষ্ণ অমসুং রাধাগী মশক তাকপা লাই অমদগী লৌথোকপনি। অসি অবনীন্দ্রনাথ ঠাকুর অমসুং নন্দলাল বসুগী ছাত্র ওইখিবা ভারতকী আধুনিক চিত্রকার অমনা ১৯৩৫দা য়েকপনি। মহাকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী শান্তিনিকেতন স্কুল অমসুং বিশ্বভারতী বিশ্ববিদ্যালয়গী কলাভবনদা মতম থরগী ডাইরেক্টর ওইরমই।

## অমা

## জয়দেব ঃ ভারতীয় আর্য সাহিত্যগীঅরিবামীওইশিংগী অকোনবা অমসুং অনৌবশিংগী অহানবা মীশক

“গীত-গোবিন্দ” ইবা জয়দেব সংস্কৃত কবি শিংগী মরক্তা অথোইবনি অমসুং সংস্কৃত লোন্দা ঋায়দগী হেন্না থুম্নবা গীতিকাব্য ইবনি হায়না পুন্নমক্না য়ানরি। সংস্কৃতকী অথোইবা কবিশিং মশীং থীবা তারবদি মহাক্কী মমিংদা মশানা অহুম লাকচৈ—অশ্বঘোষ, ভাস, কালিদাস; ভর্তৃহরি, হর্ষদেব, ভারবি, ভবভূতি, মাঘ, ক্ষেমেন্দ্র, সোমদেব, বিলহন, শ্রীহর্ষ, জয়দেব। সংস্কৃতকী ভারত পুম্বদা শীংথানরবা অথোইবা কবিশিংগী মরক্তা তশেংবদি মহাক্তি অথোইবনি—মহাক্কী লাইরিক অমখক্তং—“গীতগোবিন্দ” না তুংদা লাকখিবা কবি অমসুং পণ্ডিতশিংদা তাখিবা প্রভাবতি চাউরবা কালিদাসমক্কীগা চাংদম্নবা য়াই। সংস্কৃত লোন্দা শৈরেং ইবগী চথরকপা অহুমদি ভাবততসু জয়দেবনা ফাওরম্বা খৃষ্টগী শতাব্দী ১২ শুবগী মথংদদি লেপ্পনা চথরমই/অদুবু টুর্ক শিংনা চঙলকপা অমসুং “মমারোল” না না ফাওগংনরকপা (অনৌবা ভারতীয়-আর্য অমসুং ময়ায় ওইবা দ্রাবিড়গী লোনশিংনা) অহুনা তুংগী শতাব্দীশিংদা সংস্কৃততা ইবা কাব্যগী অবসুং অতৈ বিষয়গী লাইরিকশিংগী থৌগৎপীবা অমসুং মীয়াম্না পাম্নবগী (পুথোক্লবদি নত্রবসু) ময়েং তাবা হৌরকই। মুসলিমগী যুগতসু তশেংবদি অনৌবা কবিশিংসু থোরকই—মহুনা ভারতকী ক্লাশিকেল ওইরবা লোনসিদা ফোঙদোকপদা চহী চামঙা নত্রগা লিশিং অমগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা খ্বায়দগী হেন্না থাক রাংবশিংদুগী মনাক ফনা নকশিনবা ঙমখি। মথোয় অদু লেখক শিংনি—গদ্য ইবা অমসুং কবিশিংনি—মখোয়গী অইবশিংনা ভারতকী সংস্কৃতগী পাণ্ডিত্য দা অমসুং কাব্যগী প্রতিভাদা মঙাল পীবীখিবা ঙাক্তনি। অরিবা মীওইশিংগা চপমান্নমা চেকশিন্না মথোয়বুসু নোহোনা পুথোরকপা অমসুং কৃপ্পা যেংশিনবগী মওংদা নৈনবা চুমই। চীংনবা লৈতনা মথোয়সু হৌখিবা চহী শতাব্দী খরগী মসুংদা ভারতকী আত্মাগী ঙাম্নোই থিবা মশক থরনি—খুদম ওইনা হায়রবদা রূপগোস্বামী অমসুং জীব গোস্বামী, কবি কর্ণপুর, জগন্নাথ কবি অমসুং নীলকণ্ঠ

দীক্ষিত। অদবু প্রাচীন ওইরবা সংস্কৃতকী কাব্যদি ১২ শুবা খৃষ্টগী শতাব্দীনা লো -খিবগা লোয়ননা লেপখ্রে। জয়দেবনা শকখিবসি লোইশিন্নরবা যুগ অদুগী মপাউখোলদা নত্তে; "মমারোল"গী যুগনা হৌগৎলকপা ভারতকী সাহিত্যগী অনৌবা যুগকী য়ারাম্নি। অসিনা মহাক "যুগসন্ধি" দা লেপখি যুগ অনিগী তান্নফমদা চঙলক্লিবা যুগকী লময়ানবা অমা ওইনা। জয়দেবদি তশেংনমক কৌবা য়াই—'অরিবশিংগী অরোইবা, অনৌবশিংগী অহৌবা" ভারতকী কবিতাদা।

রাধা কৃষ্ণগী মীওইবগী অমসুং শৃঙ্গার রসনা মপূং ওইবা মুংশিববু ছায়াবাদ অমসুং অধ্যাত্মক ওইবা থাক্তা পুখত্তুনা শকখিবা খাইদগী হেন্না মুংশিরবা অশৈবা অমা ওইরুবনা জয়দেববু লাইতোংলবা কবি অমা ওইনা খঙনখি (য়াংমপ্রবদা ভারতবাসীশিংগী শরুক থরদা) মহাক্না দিব্য প্রেমবু মীওইবগী শক্লোন্দা পুথোকপীরমই। মসিনা ইসলামগী চৈনাখোল ঙাকখোক্নবা রাম অমসুং কৃষ্ণ গুম্বা লাইমক্কী শক্তি চঙলবা নায়কশিংগা কোন্নবা অনৌবা হিন্দু-ধর্মগী য়াকায়রকপদা ভক্তি সম্প্রদায়শিংগী ফাওগৎপা মতম অদুরাইদনি। অইংনা বৈষ্ণবকী ভক্ত অমা ওইনা অমসুং শ্রীকৃষ্ণমক্কী কৃপা ফংলবা মহাপুরুষ অমা ওইনা সন্মান তৌনখ্রবনা গীতগোবিন্দ'না ধর্মগী লাইরিক অমগী থাক ফংখি। মরম অসিনা জয়দেবনা হৌজিক ফাওবদা চথরিবা বৈষ্ণবকী পরম্পরাদা চঙশিন্দুনা য়াওরি অমসুং বৈষ্ণবকী সন্তচরিতাবলীদা অথোইবা মফম অমা ফংখি। মহাক্না মসিং অমসুং মীংচৎ মহাক্কী লাইরিক্তা কোন্ননা পণ্ডিততগীনা সাধারণ প্রজা শদা য়ৌরকই। মহাক্কী মরমদা চংনরিবা রারীশিংনা মীচমগী পুন্সীবু অরাপা খাক্তা পুখৎপা ভক্তিনা মপূং ওইবা কল্পনা অমসুং কাব্যগী মন্থং চল্ল কই। অসিগুম্বা মরাইবক ফবা অসি—বাল্মিকী অমসুং ব্যাস অমসুং কালিদাস কী শরুক থরা খাদোক্লগা—ভারতকী অতৈ কবিশিংদা থোকখিদবনি। হায়ংবা থরা অসিমু সাহিত্যগী ইতিহাসকী রাংমদা রারী অমসুং মধ্যযুগগী ভক্তিগী ঈহৌদা নৈচিল্লক্তা থাঙ্গৎখিবনি।

## অনি

### জয়দেব—পুন্সী অমসুং চৎনব্রিবা ৱারীশিং
### বনমালী দাসকী বাংলাগী "জয়দেব চরিত"

জয়দেবগী মতমদি নীংথিজনা খঙনরে—মহাক ১২ শুবা খৃষ্টগী শতাব্দীগী অনিশুবা তংথায়দা ফাওরমই বঙ্গদেশকী অরোইবা হিন্দু নিংথৌ লক্ষণ সেননী রাজকবিশিংগী মনুংদা অমত্তু ওইরমই। মথক্কী পুন্সীগা মরী লৈনবা মচাকশিং দি লৈখিত্রবা মনোমোহন চক্রবর্ত্তীনা (Journal and Proceedings of the Asiatic Society of Bengal, 1906 হায়বা অসিদা বঙ্গদেশতা সেন না পান্নীবৈগী মনুংদা সংস্কৃত সাহিত্য লামায় ১৬৩-১৬৯) ফোঙদোকলি। অচৌ অচৌবা ঋষি অমসুং মুনিশিংগীদা তৌবগুম্না, সন্ত অমসুং ভক্তশিং-গীদা অমসুং- অরিবা ভারতকী কাবশিং অমসুং লেখকশিংগীদা থোকপগুম্না মহাক্কী পোকপা অমসুং শিবগী তারিখ অমসুং পুন্সীগী অতৈ মচাকশিং খঙবা ঙমদ্রি। "গীতগোবিন্দ" মশামক্তগীদা ঐথোয়না খঙই—মহাক্কী অপোকপশিংগী মমিং (ভোজদের কৌবা অদুগা রামাদেবী নত্রগা বামাদেবী নত্রগা রাধা দেবী), মুপী পদ্মাবতীগী মমিং (রোহিনী হায়নসু খঙনৈ), মরুপ পরাশরগী মমিং-অদুগা অতি থরগীসু মথোয়না "গীতগোবিন্দ" গী ঈশৈ শকখিবা, মহাক্কী মতমদুগী ওইবা কবি থরগী মখোরদুনা সংস্কৃততা ইখিবা অমসুং অতৈ মফম খবদগীসু ফংবা—খুদমগী মশক ওইনা, উমাপতি ধর, শরণ, আচার্য গোবর্দ্ধন অমসুং ধোয়ী কবিরাজ, অসিগা কোন্ননা মহাক্কী পোক্লফম খুঙ্গং—কেন্দুবিল্ব। গ্যর্গ বুএহলেরনা হায়রি মদুদি 'গীতগোবিন্দ" গী অরিবা খুৎনা ইবা লাইরিক্কী লৌইশিল্লকপদা পল্লি—বঙ্গদেশকী লিংথৌ লক্ষ্মণ সেন না জয়দেবদা "কবিরাজ" হায়বা উপাধি অসি পীখি (হরপ্রসাদ শাস্ত্রীগী মথাদা পল্লকখৌব্রিবা বনমালী দাস কী "জয়দেব রচিত" কী রাহোদোক্কা চাংদম্লবীগনি।)

মধ্যযুগকী অরাংভারতকী বৈষ্ণব সন্ত অমসুং কবিশিংগী "সনাগীরারীশিংবুন" দা, বৈষ্ণবকী চরিতাবলীদা জয়দেবগী মতাংদা কল্পনাগী

রারি থরা য়াওরি—মখোয়সি ময়াম্নদি পামনৈ অদুর ইতিহাসকী ওইবা যুক্ষম য়াওদে। ময়ায় যুগকী বাংলা সাহিত্যদস্থ জয়দেবগী মরমদা কল্পনানা মপূং ওইবা পুন্সী অমস্থ থেংনৈ অদুগা য়ামদ্রবদা খৃষ্টগী ১৫ শুবা শতাব্দীগী লোইরকপগী অদুরাইদা ইবা তংথায় অমা ইতিহাসকী যুক্ষম য়াওবা চাওখত্রিবা ময়ায়গী যুগকী বাংলাগী শক্তম লোবা সংস্কৃতকী লাইরিক "সেক-শুভোদয়া" কৌবা অমদা জয়দেবগা মরী লৈনবা রারী থরা থেংনৈ। মখোয়সি ইতিহাসকী যুক্ষম থরা য়াওরম্বা য়াই। জয়দেব অমনা গুরু নানক কী মাঙজিন থাবা অনৌবা সন্ত অমা ওইনা শিখশিংনা লৌনর অমস্থং শিখশিগী "গুরু-গ্রন্থ" দা অরীবা হিন্দী নত্রগা অপভ্রংশদা ইবা জয়দেবগী শৈরেং য়াওরি—মখোয়না জয়দেববু অচৌবা বৈষ্ণব কী সন্ত অমস্থং কবি অমা ওইনা লৌরি। মসিনা জয়দেবগী মরমদা থেংনবা অরিবা মতমগী মশক্তি।

ময়ায়গী ওইবা বাংলাগী "জীবন চরিত" শিংদা, নত্রগা জয়দেবগী পুন্সীদা ইবা কল্পনা না মপূংওইবা শৈরেংশিংদা ইনরিবশিংগী মনুংদা কবি বনমালী দাস কী "জয়দেব চরিত" পনবা যাই ( ১৭ শুবা শতাব্দীগী অহানবা তংথায়, অতুলকৃষ্ণ গোস্বামীনা সম্পাদন তৌবা, বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদ, কলিকাতা, বাংলাগী সাল ১৩১২-১৯০৫ (খৃষ্টাব্দ), হরপ্রসাদ শাস্ত্রীগী রাহোদোক অমগা কোন্নরা, লামায় ৩৪) জয়দেবগী শেংলবা কল্পনাগী রারী, নুপী পদ্মাবতীগী রারী অমস্থং মথক্কী কৃষ্ণভক্তিগী বারী মপূং ফানা লীরি। ইতিহাসকী মীংয়েংদগীদি কান্নবা রারী নত্তে। জয়দেবগী মতম ফাওবা কবি অসিনা ১২ শুবদগী মহাক্কী শতাব্দীদা পুথরকই মতম অদুদদি বর্দ্ধমানগী সামন্তগী রাজা অদুতবু বনমালী দাসনা থঙজবা অচৌবা হিন্দুগী লৈঙাকপা অমা ওইনা থঙজে।

সংস্কৃত সাহিত্যদস্থ জয়দেব কৌবা লেথক কয়াস্থ থেংনৈ, অদুবু "গীত-গোবিন্দ" গী কবি অসি নওনা অতৈগী মরমদদি থোইনা পাউ ফংদে। অস্থম্না অলঙ্কার শাস্ত্রগী চাউরবা লেথক অভিনব গুপ্ত না ( খৃষ্টাব্দ ১০০০ ) ইবা ছন্দ শাস্ত্রদা স্থত্র কয়ামুক ইখিবা লেথক জয়দেব হায়বা অমা থেংনৈ লাইরিক অসিমক্তদস্থ হর্ষটনা ( খৃঃ ৯০০ ) টিকা ইখি। মসিগী জয়দেব অসিদি "গীতগোবিন্দ"গী লেথকতগী য়ামদ্রবদা চহী ৩০০ মুক্কী মথাংদনি। জয়দেব অমস্থ লৈরমই মহাক্কা রামায়ণগী রারীগী

মরমদা ইবা "প্রসন্ন-রাঘব" কৌবা সংস্কৃত কী নাটক অমা ইরমই। মহাক্না কৌণ্ডিনীয় গোত্রগী ব্রাহ্মণনি, মপাগী মমিংনা মহাদেৱ, মমাগীনা সুমিত্রা অমসুং গুরুনা হরি-মিশ্র কৌরমই। "গীতগোবিন্দ"গী জয়দেবগী মতমগা ফনা নকশিন্ননা মহাকসু লৈরম্বা য়াই। মরমদি খৃঃ ১২৫৭ গী অদুরাইদা খোমজিনবা "সূক্তি-মুক্তাবলী" কৌবা সংস্কৃত কী শৈরেংশিংগী অপুনবা খোমজিনখিবা কাশ্মীর কী কবি কহ্লন্না "প্রসন্ন-রাঘব" কী জয়দেববু পনবা থেংনৈ। মহাক কদায়দা পোকখিবা নত্রগা লৈরম্বা খঙদে ; খরনদি মহাকপু বিদর্ভ নত্রগা অরাংহথবা মহারাষ্ট্রদা লৈরমধি হায়না লৌনৈ। মহাকলু অলঙ্কার শাস্ত্রগী "চন্দ্রলোক" কৌবা লাইরিক অমা ইরমই। লাইরিক অসিমদি বঙ্গদেশ তা থোইনা চৎনবদি তৌখিদে।

## অহুম

### জয়দেব—বঙ্গদেশ, উড়িষ্যা অমসুং মিথিলাগী দাবী।

"গীতগোবিন্দ" হৈবা জয়দেবদি পূম্নমক্না কেন্দুলী খুঙ্গং; থায়নগী মিংনা কেন্দুবিল্ব কৌবা নোংচুপ বঙ্গগী বীরভুম জিলাদা লৈবা অদুগা মরী লৈনৈ হায়না লৌনরি। অদুবু বঙ্গদেশতগী মফম অতৈ অমসুং নোংপোক ভারতকী লমদম অতৈদগীসু মহাকপু তান্নবসু য়াওরি। হায়নবা অমনা, ষাম্নমক্তি কন্নবসু, অরাং নোংপোক বঙ্গগী বাগুরা নত্রগা বোগ্রা জিলাদা (হৌজিক্না বাংলা দেশ কী মসুং চনখ্রে) মহাকপু পুরি। মসিগী মতাংদা প্রমানদি থাজহনবা য়ানা কন্দে অমমুং কন্নসু ওকশিন্নদ্রে। অতোপ্পা রাফম অমনা শ্রীধীরেন্দ্রনাথ বালদগীনি মহাক্তি কেন্দুলী কৌবা খুঙ্গংগী ক্রোশ তরেৎ থাপ্না চৎলগা লৈবা ভৈরব খুন্দা লৈ। খুঙ্গং অসি হিন্দুগী মীশিং ফনা য়াম্না লৈরমই। য়মাং-ঙৈদদি, জয়দেবগী মমিংদা চহীগীমেলা অমা হেক হেক তৌরমই হায়নৈ অদুগা "জয়দেব ঠাকুর" গী মমিংদা পুথী অচৌবা অমসু লৈরি। খুঙ্গং অসিগী প্রজাশিংনা পুথী অসিগী মনাক্তা জয়দেবগী ইংখোল লৈরমই হায়না পুথোক্নরি। কেন্দুলি খুঙ্গংদা মাওধুবা মন্দির অমসুং য়েকপাশাবগী লেমহৌবশিং থরদি থেংনরি। মসি জয়পুর হাট রেলরে স্টেসনদগী ক্রোশ ৪ মুক চৎলগা লৈরি। কেন্দুলিগী মরমদা ঐথোয় না খঙবা হায়বব মসি মঙায়।[১]

শ্রীকেদারনাথ মহাপাত্র, ম্যুজিয়মগী কুরেটরনা (ওড়িষ্যা সাহিত্য অকাদেমি, ভূবনেশ্বর, ১৯৬০ না ফোঙবা) মহাক্কী চেকশিন্না মচাক খোমজিন্দুনা পুথোক্লবা লাইরিক—"A Descriptive Catalogue of Sanskrit Manuscripts of Orissa, in the collection of the Orissa state Museum, Bhubaneswar, Vol II "তা মায়কৈ কয়ামুক্তগী য়েংশিল্লবা জয়দেব অমসুং মহাক্কী "গীতগোবিন্দ" গী মরমদা শাংলবা আর্টিকল অমায়াউরি (লামায় : ৩৬—৪৬) চঙথোক্লবা আর্টিকল অসিদা জয়দেবগী মতমগী

---

[১] য়েংবীয়ু ডাক্তর হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায়, সাহিত্যরত্ন না হৈবা "কবি জয়দেব ও শ্রীগীতগোবিন্দ", কলিকাতা, ৪ শুবা শায়োন, অগ্রহায়ন ১৩৭২ লামায় ৩৬,৩৭—ফুটনোটতা।

মীওই খরা অমসুং জয়দেব মশামক সাহিত্য অমসুং অতৈ মরমদগী উড়িষ্যা গীনি হায়দুনা দাবী তৌরি। জয়দেবগী কেন্দুলি অসি পুরী জিলাগী বালিপাটনা পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা কেন্দুলি হায়নসু খঙনবা চাউরবা খুঙ্গং অমনি হায়রি। শিল্পশাস্ত্রগী মায়কৈদগীসু জয়দেবগী মীৎয়েংগী বিষ্ণু অসি উড়িষ্যাদগী হৌফম ধোকই হায়নসু প্রমাণ তৌনবা লাক্লিরি। তশেংববুদি উড়িষ্যাগী সাহিত্যদা "গীতগোবিন্দ" গী প্রভাবতি অঙকপা ফংনা তারি ; অসমক জয়দেব না উড়িষ্যাগী কবি অমা ওইরমদুনা তৌবনি হায়না লৌনরি।

অদুবু "গীতগোবিন্দ" হায়বসিদি মহাক্না থোরকপগী হেক মতুংদা ভারত পুম্বদা প্রভাব তাপ্রবা লাইরিক্নি। অমসুং বাংলা সাহিত্যগুম্না গুজরাটি হিন্দী নত্রগা ব্রজভাষা সাহিত্যশিংদসু চপমান্ন না লাইরিক অসিগি প্রভাব তারবনি। বঙ্গদেশতা কন্না চৎনরিবা রারীদগীনি হায়দুনা জয়দেবদি বীরভূম দা লৈরিবা কেন্দুলী গ্রাম দা পোকখিবনি হায়দুনত. কন্না জয়দেবগী লৈফম পোকফম তকশিনবদি থোইনদুম কান্নদে। অদুবু জয়দেব মশামক্না ইবনি হায়না লৌনরবা শ্রীধরদাসনা থোমজিনবা সংস্কৃতগী কাব্য সংগ্রহদা (মখাদা পীরক্ক-দৌরিবা)—লাইরিক অসিদসুমতুংদসু তারকদৌরিবা শৈরেংশিংদা—চপচানা প্রমাণ তৌরবা অমা ওইনা উরে মদুদি—জয়দেব অসি বঙ্গদেশকীনি অমসুং ইংকুমজা ১২০৩ ফাওবা নোংচুপ বঙ্গগী ভাগীরথী তুরেল মপান্দা লৈরিবা নবদ্বীপতা পানখিবা নিংথৌ লক্ষ্মণসেন গী রাজসভাগী মীওই অমা ওইখি। চহী অসিমক্তদা টুর্ক কাংলুপ অমনা বক্তিয়ার খিলজীগী লমজীং মখাদা বিহার লোমদগী নবদ্বীপতা লান্দারকই অমসুং লক্ষ্মণসেনবু নমদুনা নোংপোক বঙ্গদগী চেলহনখি। অদুম্না টুর্কসিংনা বঙ্গদেশপু জয় তৌখি অমসুং হিন্দুগী শাসনবু লোইশিনহনখি। উড়িষ্যাবুদি নোংপোকথংবা ভারততা (মিথিলাগা কোন্নুনা) সংস্কৃত বিদ্যাগী ধ্বায়দগী অথোইবা কেন্দ্র অমা ওইরকই অদুগা উড়িষ্যানসু সংস্কৃত সাহিত্যদা থায়দগী অথোইবা ওইরবা লেখক থরসু পীরক্লমই।

অদুবু "গীতগোবিন্দ" বু ইখিবা অমনি হায়না জয়দেবগী মমিং অসিদি চহী ৮০০ মুক্তসিদি চহী ওইবা ময়ামগী মেলানা জয়দেবগী মমিংগা কোন্নরদুনা নোংচুপ বঙ্গগী বীরভূম জিলাগী অজয় তুরেলগী মপান্দা তারিবা কেন্দুলী খুঙ্গংদা চখরদুনা ইকাউ কাউনদনা থমদুনা লৈরি।

অসুম্বা, অতৈ প্রমাণশিংগী মথক্তা, ঐহাক্কী পুক্নীংবু চিংশিল্লি ডাক্তর হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায়না বীরভূম জিলাগী কেন্দুলিনা জয়দেবগী ময়ুমনি হায়বা বাংলাগী খুৎনা ইবা ইংকুমজা ১৭৪৬ কী লাইরিক্কী মতাং অমদা (—সন নত্রগা বাংলাগী ১১৫৩) মতুদা গোপীচরণ দাস বিদ্যাভূষণনা (মহাক্কী সংস্কৃত লোনগী টিকা— "হরিনামামৃত-ব্যাকরণ" হায়বা অদুদা হান্নগী হৌরম্লবা লোইখিদবা টিকা অমবু লোইশিল্লদুনা তৌবা অমনা চঙথোন্ননা পুথোকলবা খুৎই লাইরিক অসিগী বিষয় ওইরি। চিংনবা নৈতনা হায়রি মতুদি মহাক "গীতগোবিন্দ" কবি জয়দেবগী পোক্লফমসু ওইরবা কেন্দুবিল্লদা নৈরমই মতম অদুদদি মফম অসিবু কেন্দুলি হায়না বীরভূম জিলাগী ওইনা খঙরমই।

হৌজিক ফাওবা কেন্দুলিদি নোংচুপ বঙ্গদা বৈষ্ণবশিংগী তীর্থস্থান ওইরি। জয়দেবগী মমিংদা তৌরিবা চহীগী মেলা নত্রগা ধর্মগী পূনফম মসিদা বৈষ্ণবকী মহন্তসিংহ, লম্বোইবশিং-অমসুং নক্নবা বাউলগুম্বা কাংলুপশিংনা তিল্লরিবা অসিনা তীর্থ যাত্রিক কয়ামুক্কী তিন্নফম ওইরদুনা নীংথিজনা তিনবা মেলা অমা ওইনা চথরি।

শ্রীমহাপাত্রনা মিথিলাদা "কেন্দোলি" হায়না কৌবা অতোপ্পা খুন অমসু নৈরি হায়না পল্লি; মৈথিলী-থরনসু জয়দেব দি তীরহুত নত্রগা তির-ভুক্তি হায়বদি মৈথিলা দা পোকখিবনি হায়না দাবী তৌরি। বৈষ্ণবগী পরম্পরানা (ভক্তমাল টিকা দা থম্বগী মতুং ইন্না) তাক্লি মদুবু জয়দেব গী মুপী অসি মপানদি পুরী দা নৈরিবা জগন্নাথ কী মন্দিরদা মন্দিরগী জগোইশাবী অমা ওইহন্নিংলমই। অদুধু জগন্নাথ নত্রগা বিষ্ণু মশামক্তা মপাগী মমণ্ডা মহাকপু জয়দেবদা লুহোংউ হায়দুনা তাকপীথি।

অতোপ্পা রারী অমসু সেক-শুভোদয়া দা নৈরি। সেক-শুভোদয়া নত্রগা শেখকী শেংলবা ফাওরকপা হায়বসি মুসলিমগী প্রেরনাদগী ইরকপনি। মসিদা বক্তিয়ার খিলজীগী লমজীং মথাদা ১২০৩ দা টুক শিংনা লাক্রঙৈদা বঙ্গগী নিংথৌলক্ষ্মন সেনগী সভাদা লাকখিবা মুসলিম ফকির অমগী পুন্সী অমসুং অঙকপনা থল্লবা থৌদোকশিংগী মরমদা ইরি। বাংলা না য়স্কম ওইবা শেংদবা সংস্কৃত লোন্দা ইরি অদুগা মচাক্লা ১২-১৩ গুবা শতাব্দীগী মতমদগী, করিগুম্বদা ১৫-গুবা শতাব্দীগী লৌইরমদাইদগী নত্রগা ১৬ গুবা শতাব্দীগী হৌরমদাইদগী লৌথৎলকপা পরম্পরাদগী লৌথোকপনি। মসি ডাক্তর

সুকুমার সেননা বাংলা ময়েক্তা টিকাগা কোম্নবা, হৃষিকেশকী পরিংদা কলিকাতা ১৯২০ দা সম্পাদন তেবিনি ; অনিশুবা শাস্ত্রোন্না দেবনাগরী ময়েক্তা, টিকা, রাহৌদোক অমসুং বাংলাগী অর্থগা কোম্নবা Bibliotheck Indica নং ২৮৬, এশিয়াটিক সোসাইটি, কলকাতা ১৯৬৩। পরম্পরা অসিনা পদ্মাবতীবু মমিংচৎলবী ঈশৈ তৌবী অমসু ওইহল্লি। মপুরোইবগা লোয়ননা মহাক বঙ্গদেশকী মপানগী (মিথিলা) মমিং চৎলবা ঈশৈ তৌবা মমিংনা বূঢ়ন মিশ্র কৌবা অমগা লান্বা তৌনখি। জয়দেব মশামক্তসু মশামকপু পদ্মাবতী চরণ চারণ-চক্রবর্তী হায়বদি পদ্মাবতীগী মখোঙবু লেঙহনবা (জগোয়দা) নিংথৌরেল হায়জবা মতমদা মহাক্কী নুপীবু মমিং চৎলবী জগোয় শাবী অমনি হায়বগী ইঙ্গিৎ তৌরি। মসিমদি থম্নবা য়াই মহুদি পদ্মাবতী অসি দেবদাসী অমা ওইনা জগন্নাথকী মন্দিরদা মমাম্পানা কথোকমপা পাম্নমগনি অহুগা মতুংদা ঈশৈ অমসুং জগোয়দা তম্বীরমগনি অহুগা অকোনবদদী জয়দেবদা লুহোংলম্বা ওইরম্বা য়াই ; বঙ্গদেশতা চৎনম্বিবা ৱারীনা লুহোংবা অসি য়াম্নমক মপুং ফাহল্লি—মতৈ মনাউমক শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈহল্লি অহুগা মহাক্কী লাইরিকী অপনবা মতাংকয়ামুক্তা মহাক্না নুপীগীদমক চাউথোকচবা অসি তশেংনা উৎলি।

## মরি

### “গীতগোবিন্দ” নত্তবা জয়দেবগী অতোপ্পা-অইবশিং—
### শ্রীধরদাস কী “সদুক্তি-কর্ণামৃত” দা লৌখৎলকপা শ্লোকশিং

জয়দেবগী মতমগী ওইবা পণ্ডিত, কবি অমসুং পঙচাউদি চাউদবা লৌয়াম চাবা, বটুদাসকী মচানিপা শ্রীধর দাসনা শক ১১২৭ (ইংকুমজা ১২০৬) দা “সদুক্তি-কর্ণামৃত” কৌবা সংস্কৃত কবিতাশিং খোমজিনবা লাইরিক অমা ফোঙই। বংগদেশতা ইবা সংস্কৃত সাহিত্যগী নৈনবা ওইনা অদুগা বিহার অমসুং অরাং ভারত তগী লাক্নুনা তুর্কীশিংনা বঙ্গদেশতা মুছলমান যুগ চপচানা হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা গৌড় অমসুং বঙ্গগী হায়বদি নোংচুপ অমসুং নোংপোক বঙ্গগী কবিগী পুক্নীং শঙনবা অমা ওইনা খোমজিনবা অসিগী মমল য়ামই। লৈখিদ্রবা পণ্ডিত রামাবতার শর্মা অমসুং পণ্ডিত হয়দত্ত শর্মগী সম্পাদনাদা “সদুক্তি-কর্ণামৃত” হায়বসি ইহান হান্না লাহোরদগী ইংকুমজা ১৯৩২ দা ফোঙই। ইকুই কুইদনা ইংকুমজা ১৯৬৫ দসু অনৌবা সংস্করণ অমা অধ্যাপক (ডাক্তর) সুরেশচন্দ্র বন্দ্যোপাধ্যায়না ফার্মা কে, এল, মুখোপাধ্যায়, কলিকাতাদগী কোঙই। ফন কুইরবগী মমাংদসু রাজেন্দ্রলাল মিত্রনা লাইরিক অসিদা ইংকুমজা ১৮৭৬ দা আর্টিকল অমা ইখি অদুদগী ইংকুমজা ১৮৮০ দা জর্মনগী পণ্ডিত থিওডর আউফ্রেখটনা থুংনা ইবা লাইরিক অনিনা য়ুম্ফম ওইদুনা খোমজিনবা অসিগী মরমদা নৈনখি, জর্মান লোন্দা রচনাশিং ইখি অমসুং মতুংদা নোংচুপকী জগত্তা শঙহনখি। আউফ্রেগটনা “সদুক্তি-কর্ণামৃত”গী রাফম অসি নীংথিজনা নৈনখি অমসুং মহাক্কী নৈনখিবশিংদুগী মচাক ফনা য়াম্না ডাক্তর এফ, ডব্লিউ, টমাসনা, অদুগুম্বা অচৌবা শৈরেংশিংগী খোমজিনবা “কবীন্দ্রবচন সমুচ্চয়” সম্পাদনা তৌবদা শীজিন্নখি। “সদুক্তি-কর্ণামৃত” দা তোঙান তোঙনবা ছন্দদা লেংবা চাউরাক্লা সংস্কৃত শ্লোক ২৪০০ মুক য়াওরি - মখোয়সি প্রবাহ (ঈচেন) মঙাদা শন্দোকই। অদুগী মনুংদগী শ্লোক ৫০০ মুক্কী কবিশিংগী মমিংদি শঙদবা নত্রগা কাউথিবা ওইরে। অদুবু লেমহৌরিবা শ্লোকশিংগী কবিশিং ওইনা ঐখোয়না মীওই ৫০০ মুক্কী মমিং ফংই। অসিগুম্বা ৫০০ গী মনুংদা কবি ৩০০

মুক হেন্না গোড়-বংগ গীনি হায়না অনুমান তৌই। অসিগুম্বা প্রবাহ ৫ অসি পওপীক পীক্তবা শরুক ওইনা থায়দোকই ; মখোয়দুদি—(১) অমরপ্রবাহ নত্রগা, দেব প্রবাহ, (২) শৃংগার-প্রবাহ, (৩) ছাটু-প্রবাহ; (৪) অপদেশ-প্রবাহ অমসুং (৫) উচ্চাবহ-প্রবাহ। প্রবাহখুদিংদা ত্রীচী ( ঈথক ) হায়না খণ্ড মচা মচা থোক্লা থায়দোকই অমসুং ত্রীচী খুদিংমক শ্লোক ৫।৫ না শাই। অমুম্না অহানবা প্রবাহ-অমরপ্রবাহ দা ত্রীচী ৯৫, শৃংগার প্রবাহদা ১৭৯, ছাটু-প্রবাহদা ৫৪, অপদেশ প্রবাহদা ৭২ অমসুং উচ্চারহ-প্রবাহদা ত্রীচি ৭৬ য়াওই।

আসগুম্বা প্রবাহশিংদা সংস্কৃত শ্লোক অয়াম্বদা তুর্কীশিংনা বংগ বিজয় তৌত্রিঙৈদা হায়বদি সন ১২০০গী মমাংগী বাঙ্গালী জাতিগী কবি শিংগী রাখল অমসুং খম্মোইগী মঙাল থেংনৈ। আসগী মতুংগী বাঙ্গলা লোলগী ময়ায় ওইবা যুগকী চৎনরোল অমসুং শৈরেংগী য়ুম্ফমগী অমসুং বঙ্গদেশকী কাব্যগী জীবনগী শরুক ফনা য়াম্না শ্লোকশিংদা ফোঙদোকপা থেংনৈ। "সদুক্তি-কর্ণামৃত" হায়বা লাইরিকসি সংস্কৃত লোন্দা ফোঙলবসু বঙ্গদেশকী কাব্য-সাহিত্য নৈনবগী মতাংদা মসি য়ুম্ফম ওই হায়না খন্নবা দরকার ওই।

রাফম অমনা—"সদুক্তি-কর্ণামৃত" তোঙান তোঙানবা প্রবাহদা শ্লোক ৩১ য়াওরি মখোয়দুগী মকোক্তা ইরি—"জয়দেবস্য" হায়বদি জয়দেবগী নত্রগা জয়দেব না হায়দুনা। মথক্তা পনখিবা "গীত-গোবিন্দ" ইবা কবি জয়দেব নত্তবা অতোপ্পা জয়দেব অনি অমসু থেংনরি। অহানবা জয়দেবনা সংস্কৃত ছন্দগী মরমদা অইবা মীওইনি মহাক্তি কবি নত্তে। অনিশুবা জয়দেবনা "প্রসন্ন-রাঘব" ইবা মীশক ; মহাক্তি ঐথোয়গী জয়দেবগী মতমগী ওইরম্বা য়াই ; অদুবু অসিগুবা কাব্যগী খোম-জিনবা অসিগী মতমদা মহাকী মমিং অমসুং মীংচৎ বংগদেশতা খঙনরমই হায়বগী প্রমাণ ফংদে। শৈখোম লাইরিকী খোমজিত্রিবা শ্রীধর দাস না "গীতগোবিন্দ" গী মমিংলৈরবা ফাওরবা কবি অসি নত্তবা অতোপ্পা জয়দেববু খঙলম্লবসু মদুবু পলম্বা চারমই হায়না আশা তৌই। শ্রীধর-দাস না ঐথোয়গী জয়দেবগা ( নিংথৌ লক্ষ্মণসেনগী সভাকবি ওইধ্বা খঙনরম্বা অদুগা মহাকী "গীত-গোবিন্দ' দগী শ্রীধর দাসনা জয়দেব না ইবনি হায়দুনা শ্লোক ৩১ দগী ৫ মুক লৌথৎলিবা ) অতোপ্পা মমিং মান্নবা কনাগুম্বগা নৈশিন্নবম্বা ওইথোক্তে / অসিনা, শ্রীধর দাসনা

চপচানা জয়দেবগীনি হায়দুনা হায়রিবা শ্লোক ৫ অসিগী য়ুম্ফমদা অমসুং শ্রীধর দাস মকসু নিংথৌ লক্ষ্মণসেনগী রাজসভাগী মচীন চৎপা মীওই অমনি হায়রিবসিগা চুনরগা ( "সদুক্তি-কর্ণামৃত" গী রাহোদোক্তা শ্রীধর না ঐথোয়দা খুঙহল্লি মতুদি মহাক্কী অপোকপা বটু-দাস লক্ষ্মণসেনগী চান্নবা ওইরমই। শ্লোক ৩১ অসিমক "গীত-গোবিন্দ" গী কবি জয়দেব নত্তনা অতৈনা ইবা নত্তে হায়না লৌবদা কায়রোই। "সদুক্তি-কর্ণামৃত" দা জয়দেবগী মতমগী ওইবা অমসুং "গীত-গোবিন্দ" দা পল্লিবা উমাপতি-ধর নিথোনবা অদুগী ওইনা শ্লোক ৯১ য়াওরি। আর্যা ছন্দদা প্রেমগী শৈরেং ৭০০ কী থোম-জিনবা "আর্যা-সপ্ত-শতী" গী থায়না খঙনরবা অহঁবা আচার্য গোবর্ধনগী ৬; শরণ গী ২১ অদুগা ধোয়ীগীনা ২০ ( অদুগী মনুংদা ২ দি কালিদাসকী "মেঘদূত" কী নুংঙাইনা মতৌতম্বা ধোয়ীগী মমিং চৎলবা লাইরিক-"পবন-দূত" তগী লৌথোকপনি; "পবন-দূত" অসিগী মমাংদা ছাপা তৌদুনা ফোঙথ্রবনি )। পল্লিবা কবি ৪ অসিমক জয়দেবনা মহাক্কী "গীত-গোবিন্দ" দা পল্লি। অসিগীসু মথক্তা, নিংথৌ লক্ষ্মণসেনগী মচানিপা কেশবসেন গী শ্লোক ৬ অমসুং হলায়ুধ কী ৫ লৌথোক্লি। মখোয় পুম্নমক জয়দেবগী মতমগী মীওই ওাক্তনি। অসিদসু নত্তনা জয়দেবগী মতমগী মমাং-মতুংগী মীওই খরগী অইবসু মসিদা হাপচিল্লি।

১৬ শুবা শতাব্দীগীময়ার চল্লকপদা বংগদেশতগী চৎথিবা বৃন্দাবন্দা লৈথিবা ফাওরবা বৈষ্ণব ধর্ম-প্রচারক রূপ গোস্বামীসু সংস্কৃত বৈষ্ণব-কাব্যগী থোমজিনবা পুথোকই; "পদ্যাবলী" হায়বা ময়াম্না খঙনরবা থোমজিনবা অসিদা কবি কয়ামুক্কীসু শ্লোক হাপচিল্লি।

শ্রীধর দাস না লৌখৎলিবা শ্লোকশিংগী মনুংদা "গীত-গোবিন্দগী" অমতা ঙাইরবা রস শৃঙ্গার গী রাংমদসু বীর-রসকী ওইবা শ্লোকশিংসু ঐথোয় থেংনৈ। অদুগী মথক্তা, বংগদেশ অমসুং নোংপোক ভারততা জয়দেবগা মীংচৎ অসি শ্রীকৃষ্ণগী ভক্ত ওইনা অমসুং থোইদোক্লসু বৈষ্ণব কবি ওইনা খঙনরবসু হায়রিবা শ্লোক ৩১ অসিগী মনুংদা শিব বন্দনাগী শ্লোকসু থেংনৈ। শ্লোক ময়াম অসিদগী খঙবা ঙমই মতুদি জয়দেবগী কাব্য-বাণী অসি শ্রীকৃষ্ণগী বাঁশীগী থুম্নবা সুরদা ফাজিনবা নত্তে—লানফমগী খুংলায়গী মখোল অমসুং লানপুংগী

মখোলদস্থ মহাক্কী অইবা শৈরেংশিংসি চঙশিল্লমই। লানফমগী অমস্থং লাল্লাউগী মরমদস্থ মহাক নীংথিজবা শৈরেং ইরমই। অস্থম হায়না য়েংলবদি জয়দেব অসি শূপ্নগী বৈষ্ণবভক্ত নত্রগা সন্ত ওইরমদে। মহাক্তি ইচম চম্বা স্মার্ত নত্রগা শৈব ব্রাহ্মণ গয়ম্বানবা ওইরমই অদুগা পুরাণ না তাক্লিবা হিন্দুধর্মগী গণেশ, সূর্য্য, বিষ্ণু, শিব অমস্থং উমা হায়রিবা অথোইবা পঞ্চ দেবতা নখগা থোইদোক্লা খা ভারত কী সম্প্রদায় অমগী মওং লৌরদুনা কুমার নত্রগা কার্তিকেয় গা কোন্নবা লাই ৬ নীংবা মঙা নীংবা নত্রগা ৬ নীংবা মীওই ওইরমই। কাইনথংদা গৌড়ীয় নত্রগা বঙ্গদেশী নত্রগা নবদ্বীপ কী ওইবা বৈষ্ণব সম্প্রদায় না পুথৎলক্তুনা অচৌব বৈষ্ণব কবি অমস্থং সন্ত ওইনা মীংচৎ শন্দোকখি মখোয়না মমিং চৎলকপ অমস্থং মতীক মগুন লৈবা ধর্ম-সম্প্রদায় অমা ওইনা ফাওরকপগা লোয়ননা। তশেংবদি মহাকসি হৌরকপদা বৈষ্ণব ওইরমদবা ঘাই। অদুগা সন ১১০০—১২০০ দা চৈতন্যগী মতুংগী বংগদেশতা ওইখিবগুম্না অতোপ্প বৈষ্ণব সমাজ বৈষ্ণব ধর্ম অমস্থং সম্প্রদায় অমা লৈরমগনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। বংগদেশকী বৈষ্ণব মহাজন হায়না খঙনদুনা সম্প্রদায় ওইনা তৌবা কবি পুম্নমক্লা কৃষ্ণ অমস্থং রাধাগী প্রেম নৈনরদুনা ধর্মগীওইবা শৃঙ্গারগী ওইবা শৈরেং ইরমগনি মখোরদু য়ায়মক য়ৌশিন্না ভক্তি না য়পূং ওইবা অমস্থং ছায়াবাদী ওইনা তৌবা ওইনা খঙনরমই—মখোয়দু ধর্মগী থৌরম কয়াদস্থ অমস্থং আধ্যাত্মগী সাধন ওইনস্থ শক্লরম্বনি। লৈখিদ্রবা মহামহোপাধ্যায় হরপ্রসাদ শাস্ত্রীনা বিদ্যাপতি না ইবা "কীর্ত্তি-লতা" বু সম্পাদন তৌবগী রাহৌদোক্তা প্রমাণ তৌদুনা তাক্লি—মিথিলাগী কবি বিদ্যাপতি বংগগী বৈষ্ণব মহাজন ময়ামগী মনুং চনবা কবি খক ওইরমদে। বিষ্ণু অমস্থং শিব, লক্ষ্মী অমস্থং উমা, রাধা অমস্থং গংগা অদুগা ময়ায় ওইবা যুগকী লোইশিল্লমদাইগী শক্তা লৈরম্বা পুরাণগী লাই ময়ামবু, লাইরেম্মা লাইনিংথৌপুম্ববু চপমান্নরা নীংজরম্মা ইচম চমজবা স্মার্তব্রাহ্মণ অমখক্তং ওইরম্বনি বিদ্যাপতি। থোইদোক্লস্থ নোংপোক ভারতকী সম্প্রদায়গী মনুং চনবা বৈষ্ণব পুম্নমক্লা বৈষ্ণব ধর্মনা মপূং ওইবা কবিতাগী মশক ওইনা অরাংবা থাক্তা সম্মান তৌনরিবা "গীত-গোবিন্দ" গী কবি ওইরবস্থ ঐথোয়গী জয়দেবগী মতাংস্থ মওং অস্থম্না হায়রবা তাবনি।

## মঙা

### ধর্ম্মগী মীচং নাইদবা নুংশিবগী কবি ওইনা ইতিহাসকী জয়দেব সম্ভ অমসুং নুংশিবগী ছায়াবাদী কবি অমসুং রাধা-কৃষ্ণগী ভক্ত জয়দেবঃ "গীত-গোবিন্দ"গী অহানবা শ্লোক।

জয়দেবগী কবিতাগী অর্থ পুথোকপদা অমসুং ব্যাখা তৌবদা শৈরেং অসিদা সম্প্রদায়গী ওইবা মীৎয়ং হাপচিনবদগী অয়াম্বদা চনৈনবা কয়া থোক্লি।

"মেঘৈর্মেদুরম্বরং বনভুবশ্ শ্যামাস্তমালদ্রুমৈর
নক্তং ভীরুরয়ং ত্বমেব তদিমং রাধে! গৃহংপ্রাপয়।"
ইত্থং নন্দ-নিদেশতশ্চলিতয়োঃ প্রত্যধ্বকুঞ্জদ্রুমং
রাধামাধবয়োর্জয়ন্তি যমুনাকূলে রহঃকেলয়ঃ॥

"গীতগোবিন্দ"গী অহানবা শ্লোক অসিগী অচম্বা অর্থদি কৃষ্ণগী অয়োকপা মপানন্দগী য়াথং মতুংইন্না অমম্বা অমথুংনোং মংবা অহিংদা নাইতোম য়ুম চঙবদা মুংশা থীজরবা কৃষ্ণবু রাধানা ময়ুমদা পুবীরি অদুগা অসিগুম্বা ফীবমসিবু মীওইবগী প্রেমিক-প্রেমিকাগুম্না লাইগী শক্তম লৌরবা প্রেমিক-প্রেমিকা অনিদসু খুদোংচাবা অসি পীরি। অসিগুম্বা লীলা অসিনা মন্ত্রগী শক্তিগুম্না অসিগুম্বা ফীবম অমা থোকহল্লি অমসুং কবিনা ভক্তিগী মতেংগা লোয়ননা ফোংদোক্লি পুকীংদা কবিমতা চিংনবা নৈত্রবা অহল নন্দনা প্রেমিক প্রেমিকাবু নাইতোম নৈজনবগী খুদোংচাবা পীরি অমসুং মশানদি খঙজদনা অনিগী উনবগী তেংবাং পীরি। অসি পুন্নমক অসি য়াম্নমক শেংনা মীওইবগী চৎনবীনি অদুবু মতুংগী যুগকী বঙ্গগী বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পুণ্যতানবা পাণ্ডিত্যনা খঙখিদে অমসুং মতম অদুদা নন্দনা নৈরম্বা অদু মতাং চাদে হায়না থন্দুনা 'নন্দ-নিদেশতঃ' হায়বগী শেংলবা অর্থ 'নন্দগীয়াথং মতুংইন্না' হায়বা অর্থসি হন্দ্রদুনা ("প্রেমিক-প্রেমিকাগীসথীশিংগী) মুংঙাইনবা পাউজেল" নত্রগা "মথোয়গী মুংঙাইনবা পাঙথে'ক্লবা" হায়বগী অর্থদা হল্লি। লোয়ননা শ্লোকী পরেং অনিঅদু নন্দনা হায়বনি হায়না লৌত্রদুনা রাধা নত্রগা কৃষ্ণগী কনাগুম্বা সখী অমগী রাহৈ ওইনা লৌরি।

মতমদুগী কাব্যগী খোমজিনবা "সদুক্তি-কর্ণামৃত" দা শ্লোক অসিগী কোন্নবা শ্লোক অনি পীরি—অমনা নিংথৌ লক্ষ্মণ সেনগী মচা কেশব সেনগী মমিংদা অতোপ্পা অমনা নিংথৌমশামক্কী মমিংদা। রাজকুমার কেশব সেন না কৃষ্ণবু অয়োকপী মমা যশোদানা মশামক্তি খঙজদনা প্রেমিক-প্রেমিকা অনিদা খুদোং চাবা মওং অমা ওইনা পীনবা শেম্বা উদুনা জয়দেবগী "গীত-গোবিন্দ"গী অহানবা শ্লোক্কী কোন্নবা অতোপ্পা শ্লোক অমা শেম্নবা থল্লমই হায়মসি তশেংনা খঙবা ঙমই। শার্দুলবিক্রীড়িত ছন্দদা লেংবা কেশবসেনগী শ্লোকতি অসিনিঃ

"আহূতাদ্য মহোৎসবে (ময়োসেবে) নিশি গৃহং শূন্যং বিমুচ্যাগতা
ক্ষীরঃ প্রেষ্য-জনঃ কথং কুলবধূরেকাকিনী যাস্যতি ?
বৎস ত্বং তদিমাং নয়ালয় মিতি শ্রুত্বা যশোদাগিরো
রাধামাধব যোজয়ন্তি মধুরস্মেরালসা দৃষ্টয়ঃ ॥

শ্লোক অসিদা যশোদা না রাধাবু ময়ুমদগী কৌদুনা চাক পীজন্নবগী মতুংদা ময়ুমদা অমুক থিনবীরক্নবা কৃষ্ণদা হায়রি মরমদি রাধাগী ময়ুমদা চৎপা ঙমগ-দৌবমথৈদি উৎসব তুদা য়ুঙাওদুনা লৈরে। খোমজিনবা অসিদা য়াওরিবা কুমার কেশবসেনগী শ্লোক অসি "গীত-গোবিন্দ"গী অহৌবা শ্লোক্কা কোন্ননা পারবদি তশেংনা উগনি মদুদি "নন্দ-নিদেশতঃ"গী অর্থ অসি "নন্দগীয়াথং মতুং-ইন্না হায়বতমক ওইগনি—তুংগী যুগকী বঙ্গগী বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পূণ্যতানবা পণ্ডিত শিংগা পীবা অর্থ অসি ওইরোই। "গীত-গোবিন্দ"গী অহানবা শ্লোক্কী অসিগুম্বা হেক্তা খঙবা ব্যাখা অসিবু শৌগৎলি কাংগ্রা অমসুং অতোপ্পা চিত্রকলা-সম্প্রদায় শিংগী য়েক্লিবালাই ময়ামগী মশক্তা। মদুদা উমংগী খুঙ্গংগী ওইবা দৃশ্যদা অহন ওইরবা নিংথৌ নন্দনা রাধাবু লোয়নদুনা চৎখিনবা কৃষ্ণদা হায়রি।

"সদুক্তি-কর্ণামৃত"দা নিংথৌ লক্ষ্মণ সেনগী মমিংদা লৈবা শ্লোক হলোথখ্রুনা য়েংশি। মসিগা মতুং ইল্লগসু ফনায়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি।

"কৃষ্ণত্বদ্বনমালয়াঃ সহকৃতং কেনাপি কুঞ্জোদরে
গোপীকুন্তলবর্হদাম তদিদং প্রাপ্তংময়া গৃহ্যতাম্।"
ইত্থং-দুগ্ধমুখেন গোপশিশুনাখ্যাতে ত্রপানম্রয়োঃ
রাধমাধবয়োর্জয়ন্তি বলিতস্মেরালস্য দৃষ্টয়ঃ ॥

শ্লোক অসিদা যশোদানা রাধাবু মযুমদগী কৌহুনা চাক চানবা কৌরবগী মতুংদা মযুমদা হন্নবা কৃষ্ণদা থিনবীযু হায়রি—মরমদি রাধাবু থিনবীবা ওমগদৌবা মখোয় পুন্নমক উৎসব অদুদা য়ুথক্তনা ঙাওহুন লৈরে। খোমজিনবা অসিদা লৌথৎলিবা কুমার কেশবসেনগী শ্লোক অসি "গীত-গোবিন্দ"গী অহৌবদা রাওরিবা শ্লোক অসিগা থানহুনা য়েংলবদি মসিমদি তশেংনা খঙগনি মহুদি "নন্দ-নিদেশতঃ" হায়বা রাহৈসিগী অর্থসি "নন্দগী য়াথং" হায়বগী অর্থতমা মওইগনি—তুংগী যুগকী বঙ্গকী বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পূণ্যতানবদা লূপচরিবা পণ্ডিত শিংনা পীধা অর্থদু ওইরোই। "গীত-গোবিন্দ"গী অহানবা শ্লোকী অসিগুম্বা অচম্বা অরায়বা ব্যাখ্যা অসিবুসু য়ারি কাংগ্রা অমসুং চিত্র-কলা কাংবুশিংগী অয়েকপা লাইশিংনা ; মহুদা উমংগী খুঙ্গংগী দৃশ্যদা অহল ওইরবা নিংথৌ নন্দনা রাধাবু থিনবীরুনবা কৃষ্ণদা শিন্নরি।

"সদুক্তি-কর্ণামৃত"দা নিংথৌ লক্ষণ সেনগী মিংদা লৈবা শ্লোক অদুসু মতাং অসিদা লৌখত্তুনা য়েংসি ; মহুগী মতুং ইল্লগসু হায়রিবা রাফম অসিময়েক শেংনা খঙবা ওমগনি—

> "কৃষ্ণ ত্বদ্বনমালয়া সহকৃতং কেনাপি কুঞ্জোদরে
> গোপী কুন্তলবর্হদাম তদিদং প্রাপ্তং ময়া গৃহ্যতাম্।
> ইত্থং দুগ্ধ মুখেন গোপ শিশুনাখ্যাতে ত্রপানম্রয়োঃ
> রাধা মাধবয়ো জয়ন্তি বলিতস্মেরালসা দৃষ্টয়ঃ॥

অসিদা অহল ওইরবা নিংথৌনা ফিবম অদু শমজিন্না উৎনবা হায়না ইঙ্গিত তৌরি মহুদি চান্নবা—চান্নবী অনিগী অভিসারগী রাফম অদু চিংন—গন্দবা গোপমচা অমনা (দুগ্ধ মুখেন" হায়বদি মচীন্দা খোমনম নল্লিবা অঙাংনা নপ্রগা "দগ্ধমুখেন" হায়বদি মচীন মৈ চুরবা ফাওবা খঙদ্রবা অপঙবা অঙাংনা) ওইরিবা ফিবম অদু খঙদনা খন্নরুবসু তৌদনা ফং হেক্তা হায়দোরকই : "কৃষ্ণ কুঞ্জবন অমগী মনুংদা কনাগুথী গোপী অমগী শমনাসিংগা তিন্নরুহুনা নহাকী বনমালা অসি খেংনরুরে লৌসে অঙাং অসিনা অয়ুম্না কৌবগী মতৌ অসিদা কৃষ্ণ অমসুং রাধা অসি ইকাইরদুনা মরু লুকথরকপা অমসুং মমিৎ অনি অদুগী নীংথিজবা অমসুং মোমোন নোক্তুনা উইথরকপা মওং উৎলি। অদ্বি নাংথিজরবা উইথরকপা মীৎয়েং অসিগী জয় ওইসনু।

মরিগুবা পরেংগী অহানবা শরুক্তা হনজিন হনজিন য়াওবা মাল্লিবা মতো ("রাধামাধবয়ো জয়ন্তি...") হায়রবসি য়েংশিনগদবনি। শ্লোক অহুম অসি ওইবা য়াই রাজসভাদা শৈরেং হৈবা তান্নবগী নীংথিজরবা রারী মতেক অমা। অসিগুম্বা তান্নবা অসিদা ওইরম্বা য়াই নিংথৌ, মচা নিপা ইবুংঙো অমসুং মথোয়গী ইকাইখুম্নরবা কবি। লোরননা মখোয়বু থৌগৎপদা সভাদা ফম্নিবা কয়া। অদুগা তিল্লম্নিবা অসিদা য়াওরিবা শৈরেং পুম্নমকপু খোমজিল্লিবা শ্রীধর-দাসনা তুংগী মীওইনা খঙহৌনবা শৈরেং অসি ইদুনা থনম্বা য়াই।

রাধা অমসুং কৃষ্ণগী প্রেম-অভিসার গা মরী লৈননা অনিগী উনবগী তোপ তোপ্পা অর্থ লৈরি। ধর্ম্মদা চেৎচবা বৈষ্ণবশিংনা হৌনবা হৌনদবগী বিচারদা অসিগুম্বা দৃশ্য অসিদা গালাহাটকী মতৌগুম্না (নিংথৌ অর্থরগী রারীদা য়াওরিবা গেনেভি অমসুং লাঞ্চেলটকী রাম্নীগী মওং লৌরদুনা) প্রেমিক-প্রেমিকা অনিগী উনবদা তেংবাংবগী মওং লৌবা অদু কদৌঙৈদম্নু য়াবা ঙমলোই। হায়রিবা অসিগী মথক্তা অমম্বা নোংনা কৃপশিল্লক্লবা অহিং অমগী অঙকপা মওং অদু ফোঙদোক্লিবা শ্লোক্কী অহৌবগী পরেং অনি অসি কাব্যগী গুণগী অচৌবা মওং অমসু লৌরি।

অরাংবা কাব্যগী থাক্কী মওং অসিবু ভারতকী অচৌবা লেখক অমসুং সমালোচক কয়ানা য়ানরি। জয়দেবগী "গীত-গোবিন্দ" দা প্রকৃতিগী মশক ওইরি আনন্দগী মশক ওইরবা বসন্ত—নুংশা মঙালগী অরংবা অশংবা পাম্বী-উরীগী তোঙান তোঙানবা মচুদা ঙাল্লিবা, চেক্লা শিংগী মখোল অমসুং খোইমুনা ঙংবদা অমসুং লৈরাংশিংগী লৈনমদা তাউরিবা বসন্ত। অদুবু অহানবা শ্লোক্তা অহৌবদা পুশিল্লকই নোংজুথাগী উরুমলাংবা অমসুং শান্তিগী মশক ওইরবা মওং। সমালোচক শিংনা মসিগী ফজববু তাক্লি। রাফমদি অশেংবনি। মসিদা জাপানী টংকাগী নীংথিজবা উংপা রাহৈ অমসুং কলা য়াওরবা নিংথিজবা স্টাইল অদুগী অরুম্বা মতৌ অদু পুরদুনা থম্মোয় শোকপা সত্যগী মশক ওইবা রাহৈগী মূর্ত্তিশিং অসিনা অহানবগী রাহৈ থরসি অঙপগী মশক ওইরবা কাব্যগী ফজবা অমা লোত্তুনা য়াওহল্লি:

মেঘৈর্ মেদুরম্ অম্বরম্ ;
বন—ভুবশ্ শ্যামাস্ তমাল-দ্রুমৈরঃ
নক্তম্।

অতিরাসি নোংনা থল্লদুনা মংশিল্লকপা অমসুং অঙৌংবা ওইরে ;
উমংসিসু তমাল উশিংনা লুমশিন্দুনা লৈরে ;
হৌজিক্তি অহিং ওইরে।

শ্লোক মচেৎ অসিদা জয়দেবনা কবিতা দেবীগী মতোমতা থোকচরকপা রাইংগী যাদু অমসুং মূর্ত্তিগী যাদুগী মশক অসিদা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর বলেন্দ্রনাথ ঠাকুর অমসুং অতৈ সাহিত্যগী মীওই কয়ানা য়াম্নমক থরায় য়াওনা থাগৎলি। শ্লোক মপুং অসিদগী অমসুং কাব্য মপুংদগী— মসি ইরায় লায়না লৌ থোকপা য়াই অমসুং মসিদা য়াওরি থানবা য়াত্রবা কাব্যগী অথুবা অমসুং চী লেম্না ফজবা।

## তরুক

### ''গীত-গোবিন্দ'' গা কোন্নবা জয়দেবগী শ্লোক ২৬ য়াওবা ''সদুক্তি-কর্ণামৃত''। জয়দেবগী অপূনবা অইবশিং তোঙান তোঙানবা খুৎইগী কবি জয়দেব

জয়দেবগী অথোইবা অচৌবা লাইরিক ''গীত-গোবিন্দ''বু নৈনদ্রিঙৈদা জয়দেবনা ইরম্বা ''সদুক্তি কর্ণামৃত''দা লৌখৎলিবা শ্লোক ২৬ অসিদুম হান্না নৈনবনা কান্নগনি—মসিদা জয়দেবগী কাব্যগী শকফমগী অপাকপা মশক অমসুং অয়োবী মওং মদুনা প্রেম অমসুংশৃঙ্গারগী মশক্তদা লৈতবা। য়াওদববুদি নত্তে মদুদা বৈষ্ণবগী থাজবা অমসুং ভক্তিগী মসুংদা চেল্লিবা ঈচেল। অদুবু ''গীত-গোবিন্দ' দা মপুং ওইরিবা রসতি শৃঙ্গারনি; শান্ত নত্তে—ধ্যানগী নত্রগা ভক্তিগী মওং লৌবা। মথাদা পীরিবা 'সদুক্তি-কর্ণামৃত'' গী শ্লোক শিংসিনা প্রমাণ তৌগনি মদুদি শৃঙ্গার-রস কী অথোইবা মীশক ওইরবা জয়দেব সি অতৈ রসতসু মতিক চানা হৈশিংই। মসিসু কবি অমা ওইনা মহাক্কী শক্লোন য়াম্বগী প্রমাণনি—ক্লাশিকেল সংস্কৃত কাব্যগী শক্তমশিংবু তোঙান তোঙানবা রসতা নৈনবা ঙম্বগী। মহাক্কী ঈশৈদি মরীতরেংকী বীণানি; অদুদগীসুয়ামই; মরী অমতা পানবা যন্ত্রদগী থোরকপা নত্তে।

''সদুক্তি-কর্ণামৃত'' দা য়াওরিবা শ্লোকশিংঅসি (অয়াম্বনা খঙবা শ্লোকশিং-নত্তে) অতৈ মচাক য়াওদ্রগদি, ''গীত-গোবিন্দ'' গী মশা পূম্বগা কোন্ননা জয়দেবগী অইবা পূম্বগী মশক ওইগনি; অসিনা জয়দেববু নৈনবদা মতাং চাগনি। মহাক্কী ''গীত-গোবিন্দ'' দি অফোঙব্য সংস্করণ কয়াদা অমসুং খুৎইদা ফাওবা থেংনরে। ''সদুক্তি-কর্ণামৃত গী ইংরাজীদা হন্দোকপদি মথাগী অসুম্না পীদ্রি-যরমদি সংস্কৃত পাবা ঙম্বা কাংবু শ্লোকশিং অসিগী ভাবার্থ থঙবা ঙমগনি। অদুবু মতাং মতাংদি টিকা থরা থরদি পীরি।

জয়দেবনা লেংবনি হায়রিবা ''সদুক্তি কর্ণামৃত'' দা য়াওরিবা অনৌবা শ্লোক ২৬ তুদি মথাগী অসুম্না ওইগনি:

(১) "সদুক্তি-কর্ণামৃত" ১.৪.৪ : মহাদেব ( শিব ) :

ভূতি-রাজ্যেণ ভূমীময়র পুর-সরিৎ-কৈতবাদস্থ বিভ্র—
ল্লালাটাক্ষিচ্ছলেন জ্বলন-মহিপতি-শ্বাস-লক্ষ্যং-সমীরম্।
বিস্তীর্ণাম্বোর বজ্রোদব-কুহর-নিভেনাম্বরং পঞ্চ-ভূতৈ—
বিশ্বং শশ্বদ্ বিতন্বন্ বিতরতু ভবতঃ সম্পদং চন্দ্র-মৌলিঃ ॥

( সংস্কৃত নাটক অমসুং শাসন-সাহিত্যগী লংলবা ষ্টাইলগা চাংদয়বা য়ারবা শিবগা মঙ্গলগী য়ারোননি। )

(২) "সদুক্তি কর্ণামৃত' ১.৫.৩ : কল্কী ( বিষ্ণুগী তরাশুবা অমসুং অরোইবা অবতার )

কল্কী কল্কং হরতু জগতঃ স্ফূর্জদূর্জস্বিতেজা
বেদোচ্ছেদ স্ফুরিত-দুরিত-ধ্বং-সনে ধূমকেতুঃ।
যেনোৎক্ষিপ্য ক্ষণমসি-লতাং-ধূমবৎকল্মষেচ্ছান্
ম্লেচ্ছান্ হত্বা দলিত-কলিনাকারি সত্যাবতারঃ ॥

( অসিনা স্তুতি তৌবনি-অধর্ম অমসুং-পাপপুশন্দোক্লিবা ম্লেচ্ছবু মাঙহনবা বিষ্ণুগী কল্কী অবতারদা )।

(৩) ১.৫৯ ৪ : কৃষ্ণভুজ :

জয়শ্রী-বিন্যস্তৈর্মহিত ইহব মন্দার-স্বকুমৈঃ

[ গীত-গোবিন্দ ১১.৩৪ ]

(৪) ১.৬০ ৫ : গোবর্ধনোদ্ধারঃ :

মুগ্ধে ! নাথ ! কিমাথ ? তন্বি ! শিখরি-প্রাগ্ভার-ভুগ্নো ভূজঃ
সাহায্যংপ্রিয় ! কিংভজামি ? সুভগে ! দোবাল্লমায়াসয়।
ইত্যুল্লাসিত বাহু-মূল-বিচলচ্চেলাঞ্চল-ব্যক্তয়ো
রাধায়াঃ কুচয়োর্জয়ন্তি চলিতাঃ কংসদ্বিষো দৃষ্টয়ঃ ॥

থাঙ্গৎলবা খুৎনা কৃষ্ণনা গোবর্ধন থাঙ্গৎপগী মওং লৌর-দুনা শৃঙ্গারগী ভাবকা কোয়বা শ্লোক অমা। জয়.দবগী মতমগী ওইবা কবি উমাপতি ধরগী শ্লোক অমগী খোন্নাং অমা অসিদসু তাবা ফংই। উমাপতি ধরগী শ্লোকগী মশীংদি "সদুক্তি-

কর্ণামৃত'' দা—১.৫৫৩ ; রূপ গোস্বামীনা খোমজিনবা (ইংকুমজা. ১৬ শুবগী) 'পদ্যাবলী' দনা মণীং ২৫৯ শুবনি। পীরিবা বিষয়না হরি-ক্রীড়া নত্রগা হরি নত্রগা কৃষ্ণগী প্রেমগী মশান্ন। মরিশুবা পরেংগী অরোইবদা শ্লোক অনি অসিদা চপমান্নবা রাহৈ ওইদুনা মান্নরিবসি, সমস্তা লোইশিন্নকপগী তাশিল্লকপা মতাঙন্না, য়েংশিনগদর্বনি-অতৈ শ্লোকশিংগী মরিশুবা পরেংগী অহানবা শরুক্তা শার্দূল-বিক্রিড়িত ছন্দদা মথক্তা পীথ্রিবা অসিগুম্না লৈরি শ্লোকশিংসু-জয়দেবগী, লক্ষণসেন অমসুং কেশব-সেনগী:

ভ্রূ-বল্লী-চলনৈঃ কয়াপি নয়নোন্মেষৈঃ কয়াপিস্মিত—
জ্যোৎস্না-বিচ্ছুরিতৈঃ কয়াপি নিভৃতং সম্ভাবিত্যাধ্বনি।
গর্বোদ্ভেদ-কৃতাবহেল-বিনয় শ্রী-ভাজিরাধাননে
সাতঙ্কানুনয়ং জয়ন্তি পতিতাঃ ধ্বংস-দ্বিষো দৃষ্টয়ঃ ॥

(৫) ১৮৫.৫ : বহুরূপবশ্চন্দ্রঃ :

ক্রীড়া-কর্পূর-দীপস্ত্রিদশ-মৃগদশাং কাম-সাম্রাজ্য-লক্ষ্মী—
প্রোৎক্ষিপ্তৈকাতপত্রং শ্রম-শমণ-চলাপমরং কামিনীনাম্।
কস্তুরী পঙ্ক-মুদ্রাঙ্কিত-মদন-বধূ মুগ্ধ-গণ্ডোপধানং
দ্বিপং ব্যোমাম্বুরাশেঃ স্ফুরতি সুর-পুরী-কেলি-হংসঃ সুধাংশু ॥

(থাগী মপূংফাবা বর্ণন তৌবনি।)

(৬) ২.৩৭.৪ : বাসক-সজ্জা :

অঙ্গেষাভারণং করোতি (তনোতি) বহুশঃ ॥ (গীত-গোবিন্দ ৫.১১)

(৭) ২.৭২.৪ : অধরঃ :

বিভাতি বিম্বাধর বল্লিরস্যাঃ
স্মরস্য বন্ধূক-ধনুর্লতেব।
বিনাপি বাণেন গুণেন যেয়ং
যূনাং মনাংসি প্রসভং ভিনত্তি ॥

(ফজরবীগী চিনবানগী রাফমনি।)

Indian ... 117241 21/12/04

(৮) ২.৭৭.৫ : রোমাবলী :

হরতি রতি-পেতে নিতম্ব-বিম্ব
স্তণ-তট-চংক্রম-সংক্রমস্য লক্ষ্মীম্।
ত্রিবলি ভব-তরঙ্গ-নিম্ন-নাভী
হ্রদ-পদবীমধিরোম-রাজিরস্যাঃ।

( খোয়দৌ মথাগী শমশিং। )

(৯) ২.১৩২.৪ : রতারম্ভঃ :

উন্নীলৎ পুলকাঙ্কুরেণ নিবিড়াশ্লেষে নিমেষেণ চ।
( রতিক্রিয়াগী অহৌবনি। ) [ গীত-গোবিন্দ ১২.১০ ]

(১০) ২.১৩৪.৪ : বিপরীত-রতম্ :

মারাঙ্কে রতি-কেলি···। [ গীত-গোবিন্দ ১২.১২ ]

( রতি ক্রিয়াদা নিপাগী থৌওং। )

(১১) ২.১৩৭.৫ : উষসি প্রিয়া-দর্শনম্ :

অস্যাঃ ( তস্যাঃ ) পাটল-পাণিজাঙ্কিত মুরো

[ গীত-গোবিন্দ ১২.৪ ]

( চান্নবীনা রতিক্রিয়াগী অহিংগী অরোইবদা অয়ুক্তা
কমদৌনা উবগে )

(১২) ২.৭০.৫ : শরৎ-খঞ্জনঃ :

মধুর-মধুরং কুজন্নগ্রে এতন্মুহুরুৎপত—
ন্নবিরল-চলৎপুচ্ছঃ স্বেচ্ছং বিচুম্ব্য চিরং প্রিয়াম্।
ইহ হি শরদি ক্ষীরঃ পক্ষৌ বিধূয় মিলন্মুদা
মদয়তি বহঃ কুঞ্জে মঞ্জু-স্থলীমধি খঞ্জনঃ॥

( নৈকোনগী কুঞ্জদা ময়ায় কারবা খঞ্জন উচেক )

(১৩) ৩.৫.৪ : ধর্ম :

যূপৈরুৎকট-কণ্টকৈরিব মখ-পোদ্ভুত-ধূমোদ্গমৈ—
রপ্যঙ্কং করণৌষ ধৈরিব পদে নেত্রে চ জাত-ব্যথৈঃ।

যস্মিন ধর্ম পরে প্রশাসতি তপঃসন্তেদিনীং মেদিণী—
মাস্থামাক্র মিতুং বিলোকিতুমগি ব্যক্তংন শক্তঃ কলিঃ ॥
( ধর্মদা পুন্নীং চঙবা শাসন তৌরিবা মীশক )

(১৪) ৩.৯.৪ : করঃ :

তেষামল্লতরঃ সব কল্প-বিটপী তেষাংন চিন্তামণি—
শ্চিন্তামপ্যপযাতি কাম-স্বরভিস্তেষাংন কাবাম্পদস্।
দীনোদ্ধার-ধুবীণ-পুণ্য-চরিতো যেষাং-প্রসন্নোমনাক্—
পাণিস্তে ধরণীন্দ্র সুন্দর-যশঃ-সংরক্ষিণো দক্ষিণঃ ॥
( গুণচেনবা নিংযোগী পাম্বোম )

(১৫) ৩. ৯. ৫ : করঃ

দেব ত্বকের-পল্লবো বিজয়তামশ্রান্ত বিশ্রানন—
কীড়া-স্কন্দিত-কল্প-বৃক্ষ-বিভবঃ কীর্ত্তি-প্রস্থনোজ্জলঃ।
যস্যোৎসর্গ-জলচ্ছলেন গলিতা. স্তন্দান দানোদক—
স্রোতো ভিম্মভুযাং ললাট-লিখিতা দৈন্যাক্ষর-শ্রেণয়ঃ ॥
( দান তৌগল্লবা নিংথৌগী খুৎ। )

(১৬) ৩. ১০. ৪ : চরণঃ

লক্ষ্মী-বিভ্রম-পদ্ম-স্বভগংকেনাম নোর্বী-ভুজো
দেব ত্বচ্চরণঃ ব্রজন্তিশরণঃ শ্রীরক্ষণাকাঙ্ক্ষিণঃ।
ছায়ায়ামনুগম্য সম্যগভয়াত্বর্বীর্য সূর্যাতন
ব্যাপ্তামপ্যবণীমটন্তি বিপবস্ত্যক্তাতপত্রীঃ সুখম্ ॥
( তৌবা ঙম্বা নিংযোগী খোঙ )

(১৭) ৩. ১১. ৫ : প্রিয়-ব্যাখ্যানম্ঃ

লক্ষ্মী-কেলি-ভুজঙ্গ ! জঙ্গম হবে ! স'কল্প-কল্প-দ্রুম !
শ্রেয়ঃসাধক-সঙ্গ ! সঙ্গর-কলা গাঙ্গেয় ! বঙ্গ-প্রিয় ! ॥
গৌড়েন্দ্র ! প্রতি-রাজ-রাজক ! সভালঙ্কার ! কর্ণাপিত
প্রত্যর্থি-ক্ষিতিপাল ! পালক লতাং ! দৃষ্টাইসি তুষ্টা বয়ম্ ॥
( বঙ্গ অমস্থং গৌড়গী মহারাজা অমবু থাগৎপা। )

(১৮) ৩. ১৫. ৫.: দেশাশ্রয়:

ত্বং চোলোনোল-লীলাং কলয়সে কুরুষে কৃষণং কুন্তলানাং
ত্বং কাঞ্চিন্যঞ্চনায় প্রভবসি রভসাদং-সীলং করোষি।
ইয়ং রাজেন্দ্র। বন্দি স্তুতিভিরু পহিতেছে কম্পমেবাদ্য দীঘং
নারীনাম ন্যরীণাং হৃদয়হৃদয়তে ত্বপেদাবাধানায়॥
(চোল, কুন্তল, কাঞ্চী অমসুং অঙ্গবু জয় তৌবা অথৌবা নিংথৌবু
থাগৎরাহৈ)

(১৯) ৩. ১৯. ৫: বিক্রয়:

শিক্ষন্তে চাটুবাদান্ বিদধতি যবসানাননে কাননেষু
ভ্রাম্যন্তি ক্যা-কিনাত্বং বিদধতি শিবিরং কুবতে পর্বতেষু।
অভস্যন্তি প্রণামং ত্বয়ি চলতিনমূ-চক্র-বিজ্ঞস্তি-ভাবি
প্রাণ-ত্রাণায় দেষ ত্বদরি-নৃপতয়শ্চক্রিরে কার্বণানি॥
(থৌনা ফবশী মীংচৎনা লৈতেংলবা নিংথৌ।)

(২০) ৩. ২০. ৫: পৌরুষম্:

ভীষ্মঃ ক্লীবত্বতাং দধার যমিতি দ্রোণেনমুক্তং ধনু—
মিথ্যা ধর্মসুতেন ভল্লিতম ভূদ্দু যোধনো দুর্যদঃ।
ছিদ্রেষ্বেব ধনঞ্জয়স্য বিজয়ঃ কর্ণঃ প্রমাদী ততঃ
শ্রীমন্নস্তি নভারতেইনি ভবতো য়ঃ নেক্সিষৈবধত॥
(মহাভারতকী অথৌবশিংদগীহেনবা অথোইবা নিংথৌগী মীংচৎ।)

(২১) ৩. ২১. ৫: তেজ:

এবং ধাম শমীযু লীনমপবং সূর্যোপলজ্যোতিষাং
ব্যাপদদ্রিষু গূঢ়মন্যদুদধো লংস্তবৌরায় তো
ত্বত্তেকস্তপনাংশু মাংশল স্বযুধানেন দূর্গং ভয়া
দ্বাক্ষর্ং পার্বত মৌদকং যদি যযু স্তেজাং সি কিং পার্থিবাঃ॥
(মহৌশা অমসুং পৃথিবীনা উৎপা ওম্বদগী হেনবা নিংথৌগী মতিক
মগুনগী মঙাল)

(২২) ৩. ২৯.৫ : আশ্চর্য খড়গ :

শ্রী খণ্ডমূর্তিঃ সরলাংযষ্টি—
মাকন্দমামূলমাহা বহন্তী।
শ্রীমন্ ভবৎখড়গ-তমাল-বল্লী
চিত্রং-রণে শ্রী ফলমাত নোতি ॥
( নিংযোগী অঙকপা থাংশাং )

(২৩) ৩. ৩৪. ৩ : তূর্য ধ্বনিঃ :

গুঞ্জৎক্রৌঞ্চ নিকুঞ্জ-কুঞ্জর-ঘটাবিস্তীর্ণ-কর্ণ-স্বরাঃ।
প্রাক্প্রত্যগ্ধরণীন্দ্র-কন্দর-জাগ্রৎপারীন্দ্র-নিদ্রা দ্রুহঃ।
যত্বাং-ত্রি ককুৎপ্রতিধ্বণি-ধনঃ পর্যন্ত যাত্রা-জয়ে
যস্য ভ্রেমুরমন্দ-মন্দর-রবৈরানারুধো ঘোষনাঃ ॥
( মায়পাক্লবা নিংথৌগী মোইবুংগী খোঞ্জেল। )

(২৪) ৩. ৩৪. ৪ : তূর্য-ধ্বনি :

যস্যাবিভূর্ত-শ্রীতি-প্রতিভা-পূতনা-গর্ভিনী-ভ্রূন-ভার
ভ্রংশ ভেশাভিভূত্যৈ প্লবণমিব ভূজন্নস্তসাম্ভোনিধীনাম।
সংভারং সংভ্রযস্য ত্রিভুবনমভিতো ভূভৃতাং বিভ্রদুচ্চৈঃ
সংরম্ভোবৃন্তানায় প্রতিরণমূভরভুরি-ভেরী-নিনাদঃ ॥
( নিংথৌগী লানগী মোইবুংসী মখোল। "ভ"গী অনুপ্রাস য়েংগদবা ওই। )

(২৫) ৪. ৩৪. ৫ : তূর্য ধ্বনঃ :

বিষট্টয় ন্নেয হঠাদকুণ্ঠ—
বৈকুণ্ঠ-কণ্ঠীরব-কণ্ঠ-গর্জায়।
ভয়ঙ্করো দিকুরীনাং রণাগ্রে
ভেরীরবো ভৈরব-দুঃশ্রবস্তে ॥
( লানগী মতমদা থোরকপা নিংথৌগী মোইবুং খোঞ্জেল। )

(২৬) ৩. ৩৮. ৩ : যুদ্ধম্ :

শত্রূনাং কালরাত্রৌ সমিতি সমুদিতে বানবর্যন্ধ কারে
প্রাগভারে খড়্গধারাং-সবিতমিব সমুত্তীর্যমগ্নারি—
অন্যোন্যাধাত-মত্ত-দ্বিরদ-ঘন-ঝটা-দন্ত-বিদ্যুচ্ছটাভিঃ বংশায়।
পশ্যন্তীয়ং সমন্তাদ ভেসরতি মুদা সাংযুগীনং-জায়শ্রীঃ।
( লানগী পাউদম অমা।)

(২৭) ৩. ৩৯. ৪ : যুদ্ধ-স্থলী

নির্ঘন নারাচ-ধারা-চয়-খচিত-পতন্মত্তমাতঙ্গ জাতিং
জাতং সম্যারী-সেনা-রুধির-জাল-নিধাবন্তরীন ভ্রমায়।
সুপ্তা যস্মিনরতাস্তে সহ সহচরৈনালন্নাঅ-নাসা—
রন্ধ-স্বন্দৈক-পাত্রে রুধির-মধু-রসং প্রেত-কান্তাঃ পিবন্তি ॥
( লানগী মতুংগী ফিভম-লানগী ভূত-প্রেত শিংগী অকিবগী
মশক ওইবা শকফম।)

(২৮) ৩. ৪০. ৫ : দিগ্বিজয়ঃ :

একঃ সংগ্রাম-রিস্টতুরগ-খুর-রাজা-রাজিভির্নিষ্ট-দৃষ্টি
র্দিগযাত্রা-জৈত্র-মত্ত-দ্বিরদ-ভর-নমদ্ভূমি-ভগ্নস্তথান্যঃ।
ধীর'ঃ কে নাম তস্মাদ্রিজগতিন যযুঃ ক্ষীণতাং কান-কৃত্ত
ন্যায়াদেতেন মুক্তা বভয়মভজতাং বাসবো বাসুকিশ্চ ॥
( অথৌবা নিংথৌগী দিগ্বিজয়ী থোঙচৎ।)

(২৯) ৩. ৫২. ৫ : প্রশস্ত-কীর্ত্তিঃ :

মলিনয়তি রৈবি-বদনং স্বজনং রঞ্জয়তি ধবলয়তি ধাত্রীম্।
অনি কুসুম-বিশদ-মূর্ত্তির্য কীর্ত্তিশ্চি ত্রমাচরতি ॥
( নিংথৌগী জয় ওইবগী মীংচৎ।)

(৩০) ৫. ১৬ ৪. : দিশঃ :

অস্তু স্বস্ত্যয়নায় দিগ্বন-পতেঃ কৈলাস-শৈলাশ্রয়—
শ্রী-কণ্ঠাভরনেন্দু-বিভ্রম-দিবা-নক্তং ভ্রমৎ কোমুদী।

যত্রালাং-ননকূবরাভিসরণারম্ভায় রম্ভা- স্তু২৭—
পাণ্ডিয়েব তনোস্তনোতি বিরহ ব্যগ্রামি বেশ-গ্রহম্ ॥
(অতিয়াগা মায়কৈ তন্নাদা অথৌবা নিংথৌগী মতিকমগুণ শোনবা

(৩১) ৫. ১৮. ২ঃ বীরঃ ঃ

ধাত্রীমেকাতপত্রাং সমিতি কৃতবতা চণ্ড-দোর্দণ্ড-দর্পদ্—
আস্থানে পাদ-নম্র-প্রতিভট-মুকুটাদর্শ-বিমোদয়েযু।
উৎক্ষিপ্ত চ্ছত্র-বিহং প্রতিফলিতমপি যং বপুবীক্ষ্য কিঞ্চিৎ
মা স্বযং যেন দৃষ্টাঃ ক্ষিতি-তল-বিলসান্মৌলয়ো ভূমিপালঃ ॥
(মায়থীরবা নিং-থৌনা মায়পাক্লবা নিংথৌবু থাগৎলি।)

সদুক্তি-কর্ণামৃত দা পীরিবা মথক্কী শ্লোকশিং অসিদগী তশেংনা খঙবা ঙমলে মদুদি জয়দেবদি চুম্নগী শৃঙ্গার রসকী কবি ওইবতা নত্তে—সংস্কৃতকী অলঙ্কার শাস্ত্রদা য়াওরিবা অতৈ রসশিং-বীর, রৌদ্র অমসুং অদ্ভুত অমসুং শান্তিনচিংবসু চপমান্ননা থাজনা অমসুং মগুন নৈনা ফোঙদোক্লযই। মথক্কী খোমজিনবা অসিদা যাওরিবা শ্লোক ৩১ অসিগী মনুংদগী মঙাখক্তি 'গীত গোবিন্দ' দগী লৌথোকপনি। পনখ্রিবা অতৈ শ্লোক ২৬ আসিগী মওংদগী কনাগুম্বনসু খনবা য়াই জয়দেবসি য়াম দ্রবদা লাইরিক অনি (নত্রগা অহুম) ইরম্বসু য়াই-অমনা কৃষ্ণগী রারীদা ''গীতগোবিন্দ'' গুম্না (মহাক্কী শ্লোক মশীং ২, ৭, ৮, ১২দি কৃষ্ণগী বিষয়দা নৈনৈ মথোয়গী নৈনম্নিবা মওংদগী য়েংলবদি) অদুগী অতোপ্পা লাইবিক (নত্রগা লাইরিকশিং) অদুনা নিংথৌ লক্ষণ সেনগী মীংচৎকী মতাংদা ওইরমগনি—লক্ষণ সেন অথৌবা অমা ওইন মমিং চৎলিঅদুগা শ্লোকশিং-১৩ দগী ৩২ ফাওবগী অসিনা লক্ষণ সেণনী মতিক মগুন থাগৎপগী ওইনা অমসুং অকন-অথৌগী গুনশিংগী মতাংদা ওইনা তৌই। অসি মথোয়গী অনিগুবা লাইরিক (নত্রগা অনিগুবা অমসুং:অহুমগুবা) তা য়াওরমগনি। লক্ষণ সেন হায়বসি মমিং চৎলবা লাম্নী অমনি অময়ুং মহাক অসি খাভারত্ত্য লান তৌনবা চৎলুবা ওইনা তৌই। পাউ অসিনা ঐখোয়না কবি ধোয়িগী "পবন-দূত" তগী ফংই-মহাক্তি খাভারতকী লক্ষণ সেনগী লানগী খোঙচৎকা মরী নৈনরমই।

মসি ইতিহসগী মীংযেংদগী কয়া য়াম্না চুম্বনো হায়বহুদি খঙবা ঙমদো মসি ওইরম্বস্থ য়াই কোম্নুংগী অশৈবশিংনা শাগৎপা কাব্যগী খুৎশেম-উড়িষ্যাদা লান্দাবা চৎলুবা ( মহু চপচানা শোয়দ্রে হায়বু মঝ য়াদ্রবস্থ ) অমবুদ্র চাওথোকহন্দুনা খাভাবস্তা তামিল লৈবাক্কী থৌনা মথংমথং জয় তৌথরুবা মসিস্থ ওইবা য়াই মহুদি জয়দেবস্থ লক্ষ্মণ সেনগা সভা লৈরিবা অমা ওইনা ধোয়ী গুম্না অচৌবা লাইরিক অমা ইরম্বা থরদি খেম্নুনা ইরবস্থ মহুনা মাবু য়োকপিরিবা নিংথো লক্ষণ সেনগী লানগী মীংচৎ কয়াবু থাগত্তুনা ফোঙদোকপা। অসি মথক্তা থোমজিল্লিবা অসিদা যাওরিবা অতৈশিং ( মশীং ১, ৪, ৫, অমসুং ওইবা য়াই মশীং ১২ অমসুং ১৩ স্থ ) অসিনা জয়দেবগী অচোইবা শ্লোকশিংদগী থোমগৎলকপা-মখোয়হুদি চপচানা লাইরিক অমদা যাওদবস্থ যাই। কবি অমা ওইনা জয়দেবনা কোম্নুংগী কাংবুশিংগী মরক্তস্থ অমসুং সংস্কৃত নৈনবা মীয়ামগী মরক্তা নীংথিজনা লৈরমদ্রবদি শ্রীধর-দাসনা অস্থক যাম্না শ্লোকশিং অসি থোমজিল্লম্লোই। লক্ষণ সেনগী কোম্নুং অমসুং নিংথৌ মশামক্ল য়ামনমক শ্রীধর-দাসনা থনগৎলিবা বত্রদেশকা কোন্নবা অতৈ অচৌবা কবিশিং যোকখৎপা অমা চপচানা ওইবনা জয়দেবনা বঙ্গদেশকা অমসুং বঙ্গদেশগী কোন্নুং নবদ্বীপ গী সভাগা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসি প্রমান ওইগনি।

## তারৎ

### জয়দেবগী কাব্যগী দিগ্বিজয়—ভারত পূম্বদা অমস্থং পৃথিবীদা

জয়দেবগী মীংচৎতি ভারত পুম্বদা থুনা শন্দোকখিবদৌনা তৌই। মহাক্কী 'গীত গোবিন্দ' না সংস্কৃত অমস্থং নৌনা হোগৎ—লকইবা লোন শিংনা পাম্রিবা অরাৎপা অমা মনশিনখি—লাইরিক অসিনা ক্লাশিকেল সংস্কৃত অমস্থং অপভ্রংশ অমস্থং অনৌবা আর্যভারতী ভাষা শিংগগী লুহোংবা অমা ও ইনা থৌকখি রারা অমস্থং কল্পনা না ভক্তিগী আন্দোলনদা হিন্দুগী য়াহৌ-রকপদা তেংবাংবগী মওং ওইনা 'গীত গোবিন্দ' দা শুঙ্কৎপা মওংদাউৎখি। থোরকপগী চহী ১০০ মুক্কী মতুংদা ঐথোয়না থঙই মতুদি মসিদগী শ্লোক অমনা থাপ্লবা গুজরাট—তা, পাটানদা (অনহিলাবাদ) সংবৎ ১৩৪৮=১২৯২ ইংকুমশিং। অহকপা অমদা মঙ্গলাচরণ ওইনা শীজিন্নরি (মথক্তা পনগ্রবা মনমোহন চক্রবর্ত্তীগী আর্টিকল য়েংবীয়ু)। মসিবু গুজরাট অমস্থং রাজস্থান পানবসি বঙ্গদেশ অমস্থং উড়িষ্যাদা পাম্রবদগী তাদে-অস্থুম্না পঞ্জাবগী চিংশিংদা অমস্থং অরাং ভারতগী তম্পাক্কী লমদমদস্থ অসি মঙায়। বাংলা, উড়িয়া 'হিন্দী', অমস্থং গুজরাটী কাব্যদা য়াম্না কুইরবগী মযাংদগী ওইনা পরেংশিং অমস্থং রাহমতেকশিং লৌথোকই অমস্থং ভাবশিংস্থ পুথরকই। বাড়ু চণ্ডিদাস, ময়ার যুগকী ওইবা বঙ্গগী ধায়দগী লিরবা কবিগী (ইংকুমজা ১৪০০? "শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন' (হৌজিকস্থ লৈরিবা না গীত-গোবিন্দগী শ্লোক অসি লৌশিন্দুনা শেমদোক শাদোকই অনুগা কাব্যগী লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মতাং কয়ানা 'গীত-গোবিন্দ বু নীংশিংহল্ল। অঙনবা গুজরাটি শৈরেং লাইরিক বসন্ত-বিলাস' (ইংকুমশিং ১৪৫০ দা ইথিবা প্রাফেসর কান্তিলাল বি ব্যাসকী মত লৌরগা অমস্থং মুনি শ্রী জিন বিজয়ী গী মত লৌরগনা ইংকুমশিং ১৩৫০ গী অনুরাইদা) গীত-গোবিন্দ থোম্বাং য়াওবা শ্লোকশিং য়াওই (থুদম ওইনা শ্লোক মশিং ৭, ১৯, ৩২, ৩৬, ৬৯ অসিনচিংবা)। ডাক্তার হরেকৃষ্ণ মুখো-পাধ্যায়, সাহিত্য-রত্ননা মহক্কী মপুং-ফারবা "গীত-গোবিন্দ" গা নৈনবদা (বাংলা লোন্দনি-৪শুবা সংস্করণ, বাংলাগী চহী ১৩৭২, অগ্রাহয়ণ) "গীত-গোবিন্দ" গী টিকাগী মশীং অসি ৪০ মুক থারী। খ্বায়দগী অঙনবশিংগী

মহুংদা মেৱাবগী ৱানা কুম্ভ গী "ৱসিক প্রিয়া" নি (খৃঃগীতুং-১৪৩৩-১৪৬৮) মসিমক থাম্না মপূং ফায়বা অমসুং চংখোন্না নৈনৱবা লাইৱিকনি। অমুম্না সংস্কৃতগী লাইৱিক শিংগী মহুংদা গীত-গোবিন্দ থৱাম্নদগী হেন্না নৈনৱবা অমনি। টিকা তৌৱিবশিং অসি ভাৱতকি মফম পূম্বদনি-থাভরত ফাওবা য়েৌই। গীত-গোবিন্দগী মতৌ, তমদুনা মসিবু য়াম্নমক থাগৎতুনা তোঙান তোঙানবা লেখকশিংগা য়ামদ্রবদা সংস্কৃতকী কাব্য ১৫ দি লৈরে— মসিদা অতৈ লোন শিংগী অফোঙ বা ময়াউদ্রি। ময়ায় যুগগী ওইবা বাংলা অমসুং উড়িয়া দা গীত-গোবিন্দ গী ওয়বা অহুবাদ নত্রগা মসিদগী শেমদোকপা লাইৱিক কয়াসু লৌৱি—ডাক্তার হরে-কৃষ্ণ মুখোপাধ্যায় না থোই দোক্লসু বাংলা অনুবাদ অহুম অসি পল্লি—ৱসময় দাস, জগৎ সিংহ অমসুং ৱঘুনাথ দাস কী। খৃঃগীতুং ১৪৯৯ গী পুৱী গী জগন্নাথ মন্দিৱদা অহকপা অমদ গী থঙবা ওমই—মদুসু নিংথৌ প্রতাপ রুদ্রগী য়াথংনা ইহনবনি— মহদি "গীত-গোবিন্দ' গী ইশৈ অমসুং শৈৱং নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লাইৱিক্ক গী মন্দিৱদা সেবা চৎলিবা দেবদাসীশিংনা-মন্দিৱগী জগোয় শাবা অমসুং ঈশৈ শকপা শকপীশিংনা-শকপা শোনবা য়াদে (চাংদম্নবীয়ু মনমোহন চক্রবর্ত্তী না ইহৱিবা-জার্নেল ওফ এশিয়াটিক সোসাইটি ওফ বেঙ্গল, ভোল্যুম ৬২, ১৮৯৩, লামায় ৯৬-৯৭)। 'অপভ্রংশ' অমসুং অঙৎবগী হিন্দীগী লাইগী আর্ট (অমুম হায়না কৌনবা অৱিবা গুজৱাটি অমসুং অঙনবা ৱাজপুত আর্ট) —ৱাজস্থান, বুণ্ডেলখণ্ড, বশোলী, চম্বা অমসুং-কাংগ্রাগী ওইবা অমসুং ভারত কীমফম অতৈগীথু—বঙ্গদেশ, আসাম, উড়িষ্যা', তেলুগু লৈবাক্কীসু ওইবা অতৈ আর্ট শিংদা মহাক্কী মফমদি য়াম্না চাউনা কন্দুনা লৈৱি।

ইউৱোপগী পণ্ডিত শিংনা সংস্কৃত বু থেংনব অমসুং নৈনৱকপগা লোয়-ননা জয়দেবগী কাব্যগী প্রতিভা সু থীন্দনা থাগৎনৱকখি। মহাক্কী অচৌবা কাব্য অসি ইংৱাজীদা হন্দোকখি স্যার উলিয়ম জোনস (১৭৪৬-১৭৯৪) অমসুং তুংদা লাকখি ফৱাসী, ইংৱাজী, জর্মন অমসুং অতৈ ইউৱোপগী লোন শিংদ, অহুবাদক কয়ানা। গীত-গোবিন্দ দি হৌজিক্তি পৃথিবী গী শিংথানবা য়ারবা লাইৱিক শিংগী মহুংদা অমা ওইনা লৌনৱবনি।

## নিপান

### গীত গোবিন্দঃ ময়ায় ওইবা ভারতীয় আর্যগী অরোইবা নত্রগা অহানবা ভারতীয় আর্যবর্ত্তগী সাহিত্যগী নাথৈগী খোন্থাং?

গীত গোবিন্দদা অরিবা সংস্কৃত কাব্যগী অমসুং অপভ্রংশ অমসুং অঙনবা ভাষা কাব্যগী শকতময়গী অপূনবা মশক য়াওই। মসিগী সর্গ ১২দা গীত নত্রগা ইশৈ ২৪ য়াত্তরি। মমিং অতোপা অমা লৌসি হায়রগা পদ ২৩ য়াত্তরি—হায়বিবসি লাইরিকী মকা পূন্বদা শন্দোক্তনা য়াওবনি। শৈরেংগী ছাচাদি, শান্দোক তারুপশ্লোকশিংগী মতুং ইন্না, অরিবা সংস্কৃতকী মত্তংনি—মিত্ত অমসুং ছন্দদা, ভাব অমসুং রাহৈশিংদা। অদুবু পদশিংদি অপভ্রংশগী মনম চেল্লিঅমসুংঅঙনবা ভাষাশিং নত্রগা অনৌবা ভারতীয়আর্য্যগী লোনশিংদা নকশিন্নি, ছন্দসু অপভ্রংশ অমসুং অঙনবা ভাষাগী মাত্রিক ছন্দনি। পণ্ডিত অমদগী হেনবনা চিংনরি মদুদি ইশৈশিংসি অহানবদা অপভ্রংশ নত্রগা অরিবা ভাষাদা। (মতাং অসিদনা অরিবা বাংলা) হৈরবা (যেংবিয় পিশেলগী Grammatik der Prakrit-Sprachen দা লেছেনবু পন্দুনা হায়বা অমসুং বিজয়চন্দ্র মজুমদারনা গীত গোবিন্দগী মহাক্কী বাংলা অনুবাদগী রাহৌদোক)। মসি ওইব ওদবসু নত্তে মদুদি অপভ্রংশ নত্রগা অরিবা বাংলাগী শৈরেংশিং অসি য়াম্নমক পাম্ন রমহুনা জয়দেবসু মখোয়দুবু সংস্কৃততা ওন্থোকপা মসিনা মত্তংকুইনা লৈহেণদবা অমসুং ভায়তপূন্বগী ওইবা মশক অমা পীনবা। মসি ভাবনা শাবনি অদুবু মথাদং পিরিবা অসুম্না অচুম্বা মরিগী য়ুম্ফমদদি শাগৎপনি ঃ

(১) অপভ্রংশ অমসুং অরিবা ভাষাগী (অরিবা সংস্কৃত নত্তবদা) পদ নত্রগাগীত ২৪ গী মশক অসি লেংই— ছন্দদা অমসুং-না-পুতান্দা অমসুং মহেক্কো মসিদি য়েবদা হেক্কা থঙল বা মরম্না কুপ্না নৈনরুবগী দরকার নৈতে।

(২) অপভ্রংশ (অমসুং-অবহট্‌ঠ হায়বদি অপভ্রষ্ট) অমসুং অরিবা ভাষাগী কাব্য শিংনা জয়দেবগী লাইরিক পূবা 'গীত শিংবু নীংশিংহনবা—কাব্যশিংসিদি "প্রাকৃত—নৈংগল" (খৃঃগী তা ১৫গী লোইরমদাইগী) অমসুং 'মানসোল্লাস' নত্রগা অভিলষিতার্থ চিন্তামণি (খৃংগী চা ১২ শুবগী অহানবা

তংখায়গী )। (য়েংবিউ মতাংঅসিদা ঐহাক্কী Origin and Development of the Bengali Language। অহানবা ভোল্যুম, অহানবা সংস্করন। কলিকাতা ১৯২৬ অমুক নম্বথোকপা ১৯৭০, জর্জ এলেন এণ্ড অনরিন লিমিটেড —লামায় ১২৩-২৭ অমস্নং ভোল্যুমত অহানবা সংস্করন, ১৯৭২, জর্জ এলেন এণ্ড অনরিন লিমিটেড। লামার ২৯-৩১। অসিমগু য়েংবিয়ু ডাক্তর স্বকুমার সেনগী বাংলাদা ইবা খণ্ড ৫গী বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস কী অহানবা খণ্ড। )

(৩) ঈশৈশিংগী পরেং থরদ সংস্কৃততগী হেন্না অপভ্রংশ নত্রগা অরিবা ভাষা ওইনা পারগা খুৎলোয়বা হেল্লি অমস্নং অরিবা বাংলাগী ছন্দগা চুশিন্নবা হেল্লি ( খুদম ওইনা, "স্মরতি খানা মম কৃত-পরিহাসম"—পরেং অসি অপভ্রংশ ওইন পুরবদি ছন্দগী মতাংদা খুদোং চাবা হেল্লি—স্মরঙ্গ মন মন কিঅ পরিহাসং ( ঐথোয়না নোকমিন্নখিবা অমস্নং শান্নমিন্নখিবা মহাকপু নীৎশিংই ); "শ্রীজয়দেব কবেরিদং কুরুতে মুদং মংগল-মুবজ্জল-গীত' ( শ্রীজয়দেব কবিগী উজ্জলগীতি হায়বদি প্রেমগী শৈরেংগী মশক ওইরবা মঙ্গল-গীত তা নুংঙাইবা পোকপীয়্ )—পরীংঅসিদা অহানবা অমস্নং অনিশুবা চরণদা যাব অহমম হেল্লে অমস্নং মসিবু চুমথোকপা তারবদি অপভ্রংশগী মওংদা শ্রীজয়দেব—কবেরিদ কুরুতে মুদ" হায়দুনা পাবা তাবনিহায়না ডাক্তার স্বকুমার সেননা থিনদুনা তাক্লি —অদু ওইর বস্নু মহাক্তি সংস্কৃত নত্তবা অতে ভারতনী লোন্দা ইহান হান্না "গীত গোবিন্দ" ইবনি হায়বসি য়ানিংদে ) ঈশৈশিংগী ছন্দগা বাংলা অমস্নং অতে নোংপোক্কী "ভাষা" গী লোনগী ছন্দগা মান্নবা লৈ।

(৪) অরোইবদা "গীত-গোবিন্দ' অসি রাস্নী লীবা কাব্যগী মশক লৌরবস্নু নাটকগী মতং লৌরি : রাধা অমস্নং কৃষ্ণগী চান্নবী গোপীশিং শকপা ঈশৈশিং নত্রগা লাইগী মশক লৌরবা নায়ক নায়িকা অনিগী ঈশৈশিং অসি ঙাওনরা লোন্দা মাল্লি। চিংনবা লৈতনা মসি মীয়ামগী ওইবা যাত্রা নত্রগা বঙ্গদেশনী অরিবা গীত নাট্য গীতস্নম অস্নম ওল্লকপা মশক্ক মরী লৈনবা ওইগনী মদুদা যন্ত্রগী ঈশৈনা য়ুম্ফম ওইরগা থাইনগী ওইবা লোনগী রারী-লীবা রারী শানবা অমস্নং ঈশৈনা মচেৎ মচেৎ ওইবা অদুগী মায়কৈদগী থোরকপা য়ান্নক নকশিন্নৈ। অমরোমদনা মিথিলা নত্রগা অরাংথংবা বিহার শরুক্তা কুইনা চহারকপা চৎনবীঅমগা মরী লৈনবা মদুদা ঐথোয়না সংস্কৃত

অমসুং প্রাকৃতগী রারেংগী শরুক্কা রারী শানবা য়াওবা নাট্য শিং থেংনৈ-শৈরেং নত্রগা ঈশৈশিং অসিমক সার জর্জ অব্রাহম গ্রীয়ার্সননা মহাক্কী Maithili Grammar and Chrestomathy হায়বা লাইরিক্তা তাকলি (কলিকাতা, এসিয়াটিক সোসাইটি ওফ বেঙ্গল অনিশুবা সংস্করণ, ১৯০৯, লামায় ১৪,১৫)। গ্রীয়ার্সন মশামক্না অসিগুম্বা নাটক ইংকুমশিং ১৯১৭ দা দা Journal of Bihar and Orissa Research Society পাটনা দা ফোংবনি। (খৃঃ ১৪ শুবা শতাব্দী অহৌবগী অহানবা মওংগী শরুক্তা উমাপতি উপাধ্যায়গী "পারিজাত হরণ" হায়বহুনি)। অসিগুম্বা চৎনবী অসি নেপাল য়ৌথি—পাটানগী রাজ্যশিংগী নেরারী লোয়শংশিংদা, নোংপোকথংবা নেপাল দা-লৈবা ভক্তগ্রাম নত্রগা ভাতগাওঁগী, কির্ত্তীপুর নত্রগা কাষ্ঠ-মাণ্ডপ (কাঠ মাদো) গী লোয়শং শিংদা চৎনবী অসি থরদং হোংদোক্নবা মওংদা চথৈ রারীশানবনা মচেৎ মচেৎ ওইবা বাংলা নত্রগা মৈথিলী দা। ঈশৈনা মৈথিলী নত্রগা কোশালী (নোংপোক্কী হিন্দী) লোন্দা অহুগা স্টেজগী লমজিংবগী মশক্না তিবেতোবর্মনওইরিবা নেরারী লোন্দা। রাধা কৃষ্ণগী মতাংদা অনন্ত বাড়ু চণ্ডীদাস না ইবা মরু ওইরবা অওনবা মতমগী ময়ায় ওইরপ্পা বাংলাগী কাব্য—মমিংনা কৃষ্ণ-কীর্ত্তন কৌবা লাইরিক্তা (চপচাবা তারিখ পুথোকপা ঙমদ্রি); পণ্ডিতশিং অয়াম্বনা খৃঃ গী তুং ১৪০০ গী অতুরাইদা পুথৎলি থর অমনা খৃঃ গী ১৬ শুবা শতাব্দীদা পুথরকই। ঐখোয়না রারী লীবগী শরুক অমসুংরারী শানবগী মশক থেংনৈ। রারীশানবশিং অসিদা মীশক অনি নত্রগা অহুম্না ঙাওনবা অমসুং খুম্নবা নত্রগা শৈরেং ওইনা মরৈ তৌনবা ঐখোয়না থেংনৈ।

অসিগুম্বা মথক্তা হায়-থবা প্রমাণ অমসু লৈ মহুদি গীত গোবিন্দদা—ঐখোয়না থেংনৈ অওনবা অমা, অপভ্রংশ নত্রগা অবহট্‌ঠ নত্রগা অওনবা মতমগী লমলমগী লোন্দগী সংস্কৃততা, মহুনা লমলমগী লোন্দগী ইরকপশিংদা হেন্না অরাংবা ইজৎ অমা হাপ্ল ক্লবা খৃঃ গী চহী লিশিং মুক ওইরকপদদি অপভ্রংশ নত্রগা অওনবা মতমগী লমলমগী লোনশিংদা সংস্কৃতকী প্রভাব চঙলকপগী চৎনবা অমমুং শক্তি অসি ফনা ফজনা লৈ। অসিনা মসি থাজ বদা

লায়না থোকই মহুদি "গীত-গোবিন্দ" অসি ইহান হানবা ইথোকপগী নত্রগা অম্রিবা মশক্তা মসিগা কোন্নবা অপভ্রংশ নত্রগা লোনগী গীত শিং নত্রগা ঈশৈ-শিং অমম্থং অরিবা সংস্কৃতকী ছাচা গা কোন্নবা মওং অসিনা নোংপোকথংবা ভারতকীশরুক্তা চথরক্ক বা সাহিত্যগী চৎনরকপা অহুগী তুংইনবা ওইগনি অহুগা মতুংদা গীত শিং নত্রগা ঈশৈশিং অসি ফজবা সংস্কৃততা ওইথোকপদি লায়গনি মহুদা অপভ্রংশগী মশক্তা পরেং অমা অনিদা নপশিন্দুনা লৈবা অমম্থং হেন্না মওং তাবা অমম্থং মরীক চূম্বা অপভ্রংশগী মশক অহুনা সংস্কৃতকী নাস্থোকপদা লুনা থোকপা ছন্দগী মওংদা থোরকপা য়াই ।

## মাপল

**শিখকী গুরু গ্রন্থ সাহিব ( আদি গ্রন্থ ) তা জয়দেবগী মমিংদা লৈবা লাইশোন অনি।**

"গীত-গোবিন্দ" নত্তনা—মসিগী সংস্কৃতগী শৈরেংশিং অমসুংঈশৈশিংগা কোন্ননা—জয়দেব না অতৈ অচৌবা লাইরিক ইরম্লা হায়বতু ঐখোয় থগদে ; অদুবু 'সদুক্তি কর্ণামৃত" দা লৌথৎলিবা মহাক্কী মমিংদা লৈরিবা শৈরেংশিং অসিনদি, মথক্তা হায়গ্রবগুম্না মহাকসি বীর রস তা হৈবা লেখক অমনি হায়বসি উৎলি। ওইরম্বা য়াই মহাক্কী অম নত্রগা অমদগী হেনবা অশাংবা সংস্কৃতগী শৈরেংশিং দগীহায় রিবা খরসি লৌথোক পা ; ওইবসু য়াই শৈরেংসিংসি মহাক্কা মতাং অমদা চাননা ইথোকপা। অদুবু অরাং ভারতকী ভক্তিগী সম্প্রদায় কয়াগী চৎনবীগী মতুং ইল্লগদি অরিবা "ভাষা"গী ঈশৈশিং ইবা জয়দেবসি অমা নত্রগা অমদগী হেন্না লৈরি অদুগা চৎনরিবা মত মতুং ইল্লগসু "ভাষা" গী শৈরেংশিং অসি "গীত-গোবিন্দ"বু লেংবা লেখকনা ইরমই মতুংদা মহাক্কা লৈখিদ্রবা মতুং চহী চনী মুক্কী মতুংদা বৈষ্ণব ধর্মগী সাধক অমসুং ভক্তশিংগী মনুংদা চনশিনখি।

পাঞ্জাব তসু, জয়দেব সি ভারত কী সাধকশিংগী মনুং দা চলি, গুরু অর্জুন শিখসিংগী মঙাশুবা গুরুনা খৃঃ গী চহী ১৬০৫ গী অদুরাইদা আদি গ্রন্থ ('গুরু গ্রন্থ নত্রগা গ্রন্থ সাহিব ) খোমজিনবদা গ্রন্থ অসিদা শৈরেং অনি য়াওই—অমনা অপভ্রংশগা সংস্কৃতকা য়ানশিন্নবনি অতোপ্পা অমদুনা অরিবা ভাষাদনি। অনিমক্তা অরোইবা শরুক্তা জয়দেবগী মমিং য়াওই। শৈরিং অনি অসিগী লেখক ( নত্রগা লেথকশিং ? ) অমসুং 'গীত-গোবিন্দ'গী জয়দেবগা মীশক অমতরা হায়বদুদি শোয়দ্রে হায়বাঙমদে। শিখকী মতুং ইন্নদি অমতা ওইনা লৌই। শিখকী চৎনবী হায়ৱদি ময়ায় ওইবা হিন্দীগী লাইরিক ভক্তমালাগী দমক্তি য়েংবিয়ু (এম, এ, সেকোলিফ, the Sikh Religion, অক্সফোর্ড ১৯০৯, ভোল্যুম ৬)।

'আদি গ্রন্থ' হায়বসিদি মওং অমগী ময়ায় ওইবা যুগকী ঋগবেদ নি মসিদা পঞ্জাব অমসুং অরাং ভারতকী তম্পাকসিংদা চংনরিবা অমসুং ১২ শুবা শতাব্দী দগী ১৬ শুবা ফাওবদা লৈরম্বা ময়ায় ওইবা যুগকী সাধক অমসুং ভক্ত শিংনা লেংলম্বা ভক্তিগী য়াম্রবা ইশৈ সিং অদু খোমজিল্লম্বনি—মদু খোমজিল্লিবা অসিনা খণ্ডবমথৈ, ফংজবমথৈ অমসুং য়াবমথৈগী শরুক্নি। সাধকশিংগী মনুংদা খরায়দগী লিবসি বঙ্গদেশকী জয়দেবনি ( ১২ শুবা খৃঃগী শতাব্দী ), মহারাষ্ট্রগী নামদেব ( ১৩ শুবা শতাব্দী ), নোংপোক ভারতকী রামানন্দ ( ১৪ শুবা শতাব্দী ) অমসুং কবীর ( ১৫ শুবা শতাব্দী ) মখোয়সিনা সাধক অমসুং ভগতশিং ( ভক্তশিং ) শিখকী সম্প্রদায়গী রাংমদা লৈবা মখোয়শিংদুগী গ্রন্থদা য়াওরিবা ১৬ শুবা মখোয়দুগী খরায়দগী মপুং ওইবনি।

গুরুগ্রন্থ সাহিবতা য়াওরিবা জয়দেবগী শৈরেং অনি অসি রাগ গুজরী অমসুং রাগ মারুদা পল্লি। ( ঐহাক্না তৌবীমল খণ্ডবগা লোয়ননা গীংসিংজরি মতুংদি পীরিবা মরাসিং অসি ঐখোন্দ ঐহাক্না খরায়দগী সন্মান তৌজরবা মরূপ অমসুং লোয়নবা, শিখকী ইতিহাসপুংইংবদা অথোইবা মীশক ওইরবা কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়গী লৈখিদ্রবা প্রোফেসর ইন্দুভূষণ বন্দোপাধ্যায় না পীবীবনি )। মেকলিফনা ঈশৈ অনি অসি ইংরাজী দা হন্দোকপনি। (পনখিবা লাইরিক্কী লামায় ১৫-১৭ তা য়েংবীয়ু )। ঈশৈ অনী অদুদি অস্থম্না ওই রি :

(১) শ্রীজয়দেব-জিউ-কা-পদ। ( রাগ গুজরী )

পরমাদি পুরখ মনোপিমম্ যাত আদি ভাব রতং।
পরমদ্ভূতং পরকৃতি পরং পদি চিন্তি সরব গতং ॥ ১ ॥

রহো ॥
কেবল রাম-নাম মনোরমং বদি অমৃত তত মাইঅং।
ন দ নোতি জসত্ মরনেন জনম জরাধি মরণ-ভইঅং ॥

ইছসি জমাদি পরাভবংজসু শ্রসতি কৃতং।
তব-ভূত-ভাব সমব্যিঅং পরমং পরসন্নমিদং ॥ ২ ॥

লোভাদি দৃসটি পরগৃহং পদি বিধি আচরণং।
তজি সকল দুহক্কত দুরমতী ভজু চক্রধর সরণং ॥ ৩ ॥

হরি-ভগত নিজ নিহকেবলা রিদ করমণা বচসা।
জোগেন কিং জগেন কিং দানেন কিং তপসা ॥ ৪ ॥

গোবিন্দ গোবিন্দেতি জপিনর সকল-সিধি-পদং।
জইদেব আইউ তস সফুটং ভব-ভূত-সর ব-গতং ॥ ৫ ॥

মশক অসি ইণ্ট্রস্পে Sitzungsberichte der Philosophis Ch-philologischen und historischen Classeder Koningliche baerische Akademie der Greissenschatcn—দা ( মুনিখ, ১৮৭৯) মহাকী Die altesten Hindi Wdichte দা ( লামায় ৮-১৬ ) অনুবাদ অমসুং ব্যাখ্যা তৌরি। ঈশৈদি সংস্কৃততা ইবনি। মতুদা অপভ্রংশ অমসুং ভাষাগী শক্লোন অম অনিদি চঙলে। অহোবা ওইনা, মপুং ওইনা মসি অপভ্রংশদা ইরম্বনি, মতুংদা মন্তংতাদনা সংস্কৃতকী মওং লৌরকই মতুদা বানানগী শকক্তা বাংলা নত্রগা নোংপোক ভারতকী খোন্নোক চঙলকপা মতুসু অমুক গ্রন্থদা য়াওরিবা গুরুমুখী ময়েক্তা থরগা অমুক শেমদোকথিবনি। সংস্কৃতকী ছায়া অমদি মথাগী অসিনি

পরমাদি পুরুষ মনুপমং সদাদি ভাব রতম্।
পরমাভূতপ্রকৃতি পরং যদ চিন্ত্যং সর্ব গতম্ ॥ ১ ॥
রহৌ ( মপুং )
কেবলং রাম-নাম মনোরমং বদ অমৃত তত্ত্ব ময়ম্।
ন তুনোতি যৎস্মরণেন জন্ম-জরাধি মরণ-কভয়ম ॥
ইচ্ছসি যমাদি—পরা ভবং যশঃ স্বস্তি সুকৃত কৃতং
[ সুকৃতং ] কুরুত ?
ভব-ভূত-ভাব সমব্যয়ং পরমং প্রসন্নমিদম
( নত্রগা মিদম্ - মিদ=মিহ্ নত্রগা মৃতু=মৃহ্ ? ট্রুম্প ) ॥ ২ ॥
লোভাদি-পরিদৃষ্টি গ্রহংযদবিধি আচরণম্।
ত্যজ সকল-দুষ্কৃত দুর্মতিং ভজ চক্রধর-শরণম্ ॥ ৩ ॥

হরি-ভক্ত : নিজ নিষ্কেবল ( ? ) হৃদয় কর্মনা বচসা।
যোগেন কিং যজ্ঞেন কিং দানেন কিং ( কিং ) তপসা।। ৪ ।।

গোবিন্দ গোবিন্দেতি জপনর সকল সিদ্ধি পদম্।
জয়দেব আয়াতঃ তস্য স্ফুটং ভব-ভূত-সর্ব-গতম্।। ৫ ।।

মথক্কী অসি ভাব অসি লৌশিনবদা লুরোই অদুগা শৈরেং অপুম্বা অসি রাখলগী পরীংদা অকায়বমক্তি থোক্ত্রবসু লোন্দদি চুশিন্নদবা য়াওরি-মসি অপভ্রংশ নত্রগা অরিবা বাংলাগী মশাক্ত রাখলশিংগা লাক্লবদা থোক্লকপনি। ইংরাজীগী অনুবাদ অমগী দরকার লৈতে; ফনা ফবা অর্থ হন্দোকপা অমদি মেকোলিফকী লাইরিকতা য়াওরি ( ভোল্যুম ৬ লামায় ১৫-১৬ )।

(২) বানী জইদেব-জিউকী ( রাগ মারু ) :

চন্দ সত ভেদিয়া, নাদ সত পূরিয়া,
সুরলত খোড়শা দত্তু কিয়া।
অবল বল তোড়িয়া অচল চল থপ্পিয়া,
অঘড় ঘড়িয়া, তহঁ আপিউ পিয়া ॥১॥

মন আদি গুণ আদি বখানিয়া
তেরী দুবিধা দৃষ্টি সম্মানিয়া ॥ রহৌ ॥

অধ-কৌ অরাধয়া, সধি-কৌ সরধিয়া,
সলল-কৌ সললি সম্মানি আয়া
বদতি জইদেব জইদেব-কৌ রম্মিয়া
ব্রহ্মা নির্বান লিব লীন পায়া ॥২॥

মথক্কী অসি লোনগী মায়কৈদা য়েংলুরবদি অপভ্রংশগী থাক্তগী 'ভাষা' গী মায়কৈ রোমদা ময়েক শেংনা নকশিল্লি; অদুগা মাসিগী অহৌবদি অরিবা বাংলা নত্রগা অরিবা নোংচুপকী হিন্দী ওইরমগনি। অসিমক্তদসু নোংপোকভারতকী থোম্বোক নকনবা সংস্কৃতকী রাহৈশিংগী মশক থেংনৈ। শৈরেং অসি ট্রেম্পনা, মহাক্কী মথক্তা পনখি বা ১৮৭৯ কী অইবা মতেক অসিদা পনখিদে—মেকোলিফনা শিখ শিংগী চৎনবী মতুংইন্না অনুবাদ অমা পীরি ( লামায় ১৬-১৭-

মহাক্কী খণ্ড তরুক্তা )। মখাদা ঐহাক্লা অমখক হোৎনরি মেকোলিফ অমসুং বিশন সিংহ গ্যানী গী "ভগত বানী" গী পঞ্জাবী অনুবাদ কী মতুং ইন্নগা:

(১) হুৎতোকখিবা ( ভেদিয়া ) স্বরগী মতেংনা ( সত=সত্ব=প্রাণ ) থা ( চন্দ=চন্দ্র=ইড়া, ওইথংবা নাতোলমখুল, হায়বদি ঐহাক্লা পূরকপু প্রানায়াম দা চঠে, যোগদা য়াওরিব স্বর সাধন গী মশক ) থল্লি ( পুরিয়া ) স্বরগী মতেংনা নাদমু ( সুষুম্না নাতোনগী মথক্তা লৈরিবা নাতোল মখুল অনিগী মরক্কী মফম হায়বদি ঐহাক কুম্ভক পাঙ থোকই ) ; (ঐ) থাদোক্লমই ( দন্তু কিয়া ) স্বর বুসু মিৎকা ( স্বর=পিঙ্গলা, য়েৎথংবা নাতোলমখুল: হায়বদি ঐহাক্লা রেচক পু পাঙথোক্লমই)—তরাতরুকথক (থোড়স=ষোড়শ: হায়বদি প্রণব নত্রগা ওঙ্কারবু ১৩ লক হন্না হায়বদা হোক্লিনবা খুদিংদা ফাজিনবদা অমসুং—হোন্দোকপগী শুনা প্রাণায়াম চথবদা )।

পাঙ্গল য়াওদনা ( অবল ), ( মাগী ) শক্তি তেকলে ( কৈতিবা: হায়বদি পৃথিবীগী শথেক্কী শক্তিদি কায়রে অদুগা মসিবুসু পাঙ্গল ওইনসু ( শোম্বহল্লে ) ; লেঙদবা শরুক্তা ( অচল ) ( ঐগী ) অকরুবা লৈতবা নত্রগা অরেংবদা ( চল: হায়বদি ( পুক্লিং নত্রগা স্বর ) লেপ্পবনি ( থাপ্পিয়া ) ; শেমজিন্দ্রি বা ( পুরি ) ( অঘড় ) অদুবু শেমজিল্লে ( ঘড়িয়া ) ; মতুংদা অমসুংমদুদা ( তহা ) অমৃত ( আপিউ=অমৃত, চৎনবী ব্যাখ্যাদা, অমৃত=অম্রিত=অম্বিয়া, অম্বিউ, অব্বিউ, অপিউ ) থক্লবনি ( ঐনা ) ( পিয়া )।

( ঐহাক্লা ) তাক্লি ( মহাকপু ) পুক্লীংগী অহৌববু ( নত্রগাআত্মাগী ) অমসুং ( অহুম ) গুনশিং ( গুণশিং—সত্ত, রজস, তমস )। নহাক্কী অনিথোকপা শকফম ( হায়বদি নহাক অমসুং ঐহাক তোঙানবনি হায়বগী ভাব ) থঙব্রে ( সম্মানিয়া পঞ্জাবী ব্যাখ্যাদি—সমাজান্দী হৈ='চঙলকই' )। পুজা তৌবা য়াবা মথোয়গা মরী লৈননা ( অর্ধ=আরাধ্য ), পুজা তৌরে ( অরাধিয়া=আরাধিত ) ; মদুগা মরী লৈননা ( মাথোয়দুগা ) থাজগদবা মথোয় ( সারধি=শ্রাদ্ধিন ), থাজবা পীরে ( সরধিয়া=শ্রাদ্ধিত ) ঈসিংগী দমক্তি ( সলল=সলিল ), মসি য়ানরে ( সম্মনিআয়া ) ঈসিংদা।

জয়দেবনা হায়রি ( বদতি=ব্রদতি ) ( ঐহাক ) নুংঙাইবা ফংলে ( রস্মিয়া ) জয় তৌরিবা ঈশ্বরদা ( জয়-দেব ) ; লুপশিনবা ( নির্বাণ=নি্র্বাণ ) ফংলদুনা ( লিব ) ব্রহ্মদা, ( ঐহাক ) ফংলে ( পায়া ) অরোইবা ল্পশিন বা ( লীন )।

মথক্কী 'বাণী' নত্রগা জয়দেব গী ধর্ম্মগী ওইবা ভাষাগী শৈরেং অসি খ্ঃ গী চহী ১০০০ গী ময়ার চনবদগীনা হৌরিবা ভারতকী রাথলগী কাংলুপ পূম্নমক্তা চঙখ্রি বা যোগদগী লমজীং মৈরা ফংবা ধর্ম্মগী অমসুং ভক্তিগী কাব্যশিংগী পরিংদনি ( মসিমক খ্ঃগী ১০০০ গী হেক মমাং অমসুং হেক মতুং মক্তদা অকন বা ঈহৌ লাক খি। খোন্নাংদি মায়কৈ অমদা তুংগী মহাযান সহজিয়া (সহজযান) বৌদ্ধগী উৎসাহ য়াওবা মতুমক জয়দেবগদি শরুক থরদা তুংথ মাঙথ ওইবা, অতোপ্পা নাকল অমদনা গোরখনাথ অমসুং মহাক্কী সম্প্রদায় ( ১২—১৩ শুবা শতাব্দী ) গী ওইবা শৈব যোগগী লম্বীগা কোন্নবা রহস্যবাদী শৈরেংশিং অমুকসু কবীর অমসুং মপুং ওইবদদি ভথৎ ( ভক্ত ) নত্রগা ভক্ত ওইখিবা অহৌবা সাধক শিং অদুগা যোগগী লম্বীদসু চৎপশিংগী ওইবা।

"গুরুগ্রন্থ" দা য়াওরিবা 'জয়দেব' গী অনিশুবা কাব্য অসিসু "গীত গোবিন্দ" লেংবা জয়দেব মশামক্কী ওইবা য়াই অমসুং মসিনা মহাকপু ভাষাগী অহৌবা কবিশিংগী মনুংদা অমা ওইহনগনি মতৌঅদুম্না সংস্কৃততসু ( অমসুং অপভ্রংশ ফাওবদা য়াওবা)।

## তরা

### মঙ্গল অমসুং পদাবলী—জয়দেবগী গীতগোবিন্দ
### অমসুং ময়ায় যুগকী বাংলা সাহিত্যদা ঃ বঙ্গ গী
### আদি-কবি-জয়দেব

আর্য্য ভারতকী মফম পুম্বদা চাউরাকনা তুংগী ভাষা সাহিত্যদা অচৌবা অমসুং পাকচাউনা তারিবা প্রভাবসিগী মথক্তা জয়দেব হায়বসি তশেংনমক থোইদোক্লমু বাংলা সাহিত্যগী হৌদোকপা অমসুং লময়ানবা অমা ওইনা শীংথানবা যাই। মহাকসি বৌদ্ধগী চার্য্য কবি শিংগী মতমগী নৌরিবা নহাগী কবিনি মহাকী 'গীতগোবিন্দ' গী ঈশৈশিংনা মমিংনা গীত হায়না শৈরেংসিদা হায়জবা পদ হায়নমু খঙনবা শিং অসি ( চাংদম্নবীয়ু আদি গ্রন্থগী অহানবা শৈরেং মহাক্কী মমিংদা লৈবা পদ হায়না শীংথানবা অতুগা অমুকমু চাংদম্নবীয়ু মশামক্লা পদাবলী হায়বা রাহৈসিমক শীজিন্ন বা— 'মধুর কোমল-কান্ত-পদাবলীম্ শৃণু তদা জয়দেব—স্বরস্বতীম্" হায়বসিদা—গীত-গোবিন্দ ১, ৩) বাংলা সাহিত্যগী মকোক থংনা লৈরি—'চার্য্যপদ' দা তৌবগুম্না ( ইংকুমজা। ৯৫০—১২০০ )। ময়ায় যুগকী বাংলা সাহিত্যদি ময়েক শেংনা মথল অনি থোক্লা থায়দোকই ঃ (ক) রারী লীবগী শৈরেংশিং, লাই অমগী নত্রগা অচৌবা চরিত্র অমগী রারী নত্রগা হায়নবা অমা থাহুনা শকপা—মথোয়সিবু মঙ্গলশিং হায়না খঙনবা ( মঙ্গল শিংসি পুরাণগী লাইশিংগী অমসুং লাইওইর বা নায়ক শিং—চণ্ডী নত্রগা শ্রীকৃষ্ণ নত্রগা রামচন্দ্র নত্রগা বঙ্গদেশকী ওইবা লাইশিং অমসুং অথৌবশিং— ধর্মঠাকুর ধর্মপালা অমসুং নিংথৌ লৌ-সেন, লীনগী লাইরেম্মা মনসা অমসুং বিহুলা ( বিপুলা ) না মপুরোই বা লখিন্দর ( লক্ষ্মী-ধর ) বু মাঙলরোইদবা সুংশিবা, ললোনবা ধনপতি অমসুং মহাক্কী তালোইশিং-মমিংনা লহনা ( লোভনা ? ) অমসুং খুল্লনা ( ক্ষুদ্র-না ? ) অমসুং মথোয়গী মচা শ্রীমন্ত অমসুং মথোরগী খোঙচৎশিং শাদান বা কালকেতু অমসং মুপী ফুল্লরা অতুগা (খ) ঈশৈ ওইবা শৈরেং মতেক মতেক ভাক্ত গী অমসুং শৃঙ্গারগী ওইবা পদ হায়না খঙনবা (বৈষ্ণব ধর্ম্মগী হৌমিন্নবা পদ সাহিত্যনা ময়ায় যুগকী বাংলা সাহিত্যগী থনারদগীমক্ক

ওইবা অমসুং খংনবা শকফম লৌরদুনা। গীতগোবিন্দ দা য়াওরিবা জয়দেবগী পদাবলীদি বৌদ্ধগী চার্যপদদগীসু হেন্না মাঙজিন ওয়না মকোক্তা লৈরি। ময়াম্নগী বাংলাগী শৈরেং শিংদা মঙ্গল অমসুংপদ হায়না অনি থোক্লা থায়দোকপা অসিদি ফরাসী অমসুং উর্দুগী কাব্যবু রত্তম নত্রগা লান অমসুংরারীগী ওইবা কাব্য অমসুংরজম্ নত্রগা "নর্কাশন্ননা ফমিন্নদুনা শৈরেং অমসুংসুংশি কাব্যবু শকপা নত্রগা নৈনবা" অমসুং অরিবা তামিল কাব্যবু পুরম নত্রনা "রারীলীবা" অমসুং অকম নত্রগা "নুংশিবা" হায়না থায়দোকপগা ফনা য়াম্না মাৈন্ন।

ময়ায় যুগকী বাংলাগী অনৌবা বাংলাগী শরুক অয়াম্বা ফাওবগী—বৈষ্ণব ধর্ম্মগী প্রভাব চঙলবা শৈরেংশিংদি "গীতগোবন্দ" গীঈশৈংদা যুম্ফম ওইবান হায়বদা হায়মনবা থোকলোই অদুওইরবদি, অরিবা ( ক্লাশকেল ) সংস্কৃততা ওইরবসু জয়দেবগী রাধা অমসুং কৃষ্ণগী প্রেমবু তাক্তনা উৎলিবা মশক অসি বঙ্গদেশকী খবায়দগী লিরবা মঙ্গল কাব্যান—ময়াম্না পাম্নরিবা, মীয়ামগীমক ওইরিবা লাইরিক জয়দেবগী লাইরিক অসিমথক্তদা মওং অনিমকী অপুনবা মশক য়াওরি মরমদি মসিদা মহাক্কী পদশিং য়াওবদা নস্তে—ঈশৈ ২৪গী পদাবলী পীরি—'মঙ্গল কাব্য' অমসুনি জয়দেব মশামক্ত মিংথোনজরিবা—১, ২৫ দা ( অনিশুবাঈশৈং: "শ্রীজয়দেব কবের-ইদম-কুরুতে মুদম মঙ্গলম উজ্জ্বল-গীতি" মঙ্গল অসিবু হায়বদি কৃষ্ণ অমসুং রাধাগী মঙ্গলগী মশক ওইরবা রারীবু লৈনরিবা, উজ্জ্বলরসতা নত্রগা শৃঙ্গার রসতা শক্লিবা ঈশৈশিংগী কোম্নবা, জয়দেব কবি না ইজরিবা অসিনা মুংঙাইবা পুরকসমু। অসিনা ভারতকী মথক্কী লমদমদা রারী লীবদা অমসুং ঈশৈ ইবদা মপুং-ওইনা শীংথানরিবা জয়দেবগী মশক অসি নীংথিজনা খঙবা য়ারবনি। মহাক্কী তশেংবা অপভ্রংশ অমসুং অরিবা বাংলাগী শৈরেংশিং-চপচানা থেংনত্রবমু—শিখশিংগী 'গুরুগ্রন্থ' দা বেয়া খরদি থাংনা য়াওরিবা শৈরেংশিং থাদোক্লগা অপভ্রংশ নত্রগা অরিবা বাংলাদা হান্ননা "গীত গোবিন্দগী" ঈশৈসিং ইরম্বা য়াববুন হুন্দোক্লগা মহাক ইহানহানবা বাংলাগী মপুংফারবা আদিকবিনি মুসলিম লাকত্রিঙৈগী ভারতকী আরবা (ক্লাশিক) কবি শিংগী অরোইবনি হায়না হায়বা য়াই।

## তরামাথোই

সাধক-কবি অমা ওইনা জয়দেবগী থোইদোকপা মগুন "ভক্ত মালা" না শীংথানবা।

সংস্কৃত অমসুং 'ভাষা' সাহিত্য অনিমক্তা মহাক্কী ভারতশীংসু্ংনা খঙনরিবা মশক অমসুং ময়াম্ন যুগকী বৈষ্ণব ধর্ম্মগী সাহিত্যদা মহাক্না লৌরিবা অচৌবা মফম অসিবু খঙলবদি, নাভাজিদাস, "ভক্ত মালা" ইবনা ১৬ শুবা শতাব্দীদা অঙনবা ব্রজভাষাগী পরেংশিংদা থাগৎলিবা অসি তসেংনমক চপচায় :

জয়দেব কবি নৃপ-চক্রবই খণ্ড-মণ্ড লেশ্বর আনি কবি ॥
প্রচূর ভয়ো তিহু লোক গীত-গোবিন্দ উজাগর।
কোক-কাব্য-নব-রস-সরস শৃংগার-কৌ আগর ॥
অষ্টপদী অভ্যাস করঈ তিথি বুদ্ধি বঢ়াবঈ।
রাধা-রমণ প্রসন্ন স্থলত হান নিশ্চই আবঙ্গ।
সপ্ত-সবোরহ-খণ্ড-কৌ পদুমাবর্তী-সুখ-জনক-রবি।
জয়দেব কবি নৃপ-চক্রবঙ্গ, খণ্ড-মণ্ডলেশ্বর আনি কবি ॥

'কবি জয়দেবদি কবিশিংগী সম্রাটনি, অতৈ কবিশিংনা রাজ্য মচাশিংগী নিংথৌশিংনি। 'গীত গোবিন্দ' দি মরোল অহুমদা মপুংফানা ঙাল্লবনি। মসি শৃঙ্গার রসকী কাব্যগী, নবরসগী অমসুং—প্রেমগী নুংঙাইরবা কলাগী তুংনফমনি। মহাক্কী শৈরেং নিপালগী ঈশৈ—শিংবু নৈনরবা (শক্লবা) মহাক্তৃগী বুদ্ধি অহুদি চাওখৎলবনি। রাধাগী চান্নথোইবনা মথোয়দু তাবদা নুংঙাইগনি অমসুং তশেংনমক লাকই (ঈশৈশিং অসি শকপা মফমদা)। জয়দেব হায়বসি থম্বাল মাল্লবী নুপী মহাক্কী তালোই পদ্মাবতীদা নুঙাইবা পীরিবা নুমিৎনি। সাধক ওইরিবা থম্বাল ময়ামশিংগীসু মহাকত্তি নুমিৎ নি। কবি জয়দেব দি কবিশিংগী নিংথৌরেলনি, অতৈ কবিশিংনা রাজ্য মচা শিংগী নিংথৌশিং নি।

# তরানিথোই

## 'গীত-গোবিন্দ'—মসিগী সর্গ ৮ অমসুং ঈশৈ ২৪

## অমসুং শ্লোক ৩৮৬ ঃ কাব্যগী মমিং থোনবা

'গীত-গোবিন্দ' হায়বসি তোপতোপ্পা ফজবা অতেনবা সংস্কৃত কাব্য অমনি অমসুং মসিগুম্বা অতৈদগী তোপতোপ্পা তাই। অদুবু মসি 'খণ্ডকাব্য' নত্রগা শন্দোক্লাতাকপা—রারী লীবগী মশক লৌবা হেন্না পিকপা কাব্য অমনি হায়না অদুম কায়দনা মশক তাকপা য়াই। অদুগা মহাক্কী বিষয়গী মায়কৈদগী য়েংলবদি শাগৎলিবা মশক অসোমদগী নত্রবসু, সংস্কৃত কাব্যশিংসিগা অমতা লৈমিন্নবা য়াগনি হায়না লৌবায়াই—'ঋতু-সংহার' অমসুং মেঘদূত কালিদাসকী, 'ঘটকর্পর' অমরু-শতক, শৃঙ্গার-শতক ভর্তৃহরিগী, বিলহনগী 'চেরৌ-পঞ্চাশিকা' অমসুং অসিগুম্বা মখলগী কাব্য কয়ামুক্কী থোমজিনবা মসুংশি শৈরেংশিং গুম্বনা। মসিগী তোপ তোপ্প মশক্তি রারী শাবগী নত্রগা নাট্যগী মগুন শিংনা মমুংদা চেল্লি বা মুংশিবগী নকশিন্নবা মশক তাক্লিবা মুংশিনুংওনগী শৈরেংশিং অমসুং মুংশিবগী ফিবম কয়াগী অপূনবা উৎলিবা অসিনি। শৈরেং অসিমকসু ষ্টাইল অনিগী তিনশিন্নবনি। তাকতুনা উৎলিবা মতাংনা অচম্বা অরিবা সংস্কৃততা অমসুং ঈশৈশিংনা অপভ্রংশগী শৈরেংগী শক্তম লৌবা না-পূ তাবগী মান্নবনা শীংথানবা য়ারবা মশক অমা ওই রদুনা।

কাব্য অসিদা শন্দোক্লা তাক্লিবা শরুক অমসুং ঈশৈ ২৪ দা, কাব্য অসিবু খায়দোক্লিবা সর্গ ১২গী শীনবা থুংনা লৈরিবা শৈরেং ৩৮৬ য়াওরি। সর্গ শিং অসি পুল্লপনা বিষয় অমতনি। অহানবা সর্গদা অহৌবগী মশক থরা তাক্লবগী মমুংদা মঙ্গলাচরনগী মশকওইবা অমসুং বিষ্ণুগী অবতার ১০ বু লৈশিলৈশোনবা প্রার্থনা অনিথক্কী মতুংদা কাব্য অসি হৌগৎলি।

অহানবা সর্গদা নাট্যগী শরুক য়ামদে—ঈশৈগী মশক্লা নমই। বৃন্দাবনগী রাধা কৃষ্ণগী প্রেম-লীলাগী মতাং অমথক্তনি। গোপী শিংগী নত্রগা বৃন্দাবনগী শনশেনবী মুপীশিংগী চান্নথোইবা ওইরিবা কৃষ্ণ না গোপী কয়ামুক্কা লোয়ননা মুংশি-মুংওলদা তাউরি। বসন্তগী ঋতুদা শৃঙ্গার রসকী মূর্ত্তি ওইনা কৃষ্ণনা

লৈরি। সর্গ অসিদা বসন্তগী মতমগী মহৌশাগী ফজবা মপুং ফানা তাক্লি জয়দেবগীনা-পুতাবগী য়ৌশিনবা মশক্কী মপুংফাৱবা মশক্লি 'সামোদ—দামোদর' হায়বদি হুংঙাইবনা থল্লবা দামোদর নত্রগা কৃষ্ণ না হৌবা অহানবা সর্গ অসি মসিনা অরোইবা ওই মতুংদা অনিশুবা সর্গ য়ৌরকই—মমিংনা 'অক্লেশ-কেশব' হায়বদি অরাবা নত্রগা অনাবা য়াওদ্র বা কেশব নত্রগা কৃষ্ণ। সর্গ অসিদা ঈশে অনি য়াওরি অদুগা রাধানা কৃষ্ণনা গোপী অতৈশিংগা শান্নখিবদা রাধানা খম্বনবা অমসুং অরাবদুগী মতাংনি রাধানসু মহাক্কী চান্নবী অমদা রাকৎপদুনি। রাকৎপা অসিদা নীংথিজরবা ঈশৈ স্বরদা রাধানা নীংশিংলি—মহাক্কী লাম্বাশিংগা কৃষ্ণনা শান্নরিবা শৃঙ্গার রস অদুস্বনত্তনা মহাকমক্কী কৃষ্ণগা লেনমিন্নখিবা মশামক্কী নুংঙাইরব মীকুপশিংবুসু। অহুমশুবা সর্গন মিংথোল্লি 'মুগ্ধ-মধুসূদন' হায়বদি 'শুদ্ধাৎলবা কৃষ্ণ'। মসিদনা রাধাবু থৌশাদবদা কৃষ্ণগী অনুতাপ অমসুং হৌজিক মহাক্না অনুতাপ তৌজরি মরমদি রাধানা মরম চপচানা মহাকপু শাউরে। কৃষ্ণনা হারজরি মপুক্লিংদা মহাকপু ঙাকপীনবা রাধানা অমসুং নীংথিজরবা ঈশৈ থরনা মহাক্কী নীংলিবা অদুবু ফোঙদোক্লি—মসিদা য়ৌশিন্না শান্নবা নুংশিগী মশান্নদা মশাগী অমসুং রাধাগী ওইরিবা অদুবু য়াওহল্লদুনা।

মরিশুবা সর্গদা, মমিংনা "স্নিগ্ধ মধুসূদন" "নত্রগা নুংঙাইরবা অমসুং শান্তি ফংলবা কৃষ্ণ" হায়বসিদা রাধাগী মতা অমনা কৃষ্ণদা চঙলক্তুনা তম্নরি রাধানা কৃষ্ণগা কায়নবদা ফংলিবা চৈনাথোল, কারনবদা অরাবা, নুংঙাইতবগী তাশোলনা থিনবদা মহাক্না কৃষ্ণগা লোয়নজববু পামজবা অমসুং অয়োবী য়ৌনা খুদোংথীবদা তাবগী মওং। সর্গ অসিবু মশক ফজহল্লিবা থনায়দগী ফজরবা ঈশৈ অনিদা মহাক্নী ফিভম অসিবু তাক্লি।

মঙাশুবা সর্গনা, মমিংনা 'সাকাংক্ষ—পুণ্ডরিকাক্ষ' হায়বদি "অপাম্বনা থল্লবা থম্বালগী মিংশ্নগী কৃষ্ণ", রাধাদগী য়ৌরকপা মপাউ খোলদা কৃষ্ণনা খুম্নকপা অদু ফোংদোক্লি। রাধানা সখীবু হনখিনবা হায়জরি অমসুং কৃষ্ণনা মহাক্কী দমক ঙাওরিবা কুঞ্জদা:রাধাবু পুবীররুবা হায়জরি। সর্গ অসিদা সংস্কৃততা থনায়দগী ফজরবা শৈরেংশিংগী মসুংদগী খনগৎলবা অনি থক য়াওরি মসিনা কৃষ্ণনা মহাক্কী শৃঙ্গার রসকী লীলাদা রাধা য়াওদবগী মশক

অদু তাক্লি। রাধাগী মতান্না হনথ্রে অমসুং থেমনৌবগী শক্তি শীজিন্নদুনা নীংথিজন্নবা শৈরেংদা রাধাবু কৃষ্ণদা হল্লক্ নবা হায়জখি।

৬শুবা সর্গদি, মমিংনা "ধৃষ্ট বৈকুণ্ঠ" হায়বদি "তকশিন্নকপা নত্রগা অনুতাপ য়াওদ্রবা অমসুং ইকায়বা খঙদবা কৃষ্ণ" শৈরেং ১২ খক্তগী ওইবা অতেনবা অমনি—ঈশৈসু ফজরবা অমথক্তনি। মসিদা ঐথোয়না থেংনরি—কৃষ্ণ কায়নবদা রাধাসি অসুক্কী মতিক শোন্থরে মদুদি মহাক কৃষ্ণ উনবা লাকপা ঙমদ্রে। মতা না অমুক কৃষ্ণদা লাক্তুনা ঈশৈ অমদা তম্নরি—রাধাদি কৃষ্ণ ঙাক্ত উধ্রে অমসুং লাকপা ঙমদবগী অমসুং কৃষ্ণনা থোরকপদু খৌরাংনা ঙাইবগী রাকৎলি।

তরেৎশুবা সর্গদি ফনা নীংথিনা শাংই—কাব্যগী মওংদা খন্নায়দগী শাংবদা অনিগুবনি অমসুং মসিদা ঈশৈ মন্নি য়াওই। মমিং থোল্লি—"নাগর নারায়ণ" হায়বদি "রাধাগী অথোইবা নত্রগা সুংশিবা নারায়ণ নত্রগা কৃষ্ণ"। মসিনা কমদৌনা, থা থোরকপদা মহাক্না লাকফম থোক্লবসু, রাধানা অশৃকপা উমংদা মহাক্কীদমক খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরবসু কৃষ্ণনা লাকপা ঙমখিদবগী মতাং অদু তাকই। সর্গ অসিগী অহানবা ঈশৈনা রাধাগী তেংথারোলনি অমসুং কৃষ্ণনা গোপী অতোপ্পা অমগা নৈমিন্নধ্রে হায়বগী নুংশাথীবদু তাকলি। মহাক্কী দুতীনা মতোমতা হল্লকপা উবদা মহাক্কী নুংশা থীবদু হেনগৎলকই। মথংগী ঈশৈ অনিদা—রাহৈগী থোন্থোক্তদি মথোয়সি ওন্থোক্ল ফজে - রাধানা গোপী অমা নত্রগা অতোপ্পা অমগা কৃষ্ণনা শান্নরিবা অদু নীংখিজনা কল্পনা তৌই। রাধানা কৌজরি, থাগী নামিবা নুংশিৎপু, কামদেববু, যমুনা তুরেলবু। মরমদি মথোয় নৈবসিনা মহাক্কী কায়ন মৈচাক হেঙ্গৎহল্লি।

তেনদি তেনবা ঈশৈ অমথক্তসু য়াওবা ৮ ওবা সর্গদা, মমিংনা 'বিলক্ষ-লক্ষ্মী পতি' নত্রগা ঙক্লবা নত্রগা "কংঙাওনম বা কৃষ্ণ নত্রগা নারায়ণ নত্রগা লক্ষ্মীপতি", মথংগী চথরবা রারী লীপ্থরকই। নোংঙাল্লে, কৃষ্ণ য়াওদনা রাধানা অহিংঅমা তুমদনা লেল্লে অমসুং মহাকপু উনীংবা হেঞ্জিলকলে অদুবু কৃষ্ণনা লাক্লদুনা মথোঙদা তুররবা মতমদদি, খঙহৌদনা রাধাগী অশাউবা হেনগৎলকই অমসুং— মহাক্না মতম লেল্লুরবা নুপীশিংগী মফমদা হল্লো হায়দুনা মহাকপু চৈরকই।

'মুগ্ধ-মুকুন্দ' নত্রগা 'শুদ্ধংলবা মুকুন্দ নত্রগা কৃষ্ণ' হায়বসিনা ৯ শুবা সর্গগী মমিংনি। ঈশৈ অমা য়াওবা শৈরেং ১১থক যাওরি। কৃষ্ণনা থাদোকপীরবদা রাধানা চিন্তা তৌরি; মহাক্কী রাখলম্ তেথরক্লে মমান্নবী সখীনস্থ কৃষ্ণদা থৌজানবিয়ু হায়জরি মরমদি মহাকস্থ মহাক্কা শান্নবা লাক্লরবনি।

'মুগ্ধ-মাধব' কৌবা ১০ শুবা সর্গ অসিস্থ অতেনবনি, ঈশৈ অমতনি অমস্থং ঈশৈ অসিমক্তি অফাওবনি। রারীগীশরুক্তা চথরি হুমিদাংরাইরম যৌরক্লে রাধাগী অশাউবস্থ নেমথরক্লে অসিনা কৃষ্ণনা অমুক লাক্লবা মতমদা রাধানা থরদং ঈকাইজে অমস্থং মতাশিংদা য়েংজরি। মতুংদা কৃষ্ণনা মঙোন্দা থৌজানবীয়ু হায়দুনা অশাউবা মৈচাক নেমথনবা হোৎনরি মহাকপু থাগৎলি অমস্থং মমাংঙৈগী হুংঙাই মিন্নখিবা কয়াদু নীংসিংহল্লি সর্গ অসিগী ঈশৈ মতাং অমদা মাঙোন্দা থৌজালবীনবা হায়জরি অমস্থং নীংথিজরবা চরণ অনি অদু কাজল্পনা তৈজনবা থাংগৎপীরকউ হায়জরি—মদুনা শোকপদ মঙোন্দা চাক্লিবা কামগী হুবু কোকহনগনি অমস্থং মকোক্কীস্থ লৈতেং ওইরগনি ( "স্মর গরল খণ্ডনং মন শিরসি মণ্ডনম্ দেহি পদ-পল্লবম্ উদারম্। " )।

বৈষ্ণব ভক্তিগী শনাগী মশক ওইরবা রারীদা য়াওবা অমগা লৈরি—ঈশৈ অসি ইরিঙৈদা ফনা কুইনা জয়দেবনা চীংনদুনা লৈ—অথোইবা মপু ওইরবা বিষ্ণুগী অবতার অমস্থং তেংবানবগী মপু কৃষ্ণবু রাধাদা অশুম্না থনবা অমস্থং মকোক্তা খোঙ থাংগৎলকউ ইরবদুদ হায়ফম থোকপ্রা হায়বদু খল্লদুনা লৈরমই। মসিমদি শুম্বোক্লা তৌহৈদবা অমা ওইরগনি হায়নস্থ খল্লমই—বিষ্ণুগী শকফমবু মাঙহল্লগনি অসিনা মগাক মতম কইনা চিন্তা তৌদুনা লৈ। অদুবু শৈরেং অসিদা ভাব অসিবু পুশিনবা চুম্বা চুমদ্রবরা হায়বদু লেপ্পা ঙমখিদে। থেঙজিল্লক্লে, মনাই নুপী পদ্মাবতীস্থ লাক্তুনা হুংখিলগী চরা চানবা মপানদা ঈরুমায় থজরুনবা অমস্থং ঙাইহাক পোথাররগা অমুক্কা খন্থবীনবা হায়জররকই। মসিনা পদ্মাবতীস্থ চাক চামিন্নবদা থেংহল্লবা মরম্না, জয়দেবস্থ হায়বা ইল্লবা নুংশিরবা অমদুং—রাখল চেল্লবা মপুরোইবা অমা ওইনা নাক্তা চেল্লিবা গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা ইরুজবা চৎখি অদুগা মতুংদা চাক চাবা চঙলকখি। তাল্লক অদুদা জয়দেবসি ঙনমন্না হল্লকইদা হায়না থেংনখি অমস্থং চানবদু পীখি; মতুংদা জয়দেবনা চাক চারবা মতুংদা মহৌশাগী মতৌগুম্না ঙাইহাক পোথানবা

কা মনুংদা চঙখি অমসুং থোঙ লোনশিনখি। পদ্মাবতীসু মথৌ খঙলবী হিন্দু নুপীগুম্না চাক চানবা ফমবদদি মপুরোইবনা খাক্সবা পুথমদগী চাক অদু চাখংকে তৌরিঙৈদা জয়দেবদু অমুক ইরুজরগা চঙলকপদৌনা থেংনখি। মপুরোইবনা অনিরক চঙলকপা অদুদা মহাক ঙকখি। অদুবু মসিদি অশেংবা জয়দেবনি। অসিনা মহাক্না চাত্রিঙৈদা মহাক্কী নুপীনা কমদৌনা চাক চাখৎপা হৌবনৌ হায়না মহাকসু ঙকখি। মতুংদা মতৈ মনাউ অনিমক ঙকমিন্নরে। অনিমক কা মনুংদা চঙমিন্নগ্র গা পদ্মাবতীনা জয়দেবনা খরা ঙনমম্না ঈরুজবদগী কাখৎলক্লগা চাক চারদুনা পোখাবা চঙ খি হায়দুনা য়েৎপদগী—অদুবু কনাসু কা অদুদা থেংনদ্রে। অদুদগী জয়দেব লোইরমদনা থনম্লিবা মহাক্কী ঈশৈ অদুদা য়েংশিল্লি অদুগা থেংনরকই—'গীত গোবিন্দ' গী সর্গ অসিদা য়াওরিব ঈশৈ মশীং ১৭ শুবদা য়াওরিবা অসিমক কনাগুম্বনা হান্না ইরমলে। মতৈমনাউমক ঙকপনা খমথেংগ্রে। অনিমক কৃষ্ণগী ভক্তনি অমসুং অঙকপা অমনি হায়না লৌজখি—কৃষ্ণ মশামক্না জয়দেব শাদুনা লাক্লবনি অমমুং কৃষ্ণ মশামকা রাধাবু হকচিন্না নুংশিজবনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা মুংশিবগী মতাং অসিনা মহাক্কী থম্বাল মাল্লগী মথোঙ অদু মহাক্কী মকোক্তা থাঙ্গৎপদা তৌহৈদবা ওইরোই হায়না খল্লবনি। অসুম্না কৃষ্ণনা মহাক্কী মুংশিরবা ভক্তশিংদা স্বর্গীয় প্রেমগী মশক অমা তম্বীগে হায়বগী অয়োবা ফোঙদোকপা অমনি। জয়দেব অমসুং পদ্মাবতী কৃষ্ণনা অসুম্না লাকই খঙবদা নুংঙাইবনা হায়ফম খঙখিদে অমসুং অঙাওবগু মধ্রে। জয়দেবসু নুপীগী পুথমদগী চাক চাখংলে মরমদি লেমহৌরিবদি কৃষ্ণমক্কী প্রসাদীনি অসিনা ঈশ্বরমক্না লৌশিনবীরবা শেংদোক্লবা চাক ওইরবনি। রাধা কৃষ্ণগী ভক্তশিংনা—'গীতগোবিন্দ'বু ঈশ্বরমক্না তাক্লবনি হায়না লৌরিবশিংনা—রারী অসিদা মুংঙাইজৈ, শ্রদ্ধাগী নীংথিজবা মশক অমা য়াওবা মম্না।

"সানন্দ-গোবিন্দ" হায়বদি "মুংঙাইবনা খল্লবা গোবিন্দ নত্রগা কৃষ্ণ" কৌবা মথংগী সর্গদা শৈরেং ৩৪ অমসুং ঈশৈ অদুম য়াওরি। শজী মিত্তা মাল্লবী রাধাবু হৌজিক্তি পেলহনবা ঙমলে কৃষ্ণনা। সর্গ অসিগী অহানবা ঈশৈ অসিনা রাধাগী সখী অমনা রাধাবু কৃষ্ণদা কথোক্তুনা মঙোন্দা মুংঙাইহন্নবা হায়জবনি। অহানবগী অসিমদা অনিশুবা ঈশৈদসু সখী অমনা শক্লি। রাধা অমসুং কৃষ্ণনা মশাগী কুঞ্জ চঙজরকই অমসুং উন্নবা অসিদা চান্নবা চান্নবী অনিসিগী কাব্যগী

শক্তম লৌৱিবা ফোঙদোকপা কয়া য়াওরি। ৱাধাগী মতাশিংনা অনিবু চীক্লা থনমই অমম্বং কুঞ্জ অসিমক্লা মথোয়গী ফুলশয্যা ওইৱে—মুংঙাইবগী লোইশিনবা মওংদা অনিমক্লা মোমোন নোকমিন্নৱি। পুম্নমক অসি সংস্কৃতগী নীংথিজবা শৈৱেংদা তাকলি।

শৈৱেং ২৯ য়াওবা অৱোইবা সর্গ অসিদনা ঈশৈ অনিয়াওই অমম্বং অৱোইবা মতাং অহৃবুনা ফজ্জৱবা, মুংশিগী মশাংদা য়োৌশিল্লবা অমম্বং অথাকপা লৈতবগী মশক্লা থল্লবা শৈৱেংসিদা তাক্লি। কৃষ্ণনা ঈশৈ অনিগী অহানবদু শকই মতুংদা প্রেম-বিলাসকী য়োৌশিনবা মতাং খৱা শন্দোক্লা তাকই। মসিদা ঐথায়না শৃঙ্গার ৱসকী য়োৌশিনবা অৱোইবা মশক থেংনৈ—বৈষ্ণবকী ভক্তশিংদি—মথোয়গী ৱাথলনা অসিগুম্বা কাব্যগী শকফমদা হৈনৱবনা, আধ্যাত্মিকী মশক ওইবা অমনি হায়না লৌই। অসিদা ৱস কায়বা অমতা য়াওদে হায়না লৌরি—তৌবদি কামগী মশক অসি হঞ্জিন হাঞ্জন থাৱকপদা য়ামদনা হায়ৱবদা চৎনবীগী ফজবদদি কায়হনবা ওইগনি। অম্বুম তৌনা কাব্য অমা ওইনা 'গীত-গোবিন্দ' লোইশিল্লি।

সর্গ অসিগী মমিংদি—'স্বপ্রীত-পীতাম্বৱ' হায়বদি মপুংওইনা মুংঙাইৱবা ফি নাপু শেৎলিবা 'পীতাম্বৱ নত্রগা' 'কৃষ্ণ' কৌই।

প্রোফেসৱ সুকুমার সেন না হায়ৱি—ঈঙ্গিৎ অসিমক ঐহাক্লা নীংথিজনা লৌবা য়াই হায়না থল্লি—মহৃদি সর্গ ১২ অসিগী সংস্কৃতকী মমিং-অসিমক্লা—মমিং অমমনা নায়ক অমা ওইনা কৃষ্ণ বু শন্দোক্লা তাকপা থঙনৱিবা অসিনী—কাব্য অসিগী মমিং 'গীত-গোবিন্দ' হায়না থোল্লিবা অসিগী অহোবা অমম্বং অর্থ বু তাকপদা তেং-বাংই। মিংথোল অসিমকম্বু কৃষ্ণ বু শকতাকপপী মশক অমা পীৱি: 'গীত-গোবিন্দ' হায়ৱদি কাব্য অসিদা শক্লবা (গীত) গোবিন্দ নত্রগা কৃষ্ণ বু থঙনৈ নত্রগা গোবিন্দ নত্রগা কৃষ্ণগী প্রেমগী কলাবু থাদুনা শকপা ঈশৈশিং হায়না।

## তন্নাহুমদোই

### “গীত গোবিন্দ” দা “লৌকিক প্রেম” অমসুং “স্বর্গীয় প্রেম”

### রাহৈগী সুরদদি য়োসিল্লবা ফজরবা ‘গীত গোবিন্দ’ দা অতৈ

লোন্দদি তশেংনমক অর্থ হন্দোকপা য়াত্রবনি—সংস্কৃতগী চীংলেম্বা মশক অসিগা নকশিন্নদবা লোনশিংদুদদি। পরেংশিংসি, থোইদোক্লম্ব ঈশৈশিংগী নীংথিজনা খণ্ডবা তারবদি থীবা তাই নত্রগা শকপা তাই। মপান্থোংগী ফজবা অমসুং মশক্লা মপূং-ওইবসি সাহিত্যগী খুৎশেমদদি তশেংবদি হন্নবা মশক অমনি মরমদি য়াওরি বা বিষয় অদুনা মপানগী মশক অদুদগী হেন্না মরু ওই। অসিনা অসিদম্ব ‘গীত-গোবিন্দ’গী ফজবা থাবা অপাবশিংগী মীৎয়েং, মহাক্কী রাখলগী মওং, অসিনা মপূং ওইনা লেপকদবনি।

প্রেম হায়বদি শৃঙ্গার নত্রগা মপানগী প্রেম অমসুং ইন্দ্রিগী উনবা অমসুং-সুংশিগী শান্নবা নত্রগা তশেংবা “লৌকিক প্রেম” না ‘গীত-গোবিন্দ’ মপূং ওইবা বিষয়নি। মহৌশাগী ফজববুদি য়াওরি—বসন্তগী ওইবা প্রকৃতি, উপাম্বী, উন্নী অমসুং লৈরাংশিংগা কোন্নবা, শংবান্নরবা চীংঅমসুং চেল্লিবাঈরোংশিং। চেক্লাশিংনা থোংবা অমসুং থোইমুশিংনা ঙং বা অদুবুদি য়াওরি। অদুবু ‘গীত-গোবিন্দ’ দা উৎলিবা প্রকৃতিগী মশক অসিদি চুম্নগী চৎনবী অমসুং খণ্ডনরবা মওংদনি—প্রকৃতি গী শক্লোন কয়ামুক্কী হেন্না ফজবা অমসুং য়োশিনবা মশক অমা উবগী মওং, খুদম ওইনা কালিদাসকী ‘মেঘ-দূত’ দা য়াওরিবা অদুগুম্বা য়াওদে। “গীত-গোবিন্দ” দা প্রেমদি ‘কাম’ নত্রগা হকচাংগী ওইবা সুংশিবা অমসুং শৃঙ্গার নত্রবা ইন্দ্রিগী উনবা অদুখক্তা উৎলি—হেক য়েংবদা মপানগী অপৌবা মশক লৌই। সুংশিবগী হেন্না অকুপ্পায়োশিনবা অমসুং আধ্যাত্মিক ওইবা মফোঙদোক—‘প্রেম’ নত্রগা হকচাগী উনববু লম্বোক্তুনা সুংশিবা, থমোইগী চিংশিন্নবা মওং নত্রগা ‘প্রীতি’—শম্না হায়রবদা অরাংবা থাক্কী সুংশিবগী মশক ‘গীত-গোবিন্দ’ দদদি ইয়াওবুয়াওদে। তাঙনা থেংনবা মতাং খরা নম্ভনা। খুদম ওইনা ৮শুবা ঈশৈ, সর্গ ৪ ( সা বিরহে তব দীনা···ভাবনয়া ত্বয়ি লীনা )। ঈশৈ ৯ শুবদা, সর্গ ৪গী, ঈশৈ ১২ সর্গ ৬ কী ( মুহুরবলোকিত-মণ্ডন-লীলা মধুরিপূর-হমিতি ভাবনশীলা। ১০শুবা সর্গ গী ঈশৈ ১৯ শুবদা ( ত্বমসি মম ভূষণং ত্বমসি-

মম জীবনম্‌···দেহি পদ-পল্লবমুদারম্‌)। অদুবু ‘গীত-গোবিন্দ’ দা য়াওরিবা স্নুংশিবা অমসুং-স্নুংশিবগী ফীবম শিং অসিদি মতম পুম্বদা হকচাংগী ওইবা মওং উৎপা মরম্না মখোয়সি হন্নিন হন্নিন তাবগী হৈনদবা ফাওই অমসুং ঐখোয়গী কাব্যগী মশক লৌবা অমসুং ঙজবা রসতা অকায়বা পীরি। বঙ্গদেশগী চাউরবা সাহিত্যগী সমালোচক বলেন্দ্রনাথ ঠাকুরনা (রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর গী মামনা পোকপা মহাক্কী জয়দেবগী মরমদা ইবা আর্টিকল অমদা অহানবা ফোঙবনা ফাল্গুণ, বাংলাগী সন ১৩০০ (১৮৯৪ গী) ‘সাধনা’ মেগাজিন্দা), য়াম্লমক য়ৌশিনবা অমসুং-ফজনস্থ লৌশিনবগী মত্তং উৎপা ফঙথবা নৈনবা অমা পীরি। মহাক্না হায়রি—বেদগী ওইবা উর্বশী অমসুং পুরূরবাগী অফোংবা শৃঙ্গারগী রসনা ইহাং হাংলবা ফজবগী অশেংবা মশক্তা তোপ তোপ্পা মঙাল অমসুং মীংচৎ লৈদ্রুনা ঐখোয়গী পুক্নীংবু শেংদবা অমসুং অপোবা মশক্তগী থাঙ্গৎপীবা ঙমই অদুবু ‘গীত-গোবিন্দ’ গী মশক্তি তোঙাল্লি। বলেন্দ্র নাথ ঠাকুরনা রাফম অসি য়ৌশিনবগী তেস্তক তৌবা মওংদা হায়রি:—“গীতি-গোবিন্দ’দা ঈশৈদি য়াওবা য়াই, অদুবু গোবিন্দ (হায়বদি বিষ্ণু নত্রগা ঈশ্বর) না য়াওবদি চিংনবা লৈ।”

১৯ শুবা-২০ শুবা শতাব্দী গী বঙ্গদেশকী থবায়দগী মমিং চৎলবা লেখক অমসুং সমালোচক শিংনা ‘গীত-গোবিন্দ’ বু থাগৎলি অদুবু মখোয় পূম্নমক ভাব তাই; কা-হেন্দনা থাগৎলি: ময়াম ওইবা যুগকী অকনবা বৈষ্ণব নত্রগা থাজগনবা হায়বদু ওইত্রগদি। প্রমথ চৌধুরী (মসিগীদমক্তি তুংদা য়েংবীয়ু) অমসুং বলেন্দ্রনাথ ঠাকুর গী সমালোচনাবু য়ৌশিনবা বৈষ্ণবশিং ওইদবা পুক্নীং লৈতারবা হৌজিক্কী অপাবশিং অয়াম্বনা লৌনরি, মাসিমকস্থ কাব্য অসিগী বাংলাগী ছাত্রশিংগী রাখলগা অয়াম্বনা চুনৈ। মহাক্কী “সংস্কৃত-ভাষা ও সংস্কৃত-সাহিত্য-শাস্ত্র-বিষয়ক প্রস্তাব” (‘সংস্কৃত লোন অমসুং সংস্কৃত সাহিত্যগী মরমদা ইবা রচনা’—৩ শুবা সংস্করণ, কলিকাতা ১৮৬৩ বাংলা লোন্দা ইবা লময়ানবা লাইরিক) হায়বা লাইরিক্তা বিদ্যাসাগরনা, মশামক সংস্কৃত সাহিত্যগী কৃপশিনবা ছাত্রনি,;মথাগী অস্থম হায়না ইরিঃ ফাওরবা কাব্য অসিগী রারেং অসি থুমই, নৌই অমসুং নীংথিজৈ অদুগা অসিগুম্বসিং অসি সংস্কৃত লোন্দা য়াম্নমক থেংনবা নত্তে। মহাক্না বর্ণন তৌবশিংসিস্থ পুক্নীং হুই, অদুবু শৈরেংশিং অসি লেংবদা মহাক্না উৎপা ঙমলিবা অতাংবা শক্তি অসিগুম্না জয়দেবগী কাব্যগী

প্রতিভা অসি লৈরম্লবদি মহাক্কী 'গীত-গোবিন্দ' অসি তোপ তোপ্পা ফজবা অমসুং কাহেন্না চাউরবা কাব্য অমগুম্না শীংথারমগদবনি। জয়দেবদি, কলিদাস, ভবভূতি অমসুংঅতৈ অচৌবা কবিশিংগা চাংদম্লবদা য়াম্লমক হন্থে অদুবু জয়দেবদি বঙ্গদেশতাঁলৈরম্বা সংস্কৃত কবিশিংদগী হেন্না চাউবা অমসুং মগুন লৈবা কবিদি ওইগনি।"

রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মম্যাংদা লৈরম্বা ১৯শুবা শতাব্দীগী খন্নায়দগী হেন্না চাউরবা বাংলাগী লেখক, বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপাধ্যায় মুংশিবগী কবি ওইনা জয়দেব অমসুং বিদ্যাপতি অনিগী চাংদম্লনুনা নৈনবা রচনা অমা কখোকখি। মসিদা জয়দেবদি অনিশুবদা লৈ অদুগা মপুং ওইবা রাফম খবদি বঙ্কিমচন্দ্রনা হায়রি— "জয়দেব গুম্বা কবিদা মপানগী জগৎকী মপুং ওইরা মশক থেংনৈ; বিদ্যাপতি অমসুং মহাকুম্বশিংদা ঐখোয় মনুংগী ওইবা জগত্তা খোঙদাই। জয়দেব অমসুং বিদ্যাপতি অনিমক রাধা কৃষ্ণগী মুংশিবগী মতাংদা শৈশকপনি। অদুবু জয়দেবগী শক্লিবা ঈশৈ শিংসিনা ঐখোয়গী মপানগী পুন্সীগী তুংইল্লি। বিদ্যাপতি গী শৈরেংনা, খোইদোকপুসু চণ্ডীদাসকীনা, মনুংগীজগৎ ফাওবা লাম্বোকই...ইন্দ্রিগা মরী লৈনবা অপোবা মশকশিং হকচাংগসু মরী লৈনরিবা অসিনা, কা অমা হেল্লবদি কাব্যবু চুম্লগী ইন্দ্রিগী মওং দমক লোই। বিদ্যাপতি অমসুং অতৈনা মীওইবগী থম্মোই লকানুংদা য়েংই ইন্দ্রিদগী থাপনহল্লদুনা। তারকপা ফলনা বিদ্যাপতি অমসুং মহাক্কী নক্লবশিংগী শৈরেংশিংনা ইন্দ্রিগা মরী লৈনহন্দে—পুখৎলি ইন্দ্রিগী মুংঙাইবগী রাংমদা অশেংবা অমসুং অরাংবা মফমদা...। ফজরবা অমসুং থাজ হল্লবা লোন্দাদা বঙ্কিমচন্দ্রনা খেন্নবা অসি পুখৎলকই অদুগা জয়দেবদা থাগৎপগী শরুক থুংবী-ইন্দ্রিগী ওইবা কাব্যগী জগত্তদি চাপচানা মহাকসু মপুং ফানা ফংজগদবা। ইং কুমজা ১৮৭০ দা A Popular Literature for Bengal হায়বা ইংরাজীগী আর্টিকল অমদা বঙ্কিমচন্দ্রনা মথাগী অসুম্না হায়রি—"হৌবদগী লোইবা ফাওবদা মসিদা ('গীত গোবিন্দ' দা) নিপা থোকপা ভাব অমা ফাওবা য়াওদে—মুপীগীওইবা ভাবতি মতিক চানা য়াওই—নত্রগা অরাংবা রসকী মশক লোবা মতাং অমতং ফাওবা। কবি অসিগী তম্বীরবা অনৌবা অচুম্বা অমা ফত্তবা লৈতে। অয়াম্বা মতমদদি ঐখোয়দা নীতিগী ওইবা অচুম্বা তম্বীরিবশিংসি কবি শিংনি (ধর্ম্মচেনবা নত্রগা চেন্দবা) মসিনা

মীওইবগী পুন্সীদা আশীর্ব্বাদ কী মশক লোরি। অদুবু জয়দেবদি অত্তোপ্পা কাংলুপ অমগী কবিনি। ঐহাক্না অর্থ অমদা মহাক্কী অরাংবা কাব্যগী প্রতিভাবু য়াদবা নত্তে—নীংথিজন্নবা মূর্ত্তি কয়া. নৌরবা ভাব অমসুং ফোঙদোকপগী মপা লৈত্রবা শক্তি ; অদুবু মসিনা মহাকপু সুপী মানবা ইন্দ্রিয়গী জগত্তা শান্নবা কবি অদুদগীদি তাহনবা নত্তে [ বঙ্কিমচন্দ্র দি মহাক্কী বাঙ্গালী কাংলুপ ফাওবা য়েংদে অদুগা খরদং চুমফাওবা অমসুং হেক্কিনবা মত্তং নি—সুনীতি কুমার চট্টোপাধ্যায়] থোংনা নৌনা ফোঙ দোক্লদুনা, তনৌ তনৌরদুনা অমসুং ইন্দ্রিগী অপৌবা শকফম উৎলদুনা. তাবদদি অঙকপা ফংনা থুন্নবা অর্থদি থোইনা যাওদবা শৈরেংশিংসিনা শোন্থরবা অমসুং সুপী মান্নবা জাতি অমগী থম্মোইবু ফোঙদোকই।" ( বঙ্কিম রচনাবলী, ভোলুম ওশুবা—ইংরাজী অইবশিংগী থোমজিনবা—সম্পাদক যোগেশচন্দ্র বাগল, ফোঙবা ১৯৬৯, সাহিত্য সংসদ, কলিকাতা : লামায় ৯৮ )

বাংলা লোন্দা ফোঙবা ঐখোয়না হুন্দোকপা ঙল্লরোইদবা চে অমদি সমালোচক, রচনা ইবা অমসুং উপন্যাসকার প্রমথ চৌধুরী ( ১৮৬৮—১৯৪৬ ) না ইবনি। জয়দেব গী কাব্যবু মচা তানা অমসুং মপুংফানা নৈনবা অদু অহানবা বাংলাগী চহী ১২৯৭ ( ইং কুমজা ১৮৯০ ) দা ইহান হান্না ফোঙখি জয়দেবনা প্রকৃতি অমসুং প্রেম বু লোয়নবগী খন্নাইদগী মন্নুং হুনজিনবা নৈনবা অমনি অমসুং কাব্যগী কলাগী অমসুং রসকী মায়কৈ অনিমক্তগী মথক্কীসিং অসি য়াম্না কুপশিন্না য়েংশিল্লি। ঐখোয়না হায়নীং-গনি—চে অসিনা মাবু থাগৎলিবা হোংত্রবাময়ামদুনা অরানবা মমল হাপচিন্দুনা জয়দেববু শেরান্ননা উৎলিবদুদগী লাম্থোক্লবা হোৎনবনি। অদুবু জয়দেববু য়াম্নমক য়ানবা অসিবু প্রমথ চৌধুরীসু খঙই অদুগা ইতিহাস কী ওইবা মরম ফাওবা পীনবা লাক্লে—চীংননিঙাই লৈত্রবা মহাক্কী লোন্দাগী অথুপ্পা, চুন্নগী পানরিবা ময়াম অমসুং থাগৎনরিবা মরাম্না সংস্কৃতপু নীংথিনা খঙদবা মদুদা ইন্দ্রিগী ওইবা ফজবগী অমসুং লাইগী ওইবা মন্নুংশি অমগী তিন্নরক পা—অদুগুম্বা নুংশিবা অসিবু ঐখোয়বু অশেংবনি, হোংবা য়াদবনি অমসুং আধ্যাত্মিক নি হায়না লৌনবা তস্নীবনি।

রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর মশামক্না মহাক্কী পুন্সীগী রান্নী ইজবা অদুদা ( জীবন-স্মৃতি ) হায়জরি মদুদি চহী ১০ নত্রগা ১২ দা ঙাইরিঙৈদা মহাক মশামক জয়দেবগী শৈরেং অমসুং লোন্দাগী ঈশৈ অমসুং ফজবদা লুপথি—মতম অদুদদি

মহাকমক্তি কাব্য অসিনা হায়রিবসে করিনো হায়বা ফাওবা ঙবা নত্ত্রি। মতুংদস্থ জয়দেব কা হেনবা মমল নাইবা অথোইবা পোৎশক অমতা থেংনখিদে। অদুবু মহাক্কী কাব্য অমস্থং ছন্দদদি জয়দেবগী শৈরেং অমস্থং ঈশৈগী অকনবা প্রভাব তাখি অমস্থং জয়দেবগী শৈরেংগী মওং থরদি বাংলা লোন্দা মতৌ তমদবা ঙমখিদে। 'গীতগোবিন্দ' গী অহানবা শৈরেংনা মঙোন্দা অমস্থং অয়াওবগী শরুক্তা মঙোন্দা কন্না অপানবা অমা পীখি অমস্থং মহাক্না ফজবা অসিবু মওং তাবা সাক্ষী পীখি।

মথক্কী অসিনা মীৎয়েং অমনি। অতোপ্প অমনা চেকসিল্লবা বৈষ্ণবগী ভক্ত অমগীনি—মহাক্তি বিষ্ণুদা অকনবা শ্রদ্ধা লৈবা (থোইদোক্লস্থ অবতার ওইরিবা কৃষ্ণ দা) অমস্থং মহাকপু কৃপা অমস্থং প্রেমগী অথোইবা লাইনি হায়না লৌবা মীওইবগী আত্মানা অথোইবা লাইবু থৌরাংনা ঙাইবা অমস্থং মতুংদা চপচা না তিন খিনবগী মওংদা নীংজরিবা। চৎথরিবা লম্বীনা মশাবু কাউথোক-চখিবা বৃন্দাবনগী গোপীশিংগী থুংশিবগী কৎথোকপা রাধানা মকোক চিংলদুনা, শ্রীকৃষ্ণগী মফুমদা নীংজবা অমা ওইরিবা ঈশ্বর ওইনা, জগৎনা পায়রিবা ওইনা, ব্রহ্মাণ্ডদা 'পুরুষোত্তম' নত্রগা অথোইবা নিপা অমা ওইনা মঙোন্দা মীওইবগী থুংশি বনা ঈশ্বরগী চান্নবা ওইনা চঙশিল্লিবা।

অসিগুথা 'কৃষ্ণ-প্রেম' নত্রগা কৃষ্ণ গুম্বা লাইদা প্রেমগী লম্বীদা চঙজবা, নহা ওইরিবা থুপী অমনা মহাক্কী মশা পুম্বা লুপশিল্লবা অমস্থং মশাবুস্থ কথোকচরবা থুংশিবদু নহা অমদা কথোকচরবা থরায় হকচাং য়াওনা—মহাক্কী তন, মন, ধন হৌজিক কান্দা হায়নবদোনা, মহাক্কী হকচাং, মহাক্কী পুক্লীং অমস্থং মহাক্কী অপুম্বা মসি ময়ায়গী যুগকী হিন্দুগী সাধনা নত্রগা থুংশিবগী মতেংনা ঈশ্বরবু ফংবগী লম্বী, থুংশিবদু থুপীগী ওইবা নত্রগ থুপী-থুপা অনিগী ওইবা—খরায়দগী মপুং ওইনা ফোঙদোকপশিংগী মহুংদা অমনি। নহা ওইরিবা চান্নবা চান্নবী অনিগী তশেং তশেংনা য়ানরবা তাইবংগী থুংশিনবা, ঈশ্বর য়ৌবা অথুপ্পা থুংশিবগী লম্বী নি। ময়ায় যুগকী বৈষ্ণবগী শৈরেংদা অস্থুম্না য়াওরি :

যুবতীনাং যথা যূনি যূনাঞ্চ যবতৌ যথা।
মনোহভিরমতে নিত্যম্মনোঽভিরমতাং ত্বয়ি।।

নহা অমদা তনৌরিবা মুপীগী পুক্লীংনা মুংঙাইবা ফংবগুম্না অদুগা নহা অমনা নৌরিবী মুপীদা তৌবগুম্না ঐহাক্কী পুক্লীংমু নঙোন্দা মুংঙাইবা ফংসহু।

থায়নগী ভারত্তা রাফম অসি ইহান হানবা ওইনা থেংনৈ "বৃহদারণ্যক উপনিষদ" তা ৪, ৩, ২১ ( ময়াম্না থঙনরবা মতাং অমদা ঃ "যথা প্রিয়য়া স্ত্রিয়া সংপরিষ্বক্তো ন বাহ্যং কিঞ্চন বেদ, নান্তরম্‌, তদ্বাস্য এতদাপ্তকামমাত্মকামমকামং রূপং শোকান্তরম্‌।" : চান্নবী মুপীবু কোঞ্জরিবা নিপা অমনা মনুংমপান করিমতা থঙদবদৌনা, আত্মাবু কোনশনজরিবা নিপা অসি মনুং মপাল থঙদে। তশেংনক, মহাক্কী অপান্মবু থিংবগী অশেংবা মশকনি—আত্মানা মহাক্কী অপান্মা ওইবা, মদুদা মশাদা অপান্মমু লৈতবা অমস্তুং অরাবমু য়াওদবা। মালেমসিগী হকচাংগী ওইবা নিপামুপীগী মুংশিবনা মীওইবনা ঈশ্বরবু নীংজবগী মশক তাক্লবা ওইবা ( অদুগা মীনমু থাজবা ঈশ্বরনমু মীওইবগী থল্লি হায়না ) অসিদি পৃথিবী পুম্বা চৎনরিবনি। মতুগী খুদমশিং ঐখোয়না থেংনৈ—ধর্মঅমস্তুং কাব্যগী শক্তম লৌবা চিয়্যুরানা খৃঃ গী মাং ২০০ দা লেংলম্বা "ঈশৈমাপন" হায়না থঙনবা—'তাও' ধর্মগী মনুংগী অথুপ্পা মওংদা চৎথরকপা। হিব্রু শিংগী মরক্তমু থেংনৈ সোলোমোন গী ঈশৈ গী ঈশৈশিংদা ( Song of Songs দা— শি'র শি' ইরিম্‌)। মতুংগী খৃষ্ট ধর্মগী রহস্যবাদতা অমুক থেংনরকই ( হিব্রুগী Song of Songs বু মওং অতোপ্প অমদা ময়াম্ন যুগকী পণ্ডিতশিংনা কাব্যগী শক্তি য়াওদনা শন্দোক্না তাক্লবা হোৎনরবমু) মীওইবগী আত্মানা চাউরবা প্রেমিক অমা লৌরিবা খৃষ্টগী নত্রগা ঈশ্বরগী কন্যা নত্রগা চান্নরবী অমা ওইনা। অদুগা ইসলামগী রহস্যবাদ তমু সুফী ধর্মগী 'তষরবুফ' তমু মীওইবগী আত্মাবু পাঙ্গল্লবা চান্নবা অমা য়েংবগী মওং য়াওহ্নি—নিপাওইবা 'আশ্বিক' অমস্তুং লাই অসিনা চাউরবী চান্নবী 'আশ্বিক' কী কন্যা, 'মশ্‌ কহ নত্রগা লাই অসিবু নহা ওইরিবা অমগুম্না 'ইফেবি' আশ্বিক কী নিপা ওইবা চান্নবা ওইনা।

মীওইবগী আত্মাগা ঈশ্বর গগী লৈরিবা মরীদা অমুম্না য়েংবা তাম্নবমু, হকচাংগী ওইবা মুংশিবনা লাইগী মুংশিবগী মশক তাকপা ওইরিবগী মওং খঙবা অমস্তুং য়াবা তাবনি। অসিগুম্বা মীৎয়েং অসিগী "দর্শন" অমমু লৈতবা নত্তে—সংস্কৃততা অমস্তুং ভারতগী লোন অতৈশিংদা। অমুম্না ইংরাজীদা হন্দক্তা থোকপা অনুবাদ অমদা মুংশিববু আধ্যাত্মিকি মায়কৈদা অর্থ হনবা থেংনরি।

## তরামরি

### জয়দেব—চৎনরিবা ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা অমসুং হৌজিক্কী ওইবা অচুম্বা থিজিনবগী মীৎয়েংদা

খরায়দগী মপূং ওইবা অমসুং শন্দোক্লা নৈনবা জয়দেব অমসুং মহাক্কী 'গীত-গোবিন্দ' গী মরমদা হৈবা লাইরিক্তি বাংলা লোন্দা ইরি পণ্ডিত হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায়না (মুখার্জি), সাহিত্যরত্ন, ডাক্তর ওফ ফিলোসোফী বৈষ্ণবকী সাহিত্য অমসুং দর্শনদা খরায়দগী খঙলবা অমসুং অইবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা (মহাক্কী) 'কবি জয়দেব ও শ্রী গীত-গোবিন্দ', কলিকাতা, ৪ শুবা সংস্করণ, অগ্রহায়ন ১৩৭২ বাংলা সন (=খৃঃগী চহী ১৯৬৫) লেখক মশানা কোংজবা 'সারদা-কুটির' দগী, খুঙ্গং অমসুং পোষ্ট ওফিসতি কুঢ়মিঠা, বীরভূম জিলা: লামায় ২৭২+লামায় ১৬০=লামায় ৪৩২)। মহাক্কী মগুণ লৈরবা লাইরিক অসিদা জয়দেব অমসুং মহাক্কী লাইরিক অনিমক্কী শক্লোন পুম্নমক নৈনবা লামায় ২৭২ গী রাহৌদোক অমা য়াওরি, মসিদা বৈষ্ণবগী প্রেমগী দর্শন নৈনবসু য়াওরি অদুগা হীরম অসিদা চৎনরিবা অচেৎপা বৈষ্ণবশিংনা খল্লিবা মশক অদু থেংনরি। অনিশুবা শরুকতা, লামায় ১—১৬০; কাব্য পুম্বগী নীংথিজনা সম্পাদন তৌরবা হান্নগী কাব্যগী মশক্তা কোম্নমা য়াওরি—পূজারী গোস্বামীগী সংস্কৃত টিকা, মখিংনা 'বাল-বোধিনী' হায়না কৌবা অদুসু য়াওনা। পূজারী গোস্বামী হায়বসি 'চৈতন্য-দাস' দী অতোপ্পা মমিং অমনি, বাংলাগী বৈষ্ণবদী পণ্ডিত অমসুং ভক্তনি—খৃঃগী ১৬ শুবা শতাব্দীগী অরোইবা তংখায়দা বৃন্দাবনদা লৈখিবা। অসিনা মহাকসি চাউরবা শতাব্দী অমগী মীশক অমনি ১৬ শুবগী, মতমসিদা গৌড়ীয় নত্রগা বঙ্গগী সাহিত্য অমসুং দর্শন না ফাওরকপগী অয়ৌবী য়ৌবা মতমদা।

'গীত-গোবিন্দ' দা কামগী ওইবা নুংশিববু স্বর্গীয় ওইবা প্রেমদা থাঙ্গৎপনিঃ কাব্য অসিগী ছাত্র পুম্নমক্লা য়ানরিবা রাফমনি-ভারততা ওইরবসু নত্রগা নোংচুপকী ওইরবসু। পণ্ডিত পুম্নমক্লা জয়দেববু সংস্কৃতকী অয়ৌবা কবি অমনি হায়না খরায়দগী হেন্না সন্মান তৌরি। সংস্কৃত ব্যাকরণগী মরমদা হৈবা হন্দক্তা

অলাবমা বিশ্ববিদ্যালয়, সংযুক্ত রাষ্ট্র, ১৯৭২, অইবনা প্রোফেসর মেন ফ্রেড মেহোফর, ভিয়েনা (খন্নাবদগী নৌরিবা Etymological Dictionery of Sanskrit ইবা) না ফোঙবা (ইংরাজী অনুবাদ তা) লাইরিক অমদা লোইরমদাইদা সংস্কৃত সাহিত্যগী অতেনবা থঙ্গৎপা মতাং অতুমথক পীরি—অহানবনা ঋগবেদ দগীনি, অনিশুবনা মহাভারতকী নল অমসুং দময়ন্তীগী রারীদগী অমসুং অহুমশুবনা 'গীত-গোবিন্দ'গী ঈশৈ অমদগী ঃপরেংথরা লৌথৎলি। সংস্কৃতকী ইউরোপকী পণ্ডিত অয়াম্বনা 'গীত-গোবিন্দ' গী মতাংদা থায়দগী হেন্না খাগৎপগী মওংদা হায়রি থরদি তশেংনমক থাগৎপগী রাহৈ নত্তনা অতৈ য়াত্তদে রাহৈগী ঈশৈগীদমক, নুপীগী ফজবা অমসুং নুংশিববু রাংনা থাঙ্গৎপগী দমক, মীওইবগী আত্মানা ঈশ্বরবু খৌরাংজবা ফোঙ-দোকপগী দমক প্রকৃতিগী ফজবা থাবগা লোয়ননা।

মথক্তা পনখ্রি বা জয়দেবগী মরমদা হৈবা মনমোহন চক্রবর্ত্তী গী চে অতুগী মথক্তা, জয়দেব গী মরমদা কৃপশিন্না ইরবা মতং, লাইরিক লাইশু অমসুং অতৈ মরোলশিং য়াওরবা, অমদি এম. ব্রিনটারনিচ গী History of Indian Literature, ভোল্যুম ৩শুবা, পার্ট ১বা দা য়াওরি (অচৌবা লাইরিক অসিগী অহানবা ভোল্যুমগী ইহান হান্না ইথিবা জর্মন লোন্দা ইবহুদি ১৯০৭ দা ফোঙখি। অহানবা অমসুং অনিশুবা ভোল্যুমগী মপুং ফানা, জর্মন নুপী শ্রীমতী এস. কেটকরনা ইংরাজীদা অর্থ হন্দোকপা অমদি কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়না ফোঙই—ভোল্যুম ১বা, ১৯২৭—রাহোদোক, বেদ, জাতীয় মহাকাব্যশিং, পুরাণশিং অমসুং তন্ত্রশিং অমসুং ভোল্যুম অনিশুবা, ১৯৩৩—বৌদ্ধ সাহিত্য অমসুং জৈন সাহিত্য, ভোল্যুম ৩শুবা, পার্ট অহানবা—ক্লাশিকেল সংস্কৃত সাহিত্য—অহানবা জর্মন সংস্করণনা ১৯২২ দা ফোঙবনি ডাক্তার সুভদ্রা ঝা না ইংরাজী অনুবাদ ফোঙই ১৯৬৩ দা মোতিলাল বানারসী দাস না দিল্লী, বারানসী অমসুং পাটনাদগী: জয়দেবগী চানবা মতাংনা সুভদ্রা ঝাগী ইংরাজী অনুবাদকী লামায় ১৪২-১৪৮ শুবদা)। উইনটারনিচগী History দা য়াওরিবা লাইরিক লাইশু তাকপগী অমসুং অতৈ মরী লৈনবা পুথোকপশিংহু য়াম্নমক কান্নৈ। ইউরোপকী সংস্কৃত পণ্ডিত অয়াম্বদোনা উইনটারনিচ সু জয়দেবগী রাহৈগী ঈশৈ গী মায়াগী লাংদা পুখি অমসুং মহারুসু য়াম্নমক থাগৎলি। জয়দেব গী তাবদা

থুম্নবা নমূনাশিংহূ রোমান ময়েক্তা ওন্থোকলহূনা অমসুং ঈশৈশিং লৌরহূনা, ইংরাজী অনুবাদকসু কোম্নদা, শৈরেং থরদি থাদোকপগী খূদোং চাবা ফাওবা লৌরহূনা মহাক্না ফোঙদোকলি। উইনটারনিচ গী 'গীত-গোবিন্দ' গী মতংদা পীবা অরোইবা মতদি অসিনি: কাব্য অসি ধর্ম্মগী শক্তম লৌই হায়বসি অহূম্বনি; অহূগা কবিগী মতাংদা কাব্য অসিগী শৃঙ্গার গী শক্তম অসি ঈশ্বর কৃষ্ণদা ধর্ম্ম গী ভক্তিদা কথোকচবা ভক্তিগী শরুক অমতনি হায়রি। জয়দেবদি ভারতকী ৭৲াইদগী চাউরবা কবিশিংগী মম্নুং চল্লি। [মত অসি বঙ্গদেশকী অমসুং ভারতকী থবায়দগী শীংথানরবা সাহিত্যগী সমালোচক অমসুং লেখকশিংনা শুকয়া য়াবা নত্তে—মখোয়হূদি ভক্তিগী লাইনীংদা রাধা কৃষ্ণগী ভক্ত ওইববুদি নত্তে—সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়] অহূবু মসিমদি অঙকপনি-মহাক্না সুংশিবগী কাম অমসুং রস অম্নুক য়াম্না পূনশিবা ঙমই; লোনগী না-পু তাবগী অঙকপা মশক উৎপা ঙমই মহূ ঐখোয়গী নাকোংদা অশেংবা ঈশৈগুম্না তায়। লৈতেংগী পাকচাউরবা অমসুং লোনগী শাজিম্নবা মশক্তা কোম্নদা। অঙকপা নত্তে ভারততা কাব্য অসিবু অঙকপা ফংনা পাম্নরিবসি; ভারতকীগী রাংমদা ফাওবা মসিবু থাগৎলিবা মীওই ফংলিবসি। লোন অসিগী অরংবা মশক অসি অনুবাদকী শক্তা পুশিনবসি অরুবনি-মসিনা শুম্নৎপগী মশক অসি শরুক থজিক্তম ফোঙদোকপা ঙমই। উলিয়ম জোন্সনা হন্দোকপা কবি অসিগী মপুং-ফাদবা শরুক অসিদগী লৌথোকপা থরনা গেটেদা অঙকপগী ভাবশিং ফাওবা পোক হনখি।

অসুম তৌনা অথাকপা লৈতনা থাগৎপগী পরীং ওইরপনা লৈরিবসি এ. বেরিডেল কিথকী রাহৈশিংনি মহাক্কী History of Sanskrit Literature দা হায়রিবা, অক্সফোর্ড ইউনিভার্সিটি প্রেস, অহানবা সংস্করণ, ১৯২০ (পুল্লপ ওইনা নমথোকপা ৬ থক্তা কোম্নদা, ইকোন কোনবনা ১৯৬৬ ইংদা—লামায় ১৯০-১৯৮)। কিথ না 'গীত-গোবিন্দ' বু অথোইবা লাইরিকনি হায়না শীংথাই অহূগা হায়রি—"সংস্কৃত সাহিত্যগী অরোইবা মমিং" দি জয়দেবগী মমিংনি। মহাক্না মচা তানা থাম্নদোকপগী মশক অমসুং থরায় যাওনা থাগৎপ গী মশক অমা পীরি কাব্য অসিগী অহূগা 'গীত-গোবিন্দ'গী ঈশৈ অহুমদগী পুথোকপা থরা রোমান ময়েক্তা ইংরাজী অনুবাদকা কোম্নদা পীরি।

ইংরাজীদা জয়দেব অমসুং 'গীত-গোবিন্দ'গী খন্নায়দগী মরম চানা নৈনবা মতমগী মীৎয়েংদগী সংস্কৃতকী লাইরিক অমা ওইনা, অহুদি লৈখিত্র বা প্রোফেসর সুশীল কুমার দে না তৌরি মহাক্কী History of Sanskrit Literature : Prose, Poetry, Drama, ফোঙবনা কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়, ১৯৪৭, লামায় ৩৮৮-৩৯৮। মসিদা নৈনরিবা অসিদা য়াম্নমক মরম চাবা মীৎয়েং অমা থেংনৈ, অচুম্বগী শরুক য়াওবা অতুগা থাগৎপগী মওংসু নীংথিজনা য়াওবা, হৌখিবা লাইরিকশিংগা অমসুং তেংবাংবা সাহিত্যগা মরী লৈননা অমসুং ইংরাজীদা অনুবাদ তৌরবা কয়াসু পল্লদুনা। য়েংশিল্লিবা মওং অসি মরম চাই অমসুং থাগৎপগী মওংসু লৌই অহুগা কা হেন্নসু থাগৎমনবা তৌদে।

'গীত-গোবিন্দ'গী ইংরাজী অনুবাদশিংগী মনুংদদি ঐখোয়না অহানবদা খন্নায়দগী ঙনবা অনুবাদ, সার উলিয়ম জোন্সনী ( Asiatic Researches, ভোল্যুম ৩,১৭,৮৬ ) মতুংদা সার এডউইন আরনল্ড না তৌবা (The Indian Song of Songs, ১৮৬১, সংস্করণ কয়াগা কোম্নবা)। হন্দোকলিবশিং অসি চপচানা হন্দোকপদি নত্তে। ইংরাজীদা হন্দক্কা তৌবা অনুবাদ অনিসু থেংনরি—অমনা শ্রীলঙ্কা গী কলাকার অমসুং লেখক জর্জ কেইট (Sri Jayadeva's Gita Govinda—the loves of Krishna and Radha, অইবনা অয়েকপা লাইগা কোম্নবা : ভারতকী সংস্করণ, কুটুব, বোম্বে ১৯৪৭ )। মসি পৌরপা চাননা হল্লি অমসুং য়াম্নমক পেল্লি। অতোপ্পা অমনা মোনিকা বর্মা না তৌবনি—কলিকাতা, ১৯৬৮, পি, লাল গী Writers' Workship তগী ফোঙবনি। মসি য়াহৌদোক অমসুং ব্যাখ্যা য়াওরবা অনুবাদনি, খজিক্কং চাউথোকই। এফ. রুয়েকার্টকী র্জমন লোনগী অনুবাদ পূম্নমক্কা যাম্না থাগৎনরি। ( অহানবা ফোঙবা ১৮২৯ দা, মতুংদা ১৮৩৭ তা )।

## তরামঙা

## গীত-গোবিন্দ অমসুং ময়ায়গী যুগকী ভারতকী চিত্রকলা

ময়ার ওইবা যুগ কী ভারতকী অয়েকপা লাইশিংদা 'গীত-গোবিন্দ'গী প্রভাব ভারতকী অরাং অমসুং খাথংবা শরুক্তা অমসুং তোঙানবা সম্প্রদায় শিংদা—ফনা নীংথিজনা লৈরি। মতম অতুগী অরাং ভারতকী শৃঙ্গার মশক লৌবা অশাবা লাইশিং, নোংপোক ভারতকী পালা অমসুং সেনাগী লাইগী মশককুম্না, ভুবনেশ্বর, পুরী অমসুং কোণারককী লাইশিংদা খজুরাহোগী অশাবা মূর্ত্তিশিংদা খা থংবগী রাষ্ট্রকূট অমসুং চালুক্যগী কলাদা—উৎলিবা লাইশিং অসিনা 'গীত-গোবিন্দ' গী থৌদোক শিং অমসুং ফীবমশিংগী খন্নায়দগী হেন্না ফজবা অয়েকপা অমসুং অশাবা মূর্ত্তিশিংনি। কাব্য অসিগী বিষয় অমসুং ফীবম কয়ামুক্না য়াওল অমা পুরকলি গুজরাট অমসুং রাজস্থান গী, অরাং ভারতকী ( বৃন্দাবন অমসুং বারাণসীগী ) হিমালয়গী লমদমশিংগী—কাংগ্রা, চম্বা, মন্দি, বাশালী অমসুং অতৈ লমদমশিংগী, নেপাল ফাওবগী সম্প্রদায় কয়ামুক্কী খন্নায়দগী হেন্না ফজবা লাইশিংদা। অসিমকসু ঐখোয় য়েংশিনবা তাই—উড়িষ্যা, বঙ্গদেশ অমসুং আসামগী সম্প্রদায় শিংগী লাইশিংবু, অন্ধ্রদেশকীসু, কর্ণাটক, কেরলা অমসুং তামিলনাডুগীসু। ললিত কলা অকাদমীনা ( সাহিত্য অকাদমিগা লোয়নবা সংস্থান ) 'গীত-গোবিন্দ'গী থরগী অমসুং অতৈ রাধাকৃষ্ণ লাইশিংগী মচু য়াওনা শন্দোক্না তাকপা লাইরিক খম্না হান্ননা ফোঙলে। ভারতকী কলাদা 'গীত-গোবিন্দ'গী প্রভাবকী নৈনবদি ভারততা কলাগী খন্নায়দগী হেন্না মপূং ফাবা মতমগী শরুক অমা কোনগনি—খৃংগী ১৪ শুবা শতাব্দীদগী মতুংতারকপা ফওবা। এম. এস. রন্ধরা না বিষয় অসিদা নীংথিজবা নৈনবা অমা পুথোকলি—আনন্দ কেন্টিশ কুমারাস্বামীগী লময়ানবা নৈনবশিং গী মথক্তা।

অসিমসু য়েংবীয়ু অরোইবগী শরুক ১৭ সু, বিষয় না হিন্দুগী লাইগী মূর্ত্তিশিং অমসুং রাধা-কৃষ্ণ লাইনীংগী মতাংদনি।

## তরাতরুক

### 'গীত-গোবিন্দ'গী ঈশৈ অনি, মণিপুরী অনুবাদকা কোন্নবা

জয়দেবগী শৈরেংনা, থোইদোক্নসু ঈশৈ ২৪ অসিগী ঈশৈগী গুণনা ঐখোয়বু গুঙ্কৎলি অমসুং ওইররোইদৌবা অদু ফাওবা য়ৌনা কনাগুম্ববু হোৎননীং হল্লি—অপাববু মহাক্কী শৈরেংগী মগুনগী মহাও থবদং তংহন্নবা ওইরবসু। অদুবু, অচম্বা অপাবগী মফমদদি শৈরেংশিং অসিগী আধ্যাত্মিক নত্রগা লাইগী ওইবা মশক শিংগী মতাংদা চেৎলবা বৈষ্ণবগী রসতা লুপত্রিবা মীশক অদুগী মফমদদি —মহাক্তি কয়াবু য়ামা নুংঙাইতবা য়াই শৈরেং ওইনা য়েংবদা অপন অরাক লৈতনা অমসুং মপুং ওইনা অমসুং মচা তানা হন্দোকলিবা শৃঙ্গার রসকী অশাবশিং—অপৌবা অমসুং অয়াকপা, ফজবদি ফজবা খজুরাহো মন্দিরশিংগী অমসুং পুরী অমসুং কোনারক কী অদুগুম্বা উড়িষ্যাগী মন্দিরগী অশাবশিংনা ফোঙদোকলিবা অসিগা য়েংনবদা। হন্দোকলিবশিং অসি চাউরাকনা পুন্নমক্লা হরাউনা য়ানবা হায়বদুদি থোকলোই—মরমদি হীরম অসিদা চিলহাউ খেন্নবা লৈবনা।

খরায়দগী হেন্না ফজরবা শৈরেং থরগী অনুবাদশিং ইংরাজীদা তৌববু ইশানা থমজরি—'ভাষা' লোনগী অশাংবা ছন্দগা কোন্নবশিংসিগী। মরমদি বিষয় অসি থরা শাংদোকথিবা তাবনা। ঐহাক্না অতেনবা ঈশৈ শিংগী অনিথকথল্লি মসিনা অপাবা মথন পুন্নমকপু পেলহনবা ঙমগনি হায়না আশা তৌরি, 'গীত-গোবিন্দ'গী ঈশৈ অনি অসি অর্থগা কোন্ননা মথাদা পীরি।

(১) ঈশৈ অনিশুবা, অহানবা সর্গদগী। বিষ্ণুগী ওইবা অনিশুবা প্রার্থনানি মপোক লাংলোন কয়ামুক্তা:

শ্রিত-কমলা-কুচ-মণ্ডল
ধৃত-কুণ্ডল।
কলিত-ললিত-বনমাল
জয় জয় দেব হরে ॥ ধ্রুবপদম্ ॥ ১ ॥

নহাক্তি কমলাগী ( লক্ষ্মীগী ) থবাক্তা চঙজফম নিরি
নহাক্কী নাকোংদা শিরি কুণ্ডল;

শিরি নহাক্তি উমংগী লৈন্নাংশিংনা লেংবা মালা।
নহাক্না জয় ওইয় হে হরি, অথোইবা লাই। (ধ্রু)

দিন-মণি-মণ্ডল-মণ্ডন
ভব-খণ্ডন।
মুনি-জন-মানস-হংস ॥ ২ ॥
নহাক্তি লৈতেংনি মুমিৎকী অকোয়বগী, মণিনি মুমিৎকী
অমুক হন্না পোকপবু মাঙহনবনি ঃ
নহাক্তি কাংঙনি মৃনিশিংগী পুক্নীংগী পাৎতা চাক্তারিবা।

কালিয়-বিষধর-গঞ্জন
জন-রঞ্জন।
যদু-কুল-নলিন-দিনেশ ॥ ৩ ॥
নহাক্তি হু চেল্লবা কালিয় লিনবু নমথরি
পুন্নমকপু মুংঙাইহল্লি ;
যদু শাগৈগী মশক ওইবা থম্বালবু শাৎতোকহল্লিবা মুমিৎনি।

মধু-মুর-নরক-বিনাশন
গরুড়াসন।
সুর-কুল-কেলি-নিদান ॥ ৪ ॥
মধু মুর অমসুং নরক হিংচাববু নহাক্না মাঙহল্লি
নহাক্কী বাহনদি গরুড় নি ;
নহাক্না ওইরি মরম লাইগী শাগৈনা মুংঙাইনা শান্নরিবা।

অমল-কমল-দল-লোচন
ভব-মোচন।
ত্রিভুবন-ভবন-নিধান ॥ ৫ ॥
নহাক্কী মিৎস্নানা ওইরি শেংলবা থম্বালগী লৈকা ;
লানবীরি তাইবংবু।
মরোল অহুমগী ওইরি নহাক্না হৌফম।

জনক-সুতা কৃত-ভূষণ
জিত-দূষণ।
সমর-শমিত-দশ কণ্ঠ ॥ ৬ ॥

জনককী মচানুপীগী লৈতেংগী মশক ওইরি নহাক্তি ;
নমথবীরি দূষণ হিংচাববু,
মকোক তরা পানবা রাবণবু মাঙহনবী।

অভিনব-জলধর-সুন্দর
ধৃত-মন্দর।
শ্রী-মুখ চন্দ্র চকোর ॥ ৭ ॥

নহাক্তি অনৌবা নোংগী শক্তমগুম্না নীংথিজরি
পুরি মন্দর চীংবু!
নহাক্তি চেক্লানি চকোর য়েংজরিবা মতমপুম্বদা লক্ষ্মীগী
মায়থোংদা।

তব-চরণে প্রণতা বয়ম্
ইতি ভাবয়।
কুরু কুশলং প্রণতেষু ॥ ৮ ॥

নখোঙ থম্বালদা চঙজরি ঐখোয়দি মতম পুম্বদা—
অমুম হায়না খনবীয়ু নহাক্না
পীনবীয়ু কৃপা ঐখোয়দা চঙজরিবা নখোঙ থম্বালদা।

শ্রীজয়দেব কবেরিদম্
কুরুতে মুদম।
মঙ্গলমুজ্জ্বল-গীতি ॥ ৯ ॥
কৃষ্ণগী প্রেমগী উজ্জ্বল রসকী
কবি জয়দেবগী অসিগুম্বা শৈরেং-সিনা
পুম্নমক্কা পীদনু নুংঙাইবা।

সর্গ অহানবগী ঈশৈ অহানবসু প্রার্থনানি বিষ্ণুগী অবতার ১০ বু থাগৎলিবা অমসুং অবতার ১০ মক পল্লি। অনিগুবা ঈশৈ অসিনা অবতার পুম্নমকপুদি

পনদে ; চাউয়াকনা পনবতনি। মতাং অসিদা অমথক্তি য়েংশিনবা য়াই মসি ভারতকী রাষ্ট্রপতি ওইরম্বা, হিন্দুধর্ম্ম অমসুং সংস্কৃতিগী অচৌবা টিকাকার প্রোফেসার সর্বপল্লী রাধাকৃষ্ণণ না ঐখোয়দা থওইনা খঙহল্লকপনি। অরিবা ব্রাহ্মণগী ধর্মদদি বুদ্ধবু বিষ্ণুগী অবতার অমা ওইনা সম্মান তৌই। অদুবু ব্রাহ্মণ ধর্ম্মগী চেৎশিনবগী মওংনদি বুদ্ধগী পুন্সীগী অচৌবা মগুনবু খঙখিদে নত্রগা খঙবা ঙমখিদে। বেদগী ধর্ম্ম অমসুং যাগ-যজ্ঞবু য়াথিদবা অরানবা লম্বীবু হৌদোক্লম্বা মীশক অম ওইনদম থনখি অমসুং-বুদ্ধনা বিষ্ণুগী অবতার ওইনা থোরকপসি অপঙবশিংবু বেদগা কোন্নবা ঈরাংপূজা অমসুং শা ঙা হাৎপগী যজ্ঞগী মশকপু য়াদবা রাথন পরিংদা লমজীংবনি মতুনা বেদগী ধর্ম্মবু য়োকথৎলিবা ঈশ্বরগী অশাউববু য়ানীংদবশিংদা হৈনরক্লবনি। অদুবু 'গীত-গোবিন্দ' গী মতাং অনিদা, অনিমক সর্গ অহানবগী শরুক্তা জয়দেব না বুদ্ধগী চরিত্র অমসুং মহাক্কী অহিংসাগী নীতিগী রাফমবু মপুং ওইনা পুখৎনবা হোৎনরি। বুদ্ধদি জীব পুন্নমকপু নুংশিবগী গুণ চেল্লি ; বেদবু য়াদবা রাথল থনবা মীশকঅমা ওইবদা নত্তে। মহাক্কী অহিংসাগী ভাবনা বেদগী শাঙাগী যজ্ঞদা য়াওরিবা তমথীরবা মশকপু পামহন্দবনি অদুগা মহাক্লা থানা হায়রম্মু বেদদা য়াওরিবা শরুকশিং অদুথক্তনি 'পশ্বালম্বন' নত্রগা শা-ঙাবু হাৎপগী মতাং অসিবু। রাফম অসিবু থায়নগী অরিবা টিকাকার শিংগী মরক্তগী অমনা পুথোকলি প্রোফেসর রাধাকৃষ্ণণ না পুথোকলিবা অসিগুম্না। মসিনা জয়দেবগী পুক্নীংগী অমসুং নুংঙাইরবা মশক অমা উৎলি—মহাক্লা বুদ্ধগী পুন্সীগী অচৌবা মশক খঙবদা (মহাক্কী নুংশিবগী রারীগী মতাংদা) জীব পুন্নমকপু থোজাল অমসুং নুংশিবগা লোয়ননা উবীরিবা মশক্কী তুংনফম ওইবদা।

(২) ঈশৈ মশীং ১০, সর্গ ৫ : রাধাদা তম্বা কৃষ্ণগী ফীবমবু :

বহতি মলয়-সমীরে মদনমপনিধায়।
স্ফুটতি কুসুম-নিকার বিরহি-হৃদয়-দলনায় ॥ ১ ॥
সখি, সীদতি তব বিরহে বনমালী ॥ ধ্রু ॥

হে সখী, নহাক্কা কায়নবদা বনমালী কৃষ্ণ রাহুনা রাম্বরি ॥ ধ্রু ॥
কামদেববু পুরহুনা থাগী নুংশিৎ নামিবনা হায়রক্লি ;
কায়নরবা থম্মোয়বু নৈথায়রহুবা শাৎলি লৈরাংশিংনা মক্না ফন্না।

দহতি শিশির-ময়ুখে মরণমনুকারোতি।
পততি মদন-বিশিখে বিলপতি বিকলতরোঽতি ॥ ২ ॥
ঈংলবা থাবলগী মঙালনা মহাকপু চাকথেকলি, ওইরি মহাকসু অশিবগা মতৌবু;
কামদেবগী তেনশিংনা কাপথোরকপা খুদিংদা মহাকসু তেংথারি থম্মোয় শোক্লা

ধ্বনতি মধুপ-সমূহে শ্রবণমপিদধতি।
মনসি বলিত-বিবাহ নিশি নিশি রুজমুপযাতি ॥ ৩ ॥
খোইমুশিংগী ঙংববু তাবদা খুমজিনজরি মহাক্লা নাকোং অনি ;
থাঙনহুনা কায়নবগী অরাবা অহিং খুদিং ফংলি চৈনাখোল মপুক্লীংদা।

বসতি বিপিন-বিতানে, ত্যজতি ললিত-ধাম।
লুঠতি ধরনি-শয়নে, বহু বিলপতি তব নাম ॥ ৪ ॥
মহাক্কী নীংথিজরবা ময়ুম থাদোক্লুনা লৈরি উমংগী কুঞ্জবনদা ;
ওঞ্জরি লৈমায়দা থরো থরো থোরকই তেংথাব দা নহাক্কী মিং তোয়না।

ভনতি কবি জয়দেব বিরহ বিলসিতেন।
মনসি রভস-বিভবে হরিরুদয়তু সুকৃতেন ॥ ৫ ॥

কায়নবগী তেংথাখোন য়াওরবা ঈশৈ অসি জয়দেবনা শকচবদা পুণ্য কম্নাগী ফলগী মশক ওইনা ওইরক্লবা মহাক্কী স্বর্গীয় প্রেম ওইসনু হরিনা থোরকপা পুক্লীংদা মহাক্কী।

## তন্নাতরেৎ

### রাধা অমসুং কৃষ্ণ বু নীংজবা
### অমসূং হিন্দুগী মূর্ত্তি কলা

জয়দেবগী মরমদা ইবা লাইরিক অসিগী অহৌবগী শরুক্তা ফোঙদোক্লিবা রাধা অমসুং কৃষ্ণগী লাই অসি হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবা লাইগী মশক লৌরিবা প্রেমিক প্রেমিকা অনি অসিগী খন্নায়দগী লিরবা লাইগী শক্তমনি। অরাং-ময়ায় বঙ্গদেশতা লৈবা রাজশাহি জিলাগী পাহাড়পুংরগী মন্দির অমসুং স্তুপা অমগী অতেক অকায়গী মরক্তা থেংনরুবনি অমসুং ৬-৭ শুবা খৃংগী শতাব্দীগী মতমগীনি। মূর্ত্তি অনি অসিগী মকোক্কী অসিরাইদা কারিবা মঙালগী শরুক অসিনা মথোয়সি লাইগী মীওইনি হায়বগী প্রমাণ নি। অশাবা মূর্ত্তি অসি অসিগুম্বা অহকপা মূর্ত্তিগী মান্নবা শরুক খরগা কোন্না কৃষ্ণগী মতাংদা উৎলহুনা থেংনবনি। কৃষ্ণবু পীকতক তৌবা ফজবা তবা তবাবা শাবান ওইবদৌনা উৎলি।

জয়দেবগী চাউরাক্লা চহী চামরি দগী চামঙা ফাওবগী মমাংদা— রাধা অমসুং কৃষ্ণগী মুংশিবগী ইহান হানবা অচৌবা কাব্য ইথিবা মীশক অসিগী মমাংদা— অশাবা মূর্ত্তিগী মচেৎ অসি বঙ্গদেশতা শাম্নবনি অমসুং ভারতকী কলাদা মসি খন্নায়দগী হেন্না ফজবশিংগী মন্নুংদা অমনি।

মথংগী চহীদা কৃষ্ণনা গোবর্ধন চীং খাঙ্গৎপগী মতাং উৎলহুনা লৈরিবা মূর্ত্তিদা রাধা অমসুং কৃষ্ণগী অকনবগী শকওং (অরিবা তামিলগী কপ্পন অমসুং নপিন্নেয়) অসিনি—রাধানা মহাক্কী ওইদা লৈরিবা অতোপ্পা গোপী অমনা শৌগৎলহুনা লৈরিবা অশাবা মূর্ত্তিগী মপূং ফারবা মশকনি। (মসি তামিলনাডুগী মহাবলীপুরমদা, ৭-৮ শুবা খৃংগী শতাব্দীদা লৈথিবা চীংদা অহকপা মূর্ত্তিশিং গী মন্নুংদা অমনি)।

অরাং ভারততগী গুপ্তগী মতমগী ৫—৬ শুবা খৃংগী শতাব্দীগী ওইরিবা মূর্ত্তিশিং খরদা কৃষ্ণগী রারী লীরিবা দৃশ্য খরসু লৈরি; অদুবু রাধাগা কৃষ্ণগা পুনবা অসিদি কায়নখংদা থেংনরৈ। রাধা না কৃষ্ণগী চান্নবী ওইবগী উপাসনা অসি থেঙনা চঙলকপদৌনা তৌই, খৃংগী চহী লিশিংগী লোইরমদাইগী

শতাব্দী শিংদা, লাইনীং অসিগী অহোবদি চহী শতাব্দী থরগী মমাংদগী হোৌনা —লৈগ্রবস্। মতাং অসিদা, মখিং চৎলবা আর্কিওলোজিষ্ট অমসুং ঐতিহাসিক রাখালদাস বন্দোপাধ্যায়না মখাদা পীরিবা অসি মতাং চাগনি—রাধা কৃষ্ণগী রারীদা চহী চহীগী ওইবা টিকাশিং কলা অমসুং সাহিত্যগী মায়কৈদা উৎলহনা (আর. ডি. বন্দোপাধ্যায় এম. এ. না ইবা Eastern Indian School of Medieval Sculpture, প্লেট ৯৬কা কোম্নবা—"Archaeological Survey of India, New Imperial Series, ভোল্যুম ৪৭, ভারত সরকার, দিল্লী, অফোওবগী মেনেজর, ১৯৩৩, লামায় ১২৭):

"তরামাথোই অমসুং তরানিথোইশুবা শতাব্দী গী ওইবা মখুৎ মরি পানবা বিষ্ণুগী মথল কয়াগী মূর্ত্তি লিশিং লিশিংনা বঙ্গদেশ অমসুং বিহারগী তোঙান তো তাঙানবা শরুক কয়াদা থেংনরবস, রাধা কৃষ্ণগী অপুনবা মূর্ত্তিদি অমথক্তং নোংপোকী সম্প্রদায়দা অসুক কুইরবসিগী মমুংদা চীংনবা লৈতনা থেংনৈ হায়বা ঙমগনি। [পাহাড়পুরগী মূর্ত্তি-লাইরিক অসিদা য়াওরিবসিদ্দি ১৯৩৩দা থেংনখিদ্রি—এস. কে. চট্টোপাধ্যায়]। অসিগুম্বা নমুনা অমিগী লৈফম থঙদে অদুবু মসিদি (এ. এম.) বিহারগী ব্রোঙলিগী খোমজিনবদা য়াওরি অমসুং ১১ শুবা থুংগী শতাব্দীগী নমুনা অমনি (Supplementary Catalogue, লামায় ৯৬, মশীং ৩৮৩৩)। কৃষ্ণগী লাইনীং অসি মীয়ামদবা কাংলুপ মচা অমনা চথরমই ১১ শুবা অমসুং ১২ শুবা শতাব্দীদা। নোংপোক্কী কাংলুপতা ঐথোয়না রাধা অমসুং কৃষ্ণগী অপুনবা মূর্ত্তি ইফং ফংদবদা নত্তেং: কৃষ্ণ মতোমদগী ১৩ শুবা শতাব্দী ফাওবা যমাংদদি থেংনদে বঙ্গদেশ নত্রগা বিহার গী মফম অতৈদম্। ভারতকী অরাং-নোংপোক লমদমশিংদা রাধা-কৃষ্ণগী লাইনীংনা য়ায়মক পাম্নরিবা অসিমক অচোবা সংস্কারক চৈতন্য না থোরকপদগী হৌরকপা মাল্লি। ১৫ শুবা শতাব্দী গী হৌরকপগী শরুক্তগী বঙ্গদেশ অমসুং বিহারগী ব্রাহ্মণ ধর্ম্মগা মরী লৈনবা অয়াম্বা, ধাতু অমসুং নুংদা লৈরিবা, 'লিঙ্গ' শিং অমসুং 'দুর্গা' নত্রগা 'কালী'গী মূর্ত্তি ঙাক্তনি নত্রগা কৃষ্ণ নত্রগা রাধা-কৃষ্ণগী মূর্ত্তিশিংনি। মতম অসিদা নুংদা নত্রগা ধাতুগী মূর্ত্তি শিং ইথেং থেংনদে। অসিনা অরাং-নোংপোক ভারতকী বৈষ্ণব ধর্ম্ম গী ইতিহাসতা থেংনরি অহাঙবা অমা ১২ শুবা অমসুং ১৫ শুবা শতাব্দীগী মরক্তা—মসিবু মেনশিনবদি মূর্ত্তিগী কলানা মচাক অমতা পীবা ঙমদ্রি।"

## তরানিপাল

### “গীত-গোবিন্দ” গী ঈশৈ সিংদা ছন্দ অমসুং সঙ্গীত

‘গীত-গোবিন্দ’ দা শীজিন্নরিবা-রাগীলীবদা অমসুং ঈশৈশিংদা—জয়দেবগী ছন্দগী মরমদা য়াম্না ফজবা নৈনবা অমা ডাক্তর সুধীভূষণ ভট্টাচার্য্যনা পীরি অমসুং মসি মথক্তা পনগ্রবা ডাক্তর হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায় গী জয়দেবগী লাইরিক অসিদা য়াওরি ( লামায় ৫৩ )। রাগী লীবগী মশক্তি ক্লাশিকেল সংস্কৃতকী ছন্দদনি ; অদুবু সুধীভূষণ না তাকপগুম্রদুনা মসিমদি শেংলে মদুদি অসিগুম্বা সংস্কৃতকী ক্লাশিকেল ছন্দশিদা অপভ্রংশ ছন্দগী প্রভাব তারি।

পদ শিং নত্রগা ঈশৈশিংনা অপভ্রংশদনি ( অমসুং অবহট্‌ঠ দনি ) লোয়ননা অঙনবা ‘ভাষা’ ( অনৌবা ভারতীয়-আর্য্য ) গী মাত্রাবৃত্ত ছন্দদনি অদুগা মখোয়গী মচাতানা নৈনবা অমসুং খায়দোকপা—মাত্রা অমসুং চরণ গী মশীং লৌদুনা ডাক্তর হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায় গী লাইরিক্তা থেংনগনি। অসিগুম্বা লাইরিক মচা অসিদা অসিগুম্বা টেকনিকেল ওইবা মতাংগী নৈনবা অসিদি য়াওরুবগী দরকার লৈতে।

জয়দেবগী ‘পদ’ শিংদি হৌবদগী হৌনা মহাক্কী ঈশৈ শকপা মরুপশিং-পরাশর গুম্বনা শকলমই—মসিমক মহাক্না মহাক্কী কাব্যদা হায়জরি। ‘সেক-শুভোদয়া’ ( লামায় ৮ মমাংগী ) দগী খঙবদি জয়দেব অমসুং মহাক্কী নুপী পদ্মাবতী অনিমক শীংথানরবা ঈশৈ তৌবা ঙাক্তনি। জয়দেবগী ঈশৈশিংসি আর্য্যলোন লোনবা ভারতকী চহী লিশিং অমা নত্রগা চানিপালগী মমাংদা চৎনরম্বা অথেঙবা ময়ায় যুগকী হিন্দুগী সঙ্গীত চৎনবীদা শকলমগনি—মসি থরা চাওখৎপা মওংদা নিংথৌরেল আকবর ( ১৬ শুবা শতাব্দী ) মতমগী হিন্দুস্থানী নত্রগা অরাং ভারতকী সঙ্গীত গী ধ্রুবপদ-নত্রগা ধ্রুপদকী শৈশক্তা থেংনরি—মসিসু অমুক তানসেন না মতোল য়োনা পুখৎলি অমসুং কর্ণাটক নত্রগা খাভারতকী সঙ্গীতকী ‘পদম্’ নত্রগা ‘কীর্ত্তনম’ গী শৈশক্তা লৈরি, মসিগীসু অমুক খন্নায়দগী অথোইবা শৈরেংবশিংদি পুরন্দর-দাস কর্ণাটককী ১৭ শুবা শতাব্দীগী অমসুং তামিলনাদতা লৈথ্রবা ১৯ শুবা শতাব্দী গী অন্ধ্রগী ত্যাগরাজ নি। ঈশৈশিংবু

রাগ অমসুং-রাগিনী তোঙানবশিংদা তালগা কোন্নরা খায়দোকপগী ভারতকী সঙ্গীতকী চৎনবী অসি হান্নরা মভুং তানা লৈরবনি। অরিবা হায়বদি ঙনথৎপা ময়াম যুগকী রাগ অমসুং তালশিং কোন্নবা মমিংশিংগা কোন্নরা জয়দেবনা মহাক্কী পদ খুদিংদা পীবা ঐথোয় থেংনৈ মহাক্কী 'গীত-গোবিন্দ' দা। মথোয়সি হিন্দুস্থানী সঙ্গীতকী ক্লাশিকেল 'রাগ' নি—মসি ঐথোয়না জয়দেবতদা থেংনবা, সঙ্গীতকী মরমদা ইবা খরায়দগী হেন্না লিরবা লাইরিক শিংদা ( ১১ শুবা খৃঃগী শতাব্দীগী মতুংদা ) অমসুং শিখকী 'গুরুগ্রন্থ' ( অহানবা খোমজিনবা, ১৬০৫ ) গুম্বা অচৌবা লাইরিকশিংদা থেংনরি। জয়দেবগী লাইরিক অসিনা, পদসিংগী মথক্তা, মথাগী অলিগুম্বা রাগ পীরি : মালব, গুর্জরী, বসন্ত, রামকিরি, কর্ণাট, দেশাগ, দেশ-বরাড়ী, গোণ্ডকিরী, ভৈরবী, বরাড়ী, বিভাষ ; অদুগা তালশিংনা—রূপক, নিঃসার, যতি, এক-তালী অমসুং অষ্ট-তালী গুম্বা। পদশিংসি মশীংদি ২৪ দা ওইবনি না রাগ অমসুং তালগী মশীংসি মশানা য়ামদবা তাবনি—শিখ-'বেদ'—'আদি-গ্রন্থ নত্রগা 'গুরুগ্রন্থ'দা য়াওরিবা ১৫ শুবা শতাব্দীদগী ১৮ শুবা ফাওবগী মতুংদা খোমজিন্দুনা লৈরিবা চাউরবা ভক্তি গী প্রার্থনা অমসুং লাইশোলশিং অসিগী মথল মথেল ময়াম অসিগী চাংদম্নবা তারবদি। পদশিংবু ক্লাশিকেল রাগদা শকপগী চৎনবী অসি বঙ্গদেশতা বাড়ু চণ্ডিদাস কী ( ১৪-১৫ শুবা খৃঃগী শতাব্দী ? ) চাউরবা ময়ায়গী ওইবা বাংলাগী কাব্য 'শ্রীকৃষ্ণ-কীর্ত্তন' ফাওবা চৎথরমই।

অসুম হায়রনসু লৌবা য়াই জয়দেবগী পদশিংসি অহানবদদি হায়রিবা রাগ অমসুং তালশিং অসিদা শরুমগনি। অদুধু হান্নগী চৎনবী অদু অসুম অসুম চৈতন্যনা পোক্লপ তুংদগীদি মাঙ থরম্বা য়াই, থোইদোকপ বাংলাগী বৈষ্ণব ভক্তিগী ঈশৈগী সভা শীনথিবা মতম—খৃঃ ১৫৯৪ দা রাজশাহী জিলাগী খেতুরিদা কীর্ত্তনগী ঈশৈ শকপা ময়াম, বৈষ্ণবকী আচার্য্য শিং অমসুং ভক্ত শিংগী অচৌবা 'মেলা' নত্রগা সভা অদুগী মতুংদা। হৌজিক্তা তোঙান তোঙানবা শৈশক মওংশিংগা কোন্নবা অনৌবা মওং অমা ( খুদম ওইনা, মনোহর-শাহী, গরান-হাটি, অমসুং রাণী-হাটি নত্রগা রেণেটি ) বঙ্গদেশতা থোরক্লে অমসুং জয়দেবগী পদশিংসি বাঙ্গালী কীর্ত্তনিয়া শিং নত্রগা পদ-শকপশিংনা অনৌবা শৈশক অসোমদা শরুরি।

জয়দেবগী পদশিংসি ভারত পুম্বদা শন্দোকখি অসিনা লম লমগী থেন্নবা অমসুং সম্প্রদায়শিং মফম পুম্বদা থোরক্লমই। ঐহাক জয়দেবগী পদশিংসি বঙ্গদেশ কী খুনায়কী ফরবা খরনা শকপা তারে উরিষ্যা দা ( পুরী দা, ওড়িষি মন্দিরগী দেবদাসী শিংনা হৌজিক ফাওবা শক্লি ) অমসুং মণিপুরদসু ( ইম্ফাল ) —হিন্দুধর্ম্মগী ( নোংপোক্কী খুনায়দগী লাপ্পা চিদাইদা লৈরিবা ; বৃন্দাবন্দা গৌরীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমসুং অতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায় শিংগী অচৌবা পুনফম ওইরিবা ); মহারাষ্ট্রগী পুনা ( ভারতকী ক্লাশিকেল ঈশৈগী অথোইবা মফম ওইরিবা ) অমসুং তামিলনাদকী তাঞ্জোরদা ( কর্ণাটক নত্রগা ক্লাশিকেল ওইরবা ভারতকী শৈশক্তা জয়দেবগী সংস্কৃত পদ সিংবু নহা ওইরিবী তামিলগী নুপী অমনা শকপা তাবদগী)। হৌজিক্তি মসি মফম খুদিংমক্তা থেন্নরে, হৌজিক্কী বাঙ্গালী শৈশক অসি ইল্লিবা মণিপুরদং নত্তনা।

বঙ্গদেশতা অশেং বা নত্রগা অরিবা ক্লাশিকেলগী শৈশক্তা জয়দেবগী পদসিং অসি শরুবা হোৎনখি অমসুং মায়কৈ অসোমদা 'ব্রজ-মাধুরী সঙ্ঘ'গী লৈখিদ্রবী শ্রীমতী অপর্ণা রায় না কীর্ত্তনিয়াসিং অমসুং ঈশৈ শকপশিংগী মতেংগা লোয়ননা—বৃন্দাবন গী লিয়বা শৈশক্কী অরিবা মওংগী শরুক খরদু য়াওহনবগা লোয়ননা। অদুগা ফাওরবা ঈশৈ শকপা রথীন্দ্রনাথ ঘোষ, ক্লাশিকেল ওইরবা ভারতকী রাগগী ঈশৈ শকপদা অফাওবা অসিমরুসু, হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায় গা লোয়ননা বাংলাগী বৈষ্ণকী পদশিং সি থায়নগী মওংদা তমদুনা, ফনা যাম্না মায় পাক্লা হোৎনরে। অদুবু লিয়বা বাঙ্গালীগী শৈশক অসোমদদি অয়াম্বনা চংনরি।

পূন্নমক অসিনা তাকপদি জয়দেবগী ঈশৈশিংসি ভারতকী সঙ্গীত কী ইতিহাস, চংনবী অমসুং হৌজিকমক্কী শৈশক্তা কয়ামুক য়াম্না মরু ওইরিবগে হায়বা অসিনি। ভারতকী সাহিত্যবু শেম্বীবশিংগী মনুংদা মহাক্লা চিংনবা লৈতনা অমা ওইবগুম্না, জয়দেবগী ভারতকী সঙ্গীত তা তৌবা দানসু তশেংনমক চাউই।

...n Instit... ...ance
...117841.
21/12/04

ভারতীয় আর্য লোনগী কাব্যদা অরিবা পুন্নমক্কী অরোইবা অমসুং অনৌবা শিংগী অহানবা ওইনা জয়দেব সংস্কৃত লোনগী খবায়দগী মৈংশিরবা গীতিকাব্য ইবা অমনি হায়না পুন্নমক্না য়ানরি। খুংকুমজা ১২ শতকী অনিশুবা তংখায়দা ফাওখিবা কবি অসিনা ক্লাশিকেল সংস্কৃত শৈরেংগী অরোইবা শৈশক শকলম্বদা নত্তে, অনৌবা ভারতকী মমারোলগী সাহিত্যগী য়াকৈরোল শরুম্বনি। পুকনীং চেৎলবা বৈষ্ণবশিংগী মীৎয়েংদদি মহাক্কী "গীত গোবিন্দ" অসি ধর্ম্মগী লাইরিক্কী মীংচৎ ফংখি। নোংচুপকী পন্ডিত অমগী মততা "জয়দেবদি ভারতকী খবায়দগী অথোইবা কবিগী শীংদা চনগনি।" অমরোমদা, বঙ্গগী শীংথানরবা সাহিত্যগী সমালোচক খরনা ফোঙদোকলিবা মততি "গীত-গোবিন্দ" দা গীততি য়াওই —গোবিন্দদি য়াওদে। মফম অমনিদা নত্তনা নীংথিরবা প্রেম-কাব্য ওইদবা শৈরেংশিংগী অতাক অফোংনবা শৃঙ্গার রস অসিদা মথোয়না পেনবা ঙমদে।

জয়দেবনা অসুম্না তুন্নতৈনবা মতশিং পোক হল্লে। অসিনা মহাকপু খরা কুপ্পনা অমসুং চেকশিন্না নৈনবা চুমই।

লাইরিক মচা অসিদা মতম অমদা ভারতকী রাষ্ট্রীয় অধ্যাপক অমসুং সাহিত্য অকাদেমিগী সভাপতি ওইরম্বা ডক্টর সুনীতি কুমার চট্টোপাধ্যায়না চঙখোল্লবা মওংদা জয়দেবগা মরী লৈনবা মশক পুন্নমক নৈনরি। মহাক্না জয়দেবগী পোকফমগী মতাংদা বঙ্গ, উড়িষ্যা অমসুং মিথিলাগী দাবীশিং নৈনরি [...] ২৬কী মশক্তা অমসুং শিখ[...] অনিথক্কী মশক্তা অনৌবা মচা[...] অগিসুম্বা ইতিহাসকী অ[...] মমল লেপ্লকপা অসিনা বিষয় অসিগী সাহিত্যগী [...] ফারবা হাপচিনবা অমা ওইনা থোক্লে।

মথুমগী শেমশাবা : সত্যজিৎ রায়

ময়েক শেম্বা : শ্যামল সেন

মনুংগী লাই : ধীরেন্দ্রকৃষ্ণ দেব বর্মাগী অয়েকপা অমদগী

Library IIAS, Shimla
MN 891.202 1 J 334 C
00117841

SAHITYA AKADEMI
REVISED PRICE Rs. 15.00